
এ কে শেরাম

# লম্মাঙনবা

# ꯂꯝꯃꯥꯡꯅꯕꯥ





অওইবা থৌদোকসু করি করিগুম্বদা কল্পনাবু মায়থীবা পীবা য়াওই। 'লম্মাঙনবা' অদুগুম্বা অওইবা থৌদোক'মগী মথক্তা য়ুম্ফম ওইরগা কল্পনাগী মচু শংদুনা শাগৎপা উপন্যাস মখল'মনি। থৌদোক অসিগী হৌরকফম 'বিশগাঁও'নি; বাংলাদেশকী হবিগঞ্জ জেলাগী মনুঙ চনবা চুনারুঘাট উপজেলাগী মৈতৈ খুন্দাবা খুল অমা। মৈতৈ মীশীং য়ামদ্রবসু ইতিহাসকী লামায়দা ময়েক লারবা মিংচৎ-উরোং কয়া খিল্লবা বিশগাঁওনি। অদুগুম্বা বিশগাঁওদুদা হুম্ফুতরামাথোইগী বাংলাদেশ নীংতম লানগী মতমদা মশীং লীক্লবা মণিপুরীশিংগী পুন্সি-ঈচেলদা ইব্রায়-ইনিল কল্লবা ইপোম কয়ানা পুরকখি অকনবা ঈহৌ কয়া। মদুগী কল্লবা ইপোমগী ঈহৌ অদো চহী যুগ অহুম মতুঙদা কিলোমিটার চা' কয়া কয়া লাপ্লা রাজশাহীগী বাগমারা য়ৌনা ইনিল ফুদোকহনখি।

'লম্মাঙনবা' উপন্যাসকী নুংগী ওইবা চেতনাদি বাংলাদেশকী নীংতম লান মতমগী থৌদোকশিংনি; পাকিস্তানগী আর্মি অমসুং মখোয়গী তুংইনবা কাঙবুগী মীওৎ-মীনৈ, মীহাৎ-থৌরম কয়া অমসুং মদুগী মায়োক্তা মীচম প্রজাগী নীংতম্বগী খৌরাংবা, অশীববু শীংনদুনা লানদা য়াওবা, থব্রায়গী পোম্থা পীদুনা নীংতম্বগী ঙঙ্গানবা কোরৌবু তরাম্না পুরকপা। ইতিহাস নত্তে, লাইরিক অসি উপন্যাস মখল অমা ওইনা ইবনি। অদুনা অচুম্বা থৌদোক্কী মথক্তা কল্পনাগী মচু কয়াদং শংবা তাখি, শক্তম কয়াগী মিংদা—থৌদোক কয়াদা অওনবা কয়া পুরকপা তাখি। অদুম্মকপু 'লম্মাঙনবা'গী য়ুম্ফমদি অওইবা থৌদোকনি—মাগী নুংদা চেল্লিবা চেতনাদি বাংলাদেশকী নীংতম লান মতমগী থৌদোক-ব্রাথোকশিং, নীংতম্বগী খৌরাংবা, নীংতম্বা তানবগীদমক অশি-অনা কয়া থৌওইদনা মীয়ামনা মশাগী অরৈবা'পুম্বা কখোকপদুনি। মদুদা থব্রায়গী পোম্থা পিথ্রবা, অব্রা-অনা অমাঙ-অতা কয়া নঙথ্রবা, অশীবগা শীংনদুনা থৌনা ফনা লানগী অকনবা মৈরিলক্তা চোংশিল্লুবা নীংতম লান্মীশিং—মখোয়গীদমক্তনি 'লম্মাঙনবা' লাইরিক অসে।

ISBN : 978-984-33-5826-4

# লম্মাঙনবা

## ꯂꯝꯃꯥꯡꯅꯕ

এ কে শেরাম

**বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ**
তপোবন, লামাবাজার, সিলেট-৩১০০

লম্মাঙনবা ꯂꯝꯃꯥꯡꯅꯕ ॥ এ কে শেরাম

বাংলাদেশতা ফোঙবা মণিপুরী লোনগী অহানবা উপন্যাস


**অফোঙবা**

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ
তপোবন, লামাবাজার, সিলেট-৩১০০

অহানবা ফোঙবা : অক্টোবর ২০১২

কোপিরাইট : অইবা

মখুম : এন যোগেশ্বর অপু

**নক্ষম**

**উদয়ন অফসেট প্রেস**
লামাবাজার পয়েন্ট, সিলেট-৩১০০। ফোন : ৭২৭১১৮

**মমল ১০০ টাকা**

Lammangnaba ॥ A K Sheram
First Manipuri Novel published in Bangladesh
Published by : Bangladesh Manipuri Sahitya Sangsad,
Tapobon, Lamabazar, Sylhet-3100.
First Published : October 2012. Cover : N. Jugeswar Apu.
Price : Tk. 100 ॥ ISBN : 978-984-33-5826-4


CamScanner

ক ৎ চ বা

বাংলাদেশকী নীংতম লানদা
থৱায় কথোকখ্রবা বিশগাঁওগী মীথোই-মীহেনলবা মঙা
**থোকচোম কৃষ্ণমোহন, থোকচোম অক্ষয়, কাঙাবম নরেন্দ্র,**
**কারাম আতেন অমসুং শারংবম কূলচন্দ্র**
মখোয়গী স্মৃতিদা

CS CamScanner

**অইবগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং**

১. বসন্ত কুন্নিপালগী লৈরাং – ১৯৮২ (মণিপুরী শৈরেং); ২শুবা এডিশন ২০১১।
২. কংলৈ ঈয়েক ঈপী – ১৯৮৪ (মণিপুরী ময়েক তম্বগী লাইরিক)।
৩. চৈতন্যে অধিবাস – ১৯৮৮ (বাংলা শৈরেং)।
৪. মণিদীপ্ত মণিপুরী ও বিষ্ণুপ্রিয়া বিতর্ক : ইতিহাসের দর্পণে দেখা – ১৯৯৩ (বাংলা ৱারেং)।
৫. বাংলাদেশের মণিপুরী : ত্রয়ী সংস্কৃতির ত্রিবেণী সঙ্গমে – ১৯৯৬ (মণিপুরীগী মরমদা ইবা বাংলা ৱারেংগী লাইরিক)।
৬. মণিপুরী শক্তাক খুদম (সম্পাদনা তৌবা) – ১৯৯৯ (মণিপুরী ৱারেং খোমজিনবা)।
৭. নোঙ্গৌবী – ২০০১ (মণিপুরী ৱারীমচা)।
৮. মঙলানগী অতিয়াদা নুমিৎ থোকপা – ২০০৭ (মণিপুরী শৈরেং)।
৯. মণিপুরী নাচোম (সম্পাদনা তৌবা) – ২০০৮ (৪শুবা এডিশন ২০১২)।
১০. প্রেমে-অপ্রেমে আছি, আছি দ্রোহী চেতনায় – ২০১০ (বাংলা শৈরেং)।
১১. অতোপ্পা লৈরাং – ২০১০ (মণিপুরী ৱারেং খোমজিনবা)।
১২. বাংলাদেশকী মণিপুরী শৈরেং (সম্পাদন তৌবা) – ১৯৯০ঃ ২শুবা এডিশন ২০১১ (বাংলাদা হন্দোকপা য়াওনা মণিপুরী শৈরেং খোমজিনবা)।
১৩. এস ভানুমতি দেবীর নির্বাচিত কবিতা (হন্দোকপা অমসুং সম্পাদন তৌবা) – ২০১১ (মণিপুরী কবিতা বাংলাদা হন্দোকপা)।
১৪. মৈরা পাইবী – ২০১১ (বাংলা লোনদা ইবা মণিপুর অমসুং মণিপুরীগী মরমদা লমকোয়-উপন্যাস)।
১৫. অন্যস্বর : নির্বাচিত মণিপুরী কবিতা (হন্দোকপা অমসুং সম্পাদন তৌবা) – ২০১১ (মণিপুরী কবিতা বাংলাদা হন্দোকপা)।
১৬. মণিপুরী (মৈতৈ) ময়েক মপী – ২০১২ (মণিপুরী ময়েক তম্বগী লাইরিক)।

CamScanner

# হায়জনীংবা খরা

বাংলাদেশকী হবিগঞ্জ জেলাগী মনুঙ চনবা 'বিশগাঁও' হায়বা মৈতৈ খুন্দাবা খুল অসি পংচাউ চাউখিবা খুল নত্তে; খুন্দারিবা মৈতৈগী মশীংসু পংয়াম য়ামদে। অদুবু লমদম অসি বাংলাদেশতা অহানবা মণিপুরী খুন্দাবা খুল ওইবগী মিংচৎকা লোয়ননা ইতিহাসকী ময়েক লারবা থৌদোক-ৰাথোক কয়াগী হৌরকফমসু ওইরিবা লমনি। বাংলাদেশকী নীংতম লানগী মতাঙদসু বিশগাঁওগী মণিপুরী কাঙলূপকী চাউরবা শেন্থাং অমা লৈখ্রবনি। নীংতম্বগীদমক থৱায়গী পোন্থা পীদুনা শহীদ ওইখ্রবনি লমদমসিগী মীথোই-মীহেনলবা মীওই মঙা, শোকপা-পনবা নংখ্রবনি অতে কয়ামসু। বাংলাদেশকী নীংতম লানদা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা লান্মী ওইনা শরূক য়াখিবনি থৌনা ফরবা নহা মঙা। মখোয় পুম্নমকসি ঐখোয়গী চাউথোকচনিঙাইগী মশক্নি।

মতমদুগী থৌদোক কয়া অমদি মদুগা মরী লৈনবা ৱারী কয়াদং ময়ামগীদমক্তা ইথোক্তুনা ফোঙদোকচগে হায়বসি ঐগী মতম কুইনদগী নিঙজরকপা মঙলাননি। ঙসি ফোঙজরিবা 'লম্মাঙনবা' হায়বা লাইরিকসি মদুগী মহৈনি হায়বা য়ায়। তৌইগুম্বসুং লাইরিকসিদি তশেংনা হায়বদা ইতিহাস হায়বদুদি নত্তে, উপন্যাস মখল'মনি। অওইবা থৌদোক অমদি অচুম্বা ৱারীদা য়ুম্ফম ওইনা শাগৎপা ৱারী অমসুং য়াওরিবা অয়াম্বা শক্তম অচুম্বগী মমিঙাক্ত ওইরবসু উপন্যাসকী মওংদা ইবনিনা কল্পনাগী মচু কয়াদংনি শংলিবা; শক্তমগী মিংসু অয়াম্বা মফমদা ওন্থোক-ওনশিন তৌবা য়াওরি–অনৌবা শক্তম কয়া হাপচিনবসু য়াওই। ইতিহাসতা য়ুম্ফম ওইবা লাইরিক ওইরবসু মসিবু ইতিহাস ওইনা পাবিদনবা, চুম্না ইতিহাসকা মরীলৈনবা উপন্যাস অমগী মীৎয়েংদা য়েংবিনবা নোল্লুক্না হায়জরি। অদুনা, লাইরিকসিগী ৱারী-পরীংদা করিগুম্বা ইতিহাসকী তাঙ্কক কয়াগা নত্রগা থোকখিবা থৌদোক কয়াদগী খেন্নবা নত্রগা শেরান্নবা থেংনবিরবসু, লাইরিকসিদা য়েকচরিবা শক্তম কয়াগী মতাঙদা মান্নদবা নত্রগা শোয়নবা কয়াদং য়াওরবসু মদু'পুম্বা মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা লান্না লৌবিদনবা নোল্লুকচরি। তঙাইফদবা মরম কয়াদগী অইবনা অসিগুম্বা তাঞ্জা কয়াদা খজিক্তং মনীং তম্বগী খুদোংচাবা লৌখিবসু য়াওই। হুম্ফুতরামাথোইগী নীংতম লানগী মতমদা লমদমসিদা থোকখিবা থৌদোক-ৰাথোক কয়াদুগী মরূ ওইবা ইহুনদুতনি ঐনা লাইরিকসিগী থৱায় ওইনা মাগী ৱারীশিংদা চেলহন্নিংঙিবসে। মদুতবু মতীকচানা ওইহনবা ঙম্লবদি ঐগী হোৎনবা মপুঙ ফারে হায়না লৌজগনি।

লাইরিকসিগী মতাঙদা মথৌ তাবা মচাক কয়াদং পীদুনা নত্রগা অতে মরমদা তেংবাংবিদুনা ঐবু থৌগৎপিখিবা মরূপ শান্তকুমার, ইনাও শেরাম নিরঞ্জন, ইচানিপা চিংখৈ অঙোম, ইনাও চন্দ্রজিত অমসুং অতে মরী লৈনবা মীওই কয়াদংবু পূকচেলশেংনা থাগৎচরি। য়াম্না অথুবা মতমদা থৱায় য়াওনা ছাপাগী থবক তৌবিরকখিবা উদয়ন প্রেসকী থৌমীশিংবুসু থাগৎচৈ। ময়ামগী মতেং নত্তনা করিগুম্বা থবক মপুঙ ফানা পাংথোকপা হায়বসিতবু ওইথোক্তবনি।

**এ কে শেরাম**

২৪ অক্টোবর ২০১২

২০০৭ খৃষ্টকুমগী অক্টোবর ২৪ গী অয়ুকনি। বাংলাদেশকী য়াম্না শিংথানবা ডেইলী নিউজপেপার 'প্রথম আলো' মাঙদা পাক্লা শন্দোক্লগা অপং চুবদৌনা মখূৎ ওয়না চুবা মেৎলগা তুমিন্না ফমদুনা লৈ পামেল। পেপারগী চেমায়দুদা য়াওরি চহী লৈথরক্লবা মৈতৈ শকতা তাবা মী অমগী ফোটো-কোন্নবা ফিচার অমা– 'লম্মূক্লরবা লমকোয়-মী'মগী ৱারী'। ওয়দা টেবলগী নাকলদা মৈখু কারবা চা-গী কপ। অদুবু মদু'পুম্বা করিমত্তা থৌওইদনা পামেলদি লাংতক্লনা খোঙদোয় হুল্লি ৱাখলগী ৱাউজুনরবা তম্পাক্তা।

ফিচারদুদা অসুম্না ইরি– বাংলাদেশকী নীংতম লান লোইখিবা কুইদ্রি। নীংতম্লবা বাংলাদেশনা মালেমগী লৈকোয়বুংদা অনৌবা লৈবাক অমা ওইনা শক্তম লৌরক্লবসু লানগী চৈনাখোলদি কোক্লদ্রি। মফম মফমদা ইমুঙ-মনুঙ, শাগৈ-নাতৈগী মরী-মতাইশিং শিখিবা-শোকখিবগী ৱারী কয়ানা মীয়ামগী অৱা-কোকথোং ওইনরি; মফম খঙদনা মাঙখিবা কয়া শোয়দনা অমুক হল্লকখিনি হায়না লম্বী য়েংলি য়েংলিঙৈদা মীৎ চোৎথোক্লবসু কোঙ্গাই'মনি। অদুগুম্বা তাঞ্জা'মদা ১৯৭৩ গী অয়ুক অমদা রাজশাহীগী বাগমারা থানাগী মনুঙ চনবা চেউখালি হায়বা খুঙ্গংদুদা চহী ১৫/১৬ শুরবা শকখঙদবা মীওই অমা থুংঙখি। লোন ফাওনবা ঙমদে। ময়াম্না খঙদবা বাংলা নত্তবা অতোপ্পা লোন অমদা করি করিনো পংঙাংতা ঙাঙঙি। মশকতু উরগা ময়াম্না চীনা নত্রগা জাপানী ওইরবোই খনখি। কনা কনাগুম্বনা বাংলাদেশকী তাম্লবা চীং-তমদা লৈবা মীশীং লীকপা শাগৈ ফুরূপকী মী ওইরম্বসু য়াই হায়নখি। অদুবু জ্ঞান-মেন তানখিদে। অহান-অহানবদদি মীওই অদুবু ময়াম্না চিংনরম্মি। কনানো, কদাইদগী, করিগী লাকপনো হায়বা মওং মওংগী ৱাখল কয়ানা মখোয়বু লাংতক্লহল্লম্মি। মমিংসু খঙদবনিনা অমনা-অমনা কৌনিংবা মখল-মখলগী মিং কৌশিল্লি। সাঈদ, মধু, রসুল, হ্যাবল–মাসু হেক্তা খুম্মি, মঙক থুই; মখূৎকা মশাগা করি-করিনো হায়গদগী তাক্কদগী হোৎনৈ। অসুম-অসুম তৌদুনা লৈকাইদুদা লৈরকখি। ঙসি চহী ৩৪ শুরক্লে মানা লৈরক্লিবসে। মীঙোন্দা অকায়বা খক তৌদে, মীগী ফত্তনবা খন্দে, হুরান-চিন্থিবা লৈতে। অমগী য়ুম মচিদা খরা, অমগীদা খরা তৌনা লেল্লি; মীনা পীজবদা চাই, অমুক অমুক চেং-হেঙ্গাংনাপী খরা নিরগা মতোমতা থোংদুনা চাই। কনাগীসু-কৈসু অরানবা তৌজদবা মাগী ইচম-চম্বা মতৌ-মওংগা কুইনা লৈশল্লকপগী হৌনবীগা ময়াম্নসু নুংশিবীরে। সাইকেল শেম্বা আমির আলীগী য়ুমগী নাকলদা শংতপ মচা অমা তপথরগা মাগী লৈফম শেম্বীরে। হিপ্ন-চানবা ফিরোল খরা, কোল্লিক খরা মাগীনি হায়না ময়াম্না পীবিরে। মতমগা লোয়ননা শকখঙদবা মীওই অসে লৈকাইসিগী মী অমা ওইরে। লৈকাইগী থবক-থনা তারকপা খুদিংদা মাসু চিখ্নদনা য়াওরে। কনাগুম্বগী করিগুম্বা থবক তারকপদসু মঙোন্দা হায়বগা হেক্তা চোংশিন্দুনা য়াওই। অমন-অমনা শেল থুমসু খরা খরা পীবী। লৈকাইগী অঙাংশিংগা য়াম্না লুনা মরূপতৌনা তিন্নৈ। অহলশিংনা য়াম্না নুংশিনা লোয়নবী। বাংলা

লোন চপ-চানা থোক্রবসু হায়ফেৎ খঙঙে, খরা খরা ঙাঙবসু থোকয়ে। অদুবু মরক মরক্তদি মতোমতা তূমিন্না লৈথোকখি। ৱাখলগী জগৎ'মদা তাউদুনা শূনদা য়েংদুনা লৈখি; মীনা খঙদবা লোল'মদা মুরুম মুরুম শোনবসু য়াওই। হৌখিবা পুন্সিগী স্মৃতিদি মাগী থোপতগী মাঙখ্রে। নীংতম লানগী হেক মতুঙ ১৯৭৩ খৃষ্টকুমদা মানা লমদমসিদা লাকখিবসি স্মৃতি মাঙখ্রবা, য়ুমগী লম্বী কাউখ্রবা লম্মাঙনরবা মী অমা ওইননি। হৌজিকসু মানা লৈরিবসি লম্মূক্নরবা মী অমগী পুন্সিবু শাগোন্ননা লৈবনি।

ভাইব্রেসন মুদতা থম্বা মোবাইল ফোন অদু থক-থক নীক্লা কন্না খোংঙকপদা খংপ্রেক খংঙি পামেল। মঙলানগী জগৎতগী তাইবংদা থুংঙখি। ফোন লৌখৎলগা ৱা ঙাঙঙি– অং, তাদ, হায়বীরকউ।

নঙ ঙসিগী 'প্রথম আলো' পারবরা?

অং, পাজরে তাদ। অউংবগী কঙাউনবা জগৎতা তাউনা তাউনা তপ্পা খুমখি পামেলনা।

ফিচার অমা য়াওরকপদু য়েংঙবরা? মদুদা য়াওরিবা ফোটো'দুবু..

হোয় তাদ, উজরে। অদো, তাদগীদি করি হায়বীনীংবা....

নত্তে, ফোটোদুবু য়াম্না খঙবা মান্দ্রো? ঐখোয়গী ইপোমগী ৱা নিংশিংলকখ্রেদা। মানখ্রেদা ওন্থোক্লসু। মান্দ্রনে..

ফোন তৌরকইবসি বাংলাদেশকী নীংতম লানদা শরূক য়ারুবা মণিপুরী জাতিগী থোইদোক্লা চাউথোকচনিঙাই ওইরবা থৌনা ফখ্রবা নীংতম লান্মী বিশগাঁওগী তাদ মোহেননি। পামেল খঙঙি, তাদ'সিনা হায়রিবসে ঐখোয়গী হেক লৈকাইগী ইনাওশক্লবা ইপোমগী ৱানি। বাংলাদেশকী নীংতম লানগী মতমদা চহী ১৩/১৪ রোমতা শূরিবা ইপোমবুসু অতে মীওই কয়াগা লোয়ননা পাকিস্তানগী আর্মি অমসুং মখোয়গী তুংইনবা কাঙবু রাজাকারশিংনা ফাদুনা পুখিবদগী অতে হল্লকখিদ্রবনি। কনানা হায়, ময়ামগা লোয়ননা মাবুসু হাৎতোকপিখ্রবনি; অদুগা অতে কনাগুম্বগী মোতনা মাদি য়াম্না অঙাং ওইবনিনা হাৎপিদদুনা বন্দী ওইনা থমখি। পামেল নিংথিনা ভাব তাই তাদ'সিগী থম্মোয়নুংদা হৌরিবা ঈহৌ অসে, মাগী পুক্লিংদা ফাওরক্লিবা ৱাহংগী পরীং অসে। তাদ'সিদা নত্তে, পামেলগী থম্মোয়সু অদুমঙায়। অদুবু করিনো মানা খুম্মুগদবা? ইচম চম্না 'হুম তাদ' হায়রগা ফোনদো থম্মি পামেল। মরমসিদা মখা তানা য়াম্না ঙাঙননিংদবদগী মোবাইলবুদি মুথৎলে; অদুবু ৱাখলগী চূক্লিদি কনানা ফারুগনি? পামেল অমুক্কা হন্না তাউথখি হৌখ্রবা মতমগী কঙাউনরবা ঈচেলদা-খোঙদোয় হুনখি নিংশিংবগী ৱাউজুনরবা জগৎতা।

বাংলাদেশকী অৱাং-নোংপোক চিদাইদনি সিলেটনা লৈরিবসি। হান্নদি সিলেটসি জেলা ওইরম্মি—সিলেট জেলাগী মনুঙদা সাব-ডিভিশন মরী: সিলেট, হবিগঞ্জ, মৌলভীবাজার অমসুং সুনামগঞ্জ। তশেংবদি সাব-ডিভিশন মঙা ওইরম্বনি; করিমগঞ্জ য়াওনা। সিলেটসু আসামগী মনুঙ চনবা জেলা ওইরম্বনি। খ্রিষ্টকুম লিশিং'মগা চামাপলগা নিফুতরেৎতা ব্রিটিশনা পাকিস্তান অমসুং ভারত হায়না তোঙাম্বা লৈবাক অনী শেম্লগা নীংতম্বা পীরকপা তাঞ্জাদা সিলেটতা রেফারেণ্ডাম অমা ওইখি—পাকিস্তানদা চঙগদ্রা নত্রগা ভারতকী শরুক ওইগদ্রা হায়বগী। ভোটতা সিলেটকী সাব-ডিভিশন মরী সিলেট, হবিগঞ্জ, মৌলভীবাজার অমসুং সুনামগঞ্জ পাকিস্তানদা চঙবগী লেপ্লখি—অদুগা করিমগঞ্জনা ভারততা। হৌজিক্তি সিলেটকী হায়রিবা সাব-ডিভিশন মরীমক জেলা ওইখ্রে—সিলেটনা বিভাগ। অদুগা ঈস্ট পাকিস্তান হায়না পাকিস্তানগী নোংপোক শরুক ওইরম্বা প্রোভিন্সনা হুস্ফুতরামাথোইগী নীংতম লানদা মায় পাক্লুনা হৌজিক বাংলাদেশ ওইরে। মৈতৈশিংনা হৌজিক খুন্দারিবসু বাংলাদেশকী হায়রিবা সিলেট বিভাগসিদতনি। হবিগঞ্জ জেলাগী মনুঙ চন্না লৈরিবা লমদমনি 'বিশগাঁও'। বিশগাঁও হায়রিবসি খুল অমতা নত্তে, খুল কয়ানা পূল্লগা শেম্বা অচৌবা লমদম অমনি। বাংলা লোননা 'পরগণা' কৌই। বিশগাঁও পরগণা ইতিহাসকী তাঙ্কক কয়াদা থোইদোক্লা মিংচৎ লৈরবা মফম্মনি। ইতিহাসকী অঙনবা মতমদা 'তরফ' কৌবা মুসলিমশিংনা পানবা রাজ্য অমা লৈরম্মি। তরফকী ময়োন ওইবা মফম—হায়বদি নিংথৌ কোনুং হায়বসি বিশগাঁওনা ওইরম্মি। তরফ রাজ্য'সিগী ৱা ঐখোয়না অরিবা মণিপুরী ইতিহাসতসু থেংনৈ। তরাতরেৎশুবা চহীচাগী অহানবা শরুক্তা মহারাজ খাগেম্বনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইরিঙৈ মতমদা মনাও ইবুংঙো শানোংবগা হি তোংবগী মরমদা নিঙাই অমা তৌনরকপদগী শানোংবনা মনাই মশন কয়াদংগা লোয়ননা চেল্লক্লুনা কাছাড় নিংথৌদা চঙজরগা কাছাড় অমসুং তরফকী লান্মীশিং য়াওনা খাগেম্বগী মথক্তা লান্দাখি। মদুদা শানোংবা মায়থীখি। কাছাড়গী ময়াং অমসুং তরফকী মুসলিম লান্মী য়াওনা মীওই কয়াদং মণিপুর নিংথৌগী খূৎতা লানফা ওইখি। নিংথৌনা মখোয়শিংদুবু মণিপুরদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈহনখি অমসুং মৈতৈ নিঙোল পীদুনা য়ুম পালহনখি। অদুম্না মণিপুরদা খুন্দাখিবা মুসলিম লান্মীশিংনা মৈতৈ নুপী পান্নদুনা শন্দোরকপা চারোল-শুরোলশিংদুনি ঙসিগী 'মৈতৈ পাঙল' নত্রগা 'মণিপুরী মুসলিম' হায়না খঙনরিবা মীওই ফুরুপসে। মদুদা লানদা মায়থীদুনা চেল্লকখিবা মৈতৈ লান্মী কয়া কাছাড় অমসুং তরফ তান্না চঙশিল্লকতুনা খুন্দাখি হায়না থাজনরি। মতমদুদা মৈতৈশিংনা খুন্দাখিবা তরফ লৈবাক্কী ময়োল ওইবা লম'দুনি বিশগাঁও হায়রিবসে। লমদমসিগী মিং 'বিশগাঁও' থোনখিবগীসু ৱারী অমা লৈ। তরামরীশুবা কুমজাদা লমদম অসিদা আচক নারায়ণ কৌবা হিন্দু নিংথৌ অমা পাল্লম্মি। লাইনীং-পুরেন ওইরিবা সুফী-সাধক হযরত শাহজালালগী লুচিং মখাদা মুসলিমশিংনা

সিলেট খুদুম চনখ্রবা মতুঙদা তরফকী লমচৎনাইদবা নিংথৌ আচক নারায়ণগী খুৎতগী প্রজা মীয়াম্বু কন্ননবা মুসলিম লান্মীগী তেঙ্গোল অমা তরফতা থারকখি। আচক নারায়ণ কিদুনা চেনখি। অদুবু লায়-না লান ঙম্লবা মুসলিম লান্মীশিং তরফকী কোনুংসিদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। মশক-মশা খঙদবা লায়না অমনা লান্মীশিং মথং মথং শিনরক্লবদা লম অসি অফবা লম নত্তে, হূ চেনবা লমনি হায়না 'বিষগ্রাম' (বিষ হায়বদি হূ অমসুং গ্রাম হায়বদি খুঙ্গং) থোনখি অমসুং মখোয় মফম অসি থাদোক্লুনা অতৈ লম অমদা লৈফম শেমখি। 'বিষগ্রাম' হায়রম্বদগী লোনথৈ লাক্লুনা 'বিশগাঁও' হায়না খঙনরকখি। বিশগাঁও হায়রিবা লম অসি বাংলাদেশতা খ্বায়দগী হান্না মণিপুরী খুন্দাবা লমনি হায়না ইতিহাসকারশিংনসু য়ানরবনি।

বিশগাঁওগী লৈকাই অমনি 'অৱাং লৈকাই'। ময়াংনা গোবরখোলা হায়রগা খঙনৈ। য়াম্না মপুঙ ফাবা নুংঙাই য়াইফবা লৈকাইনি। লৈকাইসিদা তোঙান-তোঙানবা খুল্লক কয়াদংসু লৈরি- শেরাম লৈকাই, থোকচোম লৈকাই, ওইনাম লৈকাই, মোইরাংথেম লৈকাই, কারাম লৈকাই, মাইবম লৈকাই, অহন্থেম লৈকাই, মাইমোম লৈকাই, বামোন লৈকাই অসিনচিংবা। শাগৈ-য়ুম্নাক মশীং ফনা য়াম্মি। মীশীং য়াম্মি, অঙাংশিংসু য়াম্মি। লৈকাইগী ময়ায় ওইবদা হরিমন্দির-মান্দোব চাউনা লৈ। চহীগী কাং চিংঙি-কাং পালি চাং নাইনা পাংথোকই। কাং পালিদা জয়দেব চোংবদা নত্তনা বাসোক, খুবাক ঈশৈ য়াম্না শক্নে। বাসোক শকপদা থেংখিদুনা নোং ঙান্দগী তৌবা য়াওই-নুংথিল পোরোপ্তা থোংনা থম্বা প্রসাদী-খেট্রি পুমথরক্লা মনম নম্বা য়াওই। অদুমক্তদা জগন্নাথগী প্রসাদীনি হায়না অমত্তা মাঙহন্দে-হরাওনা-পেন্না ময়াম চঙনা চানৈ। লৈকাইগী নোংপোকথংবদা খোয়না-থেক্লা চেল্লি মতীক মগুণ চাউরবা, ঈচেল কল্লবা খোয়াই তুরেল। তুরেলগী ৱাংমদা রেমা চা বাগান, অশোঙবা উমংগী পরেং কালেঙ্গা ফরেস্ট রেঞ্জকা 'সুম শম্নখ্রবনি। তুরেলগী হেক তোর্বানমক্তদা গভর্ণমেন্ট প্রাইমারী স্কুল অমা লৈ। মসি'পুম্বসি লৈকাইগী অঙাং ময়ামগী শান্নফমনি। নোংমাইজীং চয়োলগী ছুটি নুমিৎনি। মসিগী অয়ুকসিদা য়ুম য়ুমদা লাইরিক পাবগী পারা'মা লোইশিল্লম্লগা লৈকাইগী অঙাং ময়াম স্কুলদা তিল্লি। মসি কায়বা য়াদ্রবা রুটিন ওইখ্রবনি। স্কুলসিগী মনাক্তা য়ুম-কৈ অমত্তা লৈতবনা ছুটি নুমিত্তদি মায়কৈসি পুমচিক চিকই। ঙসিদি নোংমাইজীংনি। অমমম-অনী তৌদুনা লৈকাইগী অঙাংশিং লাক্লরি। ফনা য়াম্নদি তিল্লে। অরুন, রমেশ, লৈতোন, অশ্বিনী, প্রণীত, রোবিন, তরুন, তোম্বী, রামকুমার, বরুন, অতোলপিশক, কুমারধন, অতিয়া-মখোয় ময়াম্না পামেলবু কোয়শিল্লগা ফম্মি। পামেলনা ময়ামগী লীডারনি। অয়াম্বনা মাবু লীডার হায়নসু কৌই। অমনিসু লাক্লদবা ৱাৎলি। খৌরাংনা ঙাইনরি ময়াম্না। অরুননা হায়রকই- লীডার, ঐখোয়গী মী'সিবু খরা ৱাৎলিনে। ইপোমসু লাকত্রি। কমদৌসিগে?

রোবিননা পাংশিল্লকই- ঙসিদি প্রোগ্রামসু য়াম্বনি। থেংহনবসিদি থোক্তবনি মখোয়।

য়ৌ য়ৌ খুমশিল্লকই তোম্বী, অতিয়া, বরুন। হৌরসিদা ঐখোয়। থেংখ্রনি। মতম ফংহৌরোইনে হোরেন।

ঙাইখো, ঙাইখো। ময়াম্বু খামজিল্লি পামেলনা। ঙহাক্তদি ঙাইখিসিনা। ইপোমদো কৈদৌঙৈসু থেংদবনি। ঙসিদি কৈদৌরবা খঙদে। মপাবুংনা থাদ্রবরা করিনো। ইপোমবু পামেলনা খরা হেন্নসু লুনা তৌরি। মঙোন্দগী চহী ৪/৫ রোম অঙাং ওইজরবসু মাগা মমান্নবদৌনা তিন্নৈ। ইপোমগী মিং অমসু থোনবি পামেলনা-'বিলাস'। বিলাস হায়বসি

দস্যু মোহোনগী খ্বাইদগী হেন্না নুংশিবা লোয়নবনি। ইপোমদৌনা অতিয়াসু পামেলগী অচানবা লোয়নবনি। মাগীনা 'বাঘা' মিংথোল্লি; দস্যু বাহরাম সিরিজকী বাহরামগী খ্বায়দগী অচেৎপা খোঙলোয়। পামেলখোয় নোংমাইজীং খুদিংগী স্কুলসিদা তিল্লগা ৱারী লীবী শান্নে, মওং মওংগী ৱা তান্নে, তুরেল ৱাংমদা লৈবা চা বাগান নত্রগা উমংদা চত্তুনা 'ওপারেশন' কয়াসু চথৈ। মতমদু স্পাই নত্রগা থ্রিলার সিরিজ য়াম্না পানবা মতমনি। পামেলসু দস্যু মোহোন অমসুং দস্যু বাহরাম সিরিজকী লাইরিকশিং য়াম্না কন্না পাই। স্কুলগী ওজাশিংনদি পামেলবু অফবা ছাত্রনি হায়না নুংশিবী। অদুনা মঙোন্দা স্কুল লাইব্রেরীদগী অফ-অফবা লাইরিকশিং, মরু ওইনা রবীন্দ্রনাথকী, বঙ্কিম নত্রগা শরৎচন্দ্রগী লাইরিকশিং ইস্যু তৌদুনা পী। পামেলনা লৌশিং তৌদুনা মাগী মরূপ-মনাওশিংগী মিংদা মোহোন নত্রগা বাহরাম সিরিজকী লাইরিকশিং পুহল্লকই, অদুগা মানা লোইনা পাই অমসুং ছুটিগী তিনবসিদা ময়ামদা ৱারী লীনা তাহল্লি। পামেল মশানা দস্যু মোহোন নত্রগা বাহরাম শাই, অদুগা অতৈ মরূপ-মনাওশিংবুনা মখোয়গী লোয়নবা অমমমগী মিং থোন্দুনা কৌই অমসুং পূন্না 'ওপারেশন' কয়া চথৈ।

ঐ অমুক্তা কৌনা য়েংগেনা। তোম্বীনা হায়রকই। মখোয় ময়ামসিগী অমগা-অমগা কৌননবা সিস্টেম অমা লৈ। মরোলসু তোঙান্নে মী অমমমগী।

পামেলনা হায়রকই– ফরে ফরে তোম্বী, নঙ অমুক্তা য়েংঙো। অদুবু, নঙগী খোঞ্জেলদুবু য়ৌ হায়বা য়াদৌরিবরো?

এঃ য়ানিদা, হায়রগা তোম্বী মখূৎ খূৎশা অনী মখাদা নমশিন্দুনা শিস খোংঙি। মরোলসু হাপ্পি। মদুদগী মনা থাঙ্গৎনা তায় পাউখুম লাকপ্রা হায়না। অদুবু করিসু পাউখুম তাদে। তোম্বী খরা চিংনরপ তৌই মানা খোংবসি বিলাসকী নাকোং য়ৌদ্রবরা করিনো। পামেলসু হায়রকই– তোম্বী, তাদ্রমানিনে মা; করিমত্তা খুম্মক্তে হায়বা।

'হুম্' হায়রম্মগা তোম্বীগা অতোলপিশককা পূন্না অমুক খোংঙি। হন্দকমুক্তি ঙহাক লৈরগা পাউখুমগী পিক্ল' খোঞ্জেল অমা ফাওরকপগুম তৌই। ময়াম হরাউনৈ, এঃ খুম্মকয়ে, ইপোম লাকঅনি।

হায়গুম্মদনা ঙহাক মতুঙদা ইপোম থুংঙরে। শোর থবেৎ থবেৎ হোল্লি–চেন্না চেন্না লাকপগী ওইরমাল্লে। করিনো ইপোম, ঙসিদি অসুক থেংঙকইবসিবু? ময়াম্না য়ৌ য়ৌ হংশিল্লকই।

ঙহাক তুমিন লৈ ইপোম। নত্তেদা, কৈসু থোইদোকপা নত্তে। পাবুংদো মশা খরা ঙমদে। অদুনা ষণশিংদো লৌবুক্তা পুনথোকপা, শজিক পীজবা, ঈশিং পিথকপা পুম্নমক লোইশিল্লম্লগা থোরকপদা খরা থেংখ্রে। ময়াম ৱারৌবা য়াদে।

ফরে ফরে, ৱারৌদেয়ে ঐখোয়। অঙাং ওইরবসু ইমুঙ-মনুঙগী থবক-থনা পুবা ঙম্লবনি ঐখোয়গী ইপোমসে, খল্লুবদা ফনদুম নুংঙাই। ময়াম ৱা লাউনা নোকই।

ইপোম খজিক্তং ইকাইরপ তৌই। করেম-কথাই তৌবা হৈখ্রেদা ওহ্নোক্লসু। মীরোন লৈতবনিনা কৈদৌনি পাবুংনা মশা ঙমদ্রবদি ঐনা তৌবা তাবনিনা।

চুম্মিদা ইপোম, ইমুঙ-মনুঙগী থবক খরা য়াওশিনবা হায়বসে ঐখোয় পুম্নমক্কী দায়িত্বনি। পামেলনা ৱা খোমজিল্লি। মরকসিদা অতৈ অৱাৎপা মরূপশিংদুসু থুংলরে। ময়াম ৱা-ৱা লাউরি– হৌরসি হৌরসি।

'হোয় হোয়' হায়রগা পামেলনা ময়ায় ওইরপ্না শেপ-চানা ফম্লগা ৱারী লীবা হৌরকই। চয়োল'সিমদা মানা পাখিবা মোহোন অমসুং বাহরাম সিরিজকী মচং ওইবা

ৱারীশিংদুনি মানা লীরিবসে। ময়ামনা চেকমোক লাউদনা মুন্না তাই, মরক মরক্তা খুবাক খুদুনা অপেনবা ফোঙদোকই। ৱারী লীবা লোইরগা ময়াম চুংশিন্নদুনা অমুক মথংগী প্রোগ্রাম শেম্মি। খোয়াই তুরেল লাম্থোক্লগা রেমা চা বাগাননি, চা বাগানগী অচৌবা-অৱাংবা উ-পাম্বীশিংগী মতোলদা মকোল শাই তেনৱা-মোইনানা। অঙাংশিং'সিনা 'রেকি' তৌরক্লিবসি কুইরবনি। মরুম কোকখিবা কুইরে, মচা চাউরম্মনি। ঙসিদি তেনৱা-মোইনাগী মচা ফাবা চৎলুসি, য়ুমদা লোইননবা। মদুদগী হল্লকপদনা তুরেলদা ঈরূপ্পা, ঈরোয়বী শান্নবা। ময়াম য়ান্নরে, হরাউনা ৱা-ৱা লাউনা চেম্থোক্লরে।

রেমা চা বাগান য়াম্না লিরবা বাগাননি। চা বাগান হায়বসিতবু খরা ৱাংবা লম, চীংচেপগুম্বা মফমদতা ওইগল্লি। নোং য়াম্না তাবা লমদতা চা থাই, অদুগা নোংগী ঈশিং তুংবদি য়াদে। হকথেংননা নুংশা য়াম্না ফংবসু ফত্তে চা'গীদমক। অদুনা উরুম তাননবা চা মরক্তা উপাম্বী অচৌ-অচৌবা য়াম্না থাই। উপাম্বীশিংসি অয়াম্বা 'কোরোই' পাম্বীনি। মৈতৈ শিংনা 'খাল' হায়নসু হায়নৈ। লিরবা পাম্বীশিংনি—য়াম্না ৱাংঙি, চাউই। অঙাংশিংনা মশক খঙনা থম্লবনিনা মখোয় ময়াম পরপ পরপ চঙশিল্লি অচৌবা কোরোই পাম্বী অমগী মখোঙদা। চুমদ্রিং চুম্বা য়াম্না ৱাং-চাউবা পাম্বীনি। মশা-মরেং য়াম্না লোঙদে। অদুনা কাবসু পংলায় লায়দে। অদুবু তোম্বীদি উ কাবদা য়াম্না হৈ-শিংঙি। ফর-ফর কাখৎখি মতোল তম্না। মকোলদগী তেনৱা মচা অনীখক ফাদুনা পুরকখি। খরমদদি মচা চাউদুনা পাইখিরম্বসু য়াওই। অদুম্না উপাম্বী মরী/মঙা থিরগা তেনৱা মচা মরীখক ফারকই। য়াম্না হরাউনা অঙাং ময়াম হল্লকই। তুরেলদা কুমথরগা ময়াম চঙনা ঈরোয়না ঈরূপ্পী শান্নে। ঈশিং মনুঙদা কয়া কুইনা লূপ্পা লৈবা ঙম্বা, মফম অমদা লূপ্পগা কয়া থাপ্পা চৎলগা ফাওগৎলকপা ঙম্বা, ঈচেলগী মায়োক্তা হঙ্গৎনা কয়া য়াঙনা ঈরোয়না চৎপা ঙম্বা—অসিগুম্বা মখল মথেলগী হেনবী তান্নবা শান্নে। কয়াদা হরাউখ্রবা, কয়াদা নুংঙাইখ্রবা মখোয়গী পুন্সিনো! অদুবু ময়াম পুম্নমক খংপ্রেক খংঙি অয়াকপা খোঞ্জেল অমদা। লাউ-খোংবা তোক্কুনা ময়াম তুমিন-তুমিন লৈনৈ। য়েংখৎখিবদা উই, তোর্বান্দা লেপ্পুনা অশাউ-মৈরি কারবা গৌরচান অয়াকপা খোঞ্জেলদা অথী-অথীবা মীচৈনা লাউথরকই তুরেলদা ঈরূপ্লিবা অঙাংশিং তম্না। মপাবুংগী মৈ হৌরবা মূর্তিদু উবদা কিথুক-কিরুম্লবা রামকুমার মমায় লুকথদুনা তপ্পা তপ্পা কাখৎখি তুরেলগী ফিবান্দা। গৌরচানগী শাউবা হন্দে। খেক্তরকই অতৈসু, 'মমা-মপানা ৱারক্তবা মচাঙাক্তনিনে নোয়সে। নুমিৎ য়ুংবসিদা তুরেলদা ঈরূপ্তুনা শান্নরিসিবু করিগী তৌজশারিনো! শিবা-নাবা করিমত্তা কিদ্রবা নোয়বু? আসলদি পামেলসিনিনে, মসিননি অঙাংশিংসিগী মকোক চারিবসে। ঙসিদি নপাদা ৱাকৎলুদৌরিনি ঐ। নপা থোরাইমচা নঙবু।'

খরা কন্থি ফত্তবা তোম্বী-অতোলপিশক শাউগৎলকই—খুমদগী তৌরকই। পামেলনা খামজিল্লি— তুমিন লৈয়ু। শাউরুনু, অহলগী ৱাদা শাউবা হৌনদে।

নত্তে, অদুবু মচা মচা ৱারকচৌ হায়বনি। মীগী মমা-মপা শোক্লা করিগী ঙাঙদৌরিনো হায়বা। য়ৌ-য়ৌনি তোম্বীসু অতোলপিশকসু। অদুবু পামেলনা কন্না খাম্বদগী তুমিন্না লৈখ্রে। অহল অদো শৌর-শৌরদুনা মচানিপাগী খুজেং নামা পায়রগা শোরো শোরো চিংদুনা পুখি।

অঙাংশিংদুগী শান্নবগী মুদ কায়খ্রে। হৌনরুবা লৈতনা মখোয় পুম্নমক অমমম তৌনা তুমিন তুমিন কাখৎনখি তুরেলদগী।

ইপোম অয়ুক ঙন্না তূম্বদগী হৌগৎলগা মচিন-ময়া শেংদোক্কুনা লাইরিক পুথোক্কুনা ফম্মি। মাঙ্গোল মচি'দুদা ফক মচা'মা থারগা লাইরিক পাই। ক্লাশ ফাইভকী ছাত্রনি ইপোম। ক্লাশতা মকোক ওই হায়না ওজাশিংনসু য়াম্না লুনা তৌই। ইপোমখোয়গী স্কুল 'গোবরখোলা সরকারী প্রাথমিক বিদ্যালয়' অসি য়াম্না লিরবা স্কুলনি। অদুবু খুঙ্গংগী স্কুল ওইবা অমসুং মীনা থৌশাবিদবা কাচিন অমদা লৈবনা চাওখৎপগী মঙালদি ফংবা খরা ৱাৎলি। ক্লাশ ৱানদগী ফাইভ– ক্লাশ মঙাসিদা ছাত্র ১৫০ রোম তম্লিবা স্কুল'সিদা ওজাদি অমত্তনি। অদুসু থাইনগী মাইনর পাশ তৌবা অহলনি। অহল ওইবগী হৌনবা মাইল ৪/৫ খোঙনা লাক্লগা স্কুল য়ৌরকপদা ৱাবনা হেনজিল্লক্কুনা চেয়ারদা ফম্মগা রোলকোল লোইবগা হেক্তা উইথখি। অঙাং ময়ামসু ওজানা তূম্না লৈবদা লাইরিক পাবগাক তোক্কুনা হরাউ-মথোই কাদুনা লৈ। অমগা-অমগা ৱারী লীনবা, ঈশৈ শকপা, লাউ খোংবা– ৱা ৱা-নি স্কুল অদো। স্কুল অদুসু মনুঙাই'মনি। ক্লাশ অমমমগী তোঙান-তোঙানবা কা নত্তে; মান্দোবতৌনা হায়ফেৎ চাউবা কা অমগী কাচিন অমমমদা ক্লাশ অমমমগী ছাত্রশিং ফম্মি। ওজানা ময়ায়দা চেয়ার অমসুং অচৌবা টেবল অমা থারগা ফম্মি। অঙাংশিংনা লাঙবদা তূম্বা কায়খ্রগা অমুক অমুক শাউনা থীনা চৈথরক্কনি; পারা'দো কন্না পাউ, নামতা থীয়ু হায়না কন্না লাউরম্মগা অমুক তুমথখিনি। মসি নুংতিগী রুটিননি। তূম্বা য়াদ্রগনা য়াম্না খৎপা অঙাং অম'নীবু কৌশিল্লগা মশা নমহনগনি, পোক ফোইহনগনি। ওজাসিগী য়াম্না অফবা অমা লৈ, মদুগীদমক ছাত্রশিংনসু মাবু য়াম্না নুংশি, মদুদি পারা ফাদে নত্রগা হোম ৱার্ক তৌরক্তে হায়বগী নোংমতফাওবা কনাবুসু ফূবা-চৈবা তৌদে। ওজাসিনা য়াম্না মখোয় থিংনা শাউরিবা, ফূবা-চৈবা তৌরিবসে মানা তুম্মিঙৈদা লাঙবা নত্রগা অখৎ-অরাং তৌবগীদমক্তনি। নোংমদি ওজাসিনা য়াম্না নুংঙাইনা নাখোল্লা তুমথরকপা মতমদা ওন্থোক্লা উশিৎ-থৌওইদ্রবা জুগোৎ চাদ্রবা অঙাং অমখক্লা ককচেং মচা খরা ফারগা ওজাগী ফুরিৎ মনুঙদা থাজিল্লুই। ককচেংশিংদুনা ফিনুংদা চিক্লকপদা ওজাদো খংপ্রেক খংনা হৌগৎলকই। ছাত্র ময়ামসু হরাউ-নুংঙাইবগা লোয়ননা নোকপা খাঙবা ঙমখিদে, ৱা-ৱা নোকথোকখি। শাউনিংবনা মৈ হৌরবা ওজাদু চৈ পায়দুনা হৌগৎলকই। মমিৎ ঈ কাবমখৈ য়েংঙগা কনানা তৌবনো হংঙি। কনাসু খুমদে। অমমম তৌনা হংঙি, অদুসু খুমদে। য়াম্না শাউনিংলকই ওজাদো। মদুদগীদি করিমত্তা হংবা-খোৎপা তৌদমখৈ মায়কৈ অমদগী হৌদুনা ছাত্র পুম্নমকপু পংফুদা ফূবা হৌরকই। ৱা-না শোর থবেৎ থবেৎ হোন্দ্রিফাওবা লেপ্তে। ঙহাক পোথারগা অমুক ফূই। মাগী অদু নুমিৎকী মূর্ত্তিদু উবদা ছাত্র ময়াম কিনখি, তুমিন তুমিন লৈনৈ পুম্নমক। মদুদগী ওজাদো মাগী চেয়ারদা চঙশিল্লগা ফমথখি, টেবলদা মকোক নোন্থদুনা তুমিন্না লৈখি। চৈ চারবা ছাত্রশিংদো চৈনাখোলনা নাবদগী ওজাদুগী মতৌদুদা হেন্না কিখি। ময়াম চেক-মোক লাউদে; তুমিন্না মশা-মশাগী ফমফমদা ফমদুনা লৈ। ফনা কুইনা

নোম্বদুনা লৈরুরবা ওজাদো মঙক তপ্পা থাঙ্গৎলক্লগা করিমত্তা হায়রমদনা চুম্না 'ছুটি'তমক হায়রম্মগা তুমিন্না থোক্তুনা চৎখি। ছাত্রমচা ময়াম তিঙক মাইঙক্লনা ওহাক ফম্না লৈ। মদুদগী অমমম তৌনা তুমিন্না হৌগৎনা চৎনখি। নুমিৎতুগী থৌদোক্তু নিংশিংলুবদা ইপোম খংনোক নোকনিংখি। নোকফেৎ তৌখিবা খঙহৌদে। ইপোমগী মপাবুং তোঞ্জাউ শুমাঙ মতোনদা ফম্লগা পুঙগী অরুবা তাল খরা প্র্যাকটিস তৌরম্মি। তোঞ্জাউ পুঙগী ওজানি। বিশগাঁওতা নত্তে, মপাল থোক্লা বাংলাদেশকী মফম খুদিংদা তোঞ্জাউবু খঙদবা মী মৈতে মনুঙদা লৈত্রবনি। পুঙ য়ৈনা য়ৈনা তোঞ্জাউ মচানিপা অতোম্বা ইপোমনা লাইরিক ঔরাইবদু ফলপ ফলপ য়েংলম্মি। মচানিপানা লাইরিক পানা পানা নোকফেৎ তৌখিবদো তোঞ্জাউ উহৌদবা নত্তে। অঙাংসিগী মতৌদুদা মাগী পুক্লিংদা ৱাহং'মা পোকখি, হংঙকই– করিনো ইবুংঙো, লাইরিক পারগা নোকফেৎ তৌরিদি?

করিসু নত্তেদা পাবুং, স্কুলগী ৱারী'মা নিংশিংলক্তুনা নোকপনি।

ওঃ অদু ওইরে। ফরে, ফরে, লাইরিকতু থৱায় য়াওনা তম্মু। কন্না কন্না পারকউ, ইপাসু তাগে।

ইংরেজীনি ঐনা তম্মিবসে, পাবুং খঙগদ্রো? নোকফেৎ তৌনা হায়রকই ইপোমনা।

হোয়নে, ইংরেজীবুদি য়াম্না হৈজদেনে ঐখোয়সু। অদুবু, খরদি খংঙিদনা!

নোকমি নোকমি তৌরগা লাইরিক পাবা হৌরকই ইপোম। এমএএন ম্যান; ম্যান হায়বদি মী। সিএটি ক্যাট; ক্যাট হায়বদি হৌদোং। বিএটি ব্যাট; ব্যাট হায়বদি শান্নবগী ব্যাট।

নত্তে ঙাইখোনে বাবা, করিনোনে নঙনা পারিদুবু?

কৈদৌরগে পাবুং, ইংরেজী বানান পাবনি। ঐখোয়গী ওজানা তাকপিরকপা।

তোঞ্জাউ খরা ঙকই। অমুক্কা হংঙি–নত্তেনে, নঙগী ওজানবু ম্যান, ক্যাট, ব্যাট হায়য়ু হায়না তাকপিবরো? ঐখোয়না খঙবদি মেন, কেট, বেট ওইগদবনি হায়না খঙঙিনা।

অং, পাবুং। ওজানা ঐখোয়গী নোট বুকতা য়াওরিবা বানান উৎলগা তাকপিরকইবনি 'ম' দা 'য' ফলা, আকার হাপ্পগা 'ন' ইরিবসি 'ম্যান' হায়না পাগদবনি। অদুম্না 'ক্যাট' 'ব্যাট'নচিংবসু পাগদবনি হায়না ওজানা তাকপিরকই। ওজানা তাকপিববু লানগদ্রো?

ওহ্বোক্লসু মথোং থোক্তবা ওজানিদা নখোয়গীসে। ঙাইখো ইবো, হয়েংমক ঐ নঙগী ওজাদো উন্নরগা ঙাঙনগে। ফরে, ফরে, নঙ অতৈ পারাশিংদো পাজরো।

তোঞ্জাউগী ইমুঙ লৈকাইসিদা হায়ফেৎ লিংনা পাঞ্জরিবা ইমুঙনি। অহল-লম্মন হাক্তক্তগী ঈশৈ-নোংমাইদা থৱায় য়াওজবা, লৈবাক মীয়াম্না মশক খঙবা মীওই ওইনা লাক্লিবনি। তোঞ্জাউবু পোকপা অহল ধনঞ্জয় ঈশৈগী ওজানি। তোঞ্জাউ মশামকসু পুঙ য়ৈবদা ফজনা মিংচৎ লৈজরবনি। লৌচাসু ফনা য়াম্মি। শেল-থুম মরাং কায়না শিজিন্নবা ঙমজৈ। শাগৈ চাউই, মচিন্নাও য়াম্মি; খূৎকন-পাঙ্গনবা হায়বদু চপ-চানা হায়বা য়াই। নুপী অনী লোল্লি তোঞ্জাউ। অহলদুনা জিনি কৌই; চন্দ্রজিনি হায়বনি, শমজিনখিদুনা 'জিনি'দা লেপখি। অতোম্বীনা রোসোবতী, রোসো হায়না চৎনৈ। অহলগী অঙাং মরীনি, নিপা অনী নুপী অনী। অতোম্বী রোসোগীনা অমত্তা পোকচবা মচানিপা ইপোম। মচিন্নাও ওহ্বোক্লা লুনা-চান্না তিন্ননা লৈমিন্নৈ। মীয়াম্না ঙক্লরিবনি–নুপী অনী লোন্না লৈবদা মচিন্নাও অনীনা অসুক লুনা তিন্ননা পোকমিন্নবা মচিন্নাওগুম লৈমিন্নবসিদি খক

উখিদ্রি হায়না শোন্নরিবনি। অতোম্বী রোসোনা 'ইচেমহন' হায়বদগী হেন্দে; জিনিসু 'ইনাও' হায়রগা লোইরে। অদুক লুনা-চান্না লৈমিন্নবা মচিন্নাওদো ঈশ্বরগী অঙকপা নোংদমদগী ইনুং মতম চাদনা ঙন্তানা কায়নবা তাখি। ইপোমনা খরা খরা চৎপতা হৈরকপা মতমদা রোসো খঙহৌদনা মশা কন্না ঙম্মকতে। লমদম তাম্লবা বিশগাঁওগুম্বা খুঙ্গং অমদা অফবা ডাক্তারনচিংবসু লৈরমদে। অদুম্মকপু অরৈবা ডাক্তার, মাইবা, কবিরাজ লোইনা কৌনা হোৎনখি। লায়েংবগীদমক শেল-থুম খরচা তৌবদা করিমত্তা নিংহন্নখিদে তোঞ্জাউ। ফনা হোৎনজবনি। অদুবু লায়না-লাইশক খঙবা হেক ঙমদনা অশীবা কৌবা লাইনা লোন্না পুদুনা চৎখি রোসোবতীগী পাম্মুরবা থৱায় অদো। মাগী অরোয়বা মীৎকুপ্তুদা রোসোবতীনা নুংশিজরবা মচা ইপোমবু ৱানা নাক্তা চিংশিঞ্জরগা খোল থোকপোই থোক্তবোই মচেমহনদা হায়জখি– ইচেমহন, ঐদি হানবা তারেদো। ঐগী হায়বদা করিসু খঙদ্রিবা অঙাং ইপোমসিদনিদো লৈহৌরিবা। মাবু ইচেমহননা নচামক্লি খন্না য়োকপিয়ু। মমা লৈতে হায়বা খঙহনবিনু। ঐগীদি অঙাংসে ইচেমহনদা শিন্নজরম্মবনি। মদু হায়না হায়না রোসোবতী অরোয়বা মীৎয়েংদা অমুক্তং মচাদা চিংনা য়েংজরম্মগা তপ্না মমিৎ উইশিনখি। জিনি হায়ফম তৌফম খঙখিদে, হায়বসু নঙহৌদে করিমত্তা। অদুম্মকপু মানা মমোনদদি লোন্না হায়জখি, ইনাও, নঙ করিমত্তা খল্লুনু অঙাংসিগীদমক্তা। ইচাদগী হেন্না লুনা তৌনা য়োক্কদৌরিনি ঐনা। তশেংনসু জিনিনা ইপোমবু য়োকপসিদি মী পুম্নমক্লা হায়নরিবনি, অপোকপা মচাদগীসু হেন্না লুনা তৌরি হায়না। ইপোমসু জিনিবু মমানি খন্না চাউরকপনি। ইমা হায়বদগী হেন্দে। খরা চাউরক্লগা মী-না ঙাঙনবদা খরা খরা খঙলক্লবসু ইপোমনা জিনিবু অপোকপী মমা নত্তে হায়বা খক থাজরুদে।

জিনি ইমুঙ-মনুঙগী কোল্লিক-ৱাইরম লোইশিল্লগা মপাল থোরকই। মচানিপা অতোম্বা ইপোমনা ফকতা খুরুখুদক কুল্লগা মমোন চঙনা লাইরিক ঔরাইরম্বদু উবদা মোমোন নোকচৈ। নুংশিনা কৌরকই, ইপোম নঙবু চরা ৱানখিরোইদ্রো? লাকওদনা, চাকসে চাথোক্লরো। স্কুল কাবগী মতম য়ৌরক্লনি।

ঙসি স্কুল লৈতেদো ইমা। ঙসিদি ছুটি নুমিৎনি।

হাঁ, অওইবরো। ফরে, ফরে। অদু ওইরসু চাকসিদি চাথোকঅরো হায়বা।

ফরে ইমা, অসিদা পুরকও।

জিনি ইমুঙদা পরপ পরপ চঙখি। মচাগীদমক চাক হেঞ্জাং নিংথিজনা শেম্না পুথোরকই। মচানা লাইরিক তম্মিবদুগী মনাক্তা ফম্মগা চাক হেঞ্জাং থম্মি, মচানা চাবদু নুংশিনা য়েংজৈ। নিংশিংলকই মনাওনুপী রোসোবতীবু। মনাওদুনা মখুৎমক্তা শিন্নরম্বনিকো। মমিৎতগী শিস্থরকখি লোন্না থম্মোয় চাকথেক্লবা নুংশিবগী পিরাং। মচানা চাবা লোইরগা লুখাক পুদুনা তুমিন্না মপী তৈথোক-তৈথোক্লা থোকখি মমাঙ-পুখ্রীরোমদা।

ইপোম ঙহাক্কা লাইরিক তম্মি। ওজানা পিরকপা পারা পুম্নমক লোইশিল্লি। মদুদগী তপ্না লাইরিক-খাতানচিংবা পুম্নমক লোইশিল্লগা ইমুঙদা চঙখি। মফি মরোল হোংদোক্লগা মপাল থোরকপা উবদা তোঞ্জাউনা হংঙি, করিনো কদাইদমুক চৎতোরগে? ইপোম নোকফেৎ তৌই; হাথু হাথু খুম্লম্মি, নত্তেদা, লাপ্পা চৎলোই, আঃ অসোৱাইদনি।



CamScanner

চেন্না চেন্না স্কুল য়ৌবদা শোর থবেৎ থবেৎ হোল্লি ইপোম। ঙসিদি ছুটি নুমিৎনি, ময়াম শোয়দনা লাক্করম্মনি। অদুবু ইপোম ঙকখি। কনামত্তা লৈরমদে স্কুলদা। করি তৌরে, করিগুম্বা ফত্ত-নুংদা থোক্লবরা চিংনৈ। ৱাখল তৌনা তৌনা ময়ুম পাংনা হল্লকই। লম্বীদা পামেলগা গং লাউনা থেংনৈ। কৈদৌরে লীডার, ঙসিদি কনামত্তসু লাক্করমদেনে স্কুলদা? ইপোমগী খোম্থোক্তা পাখৎপা অমসুং লাংতক্লবগী খোঞ্জেল অমা ময়েক শেংনা ফাওরকই।

ও, ইপোম নঙ করিসু খঙদবোই! ঙসিদি লৈকাইসিদা চাউরবা ৱাথোক অমা থোক্লদৌরি হায়না ঙরাংদগী ৱা-ৱা লাউনরবনি। অদুনা অহলশিংনা মচাশিংবু অমত্তা চথোকপা পিদ্রিবনি।

করি ৱাথোক্লো লীডার, ঐদি করিমত্তা তাদেনা।

এঃ লৈকাইগী মান্দোবসে মুন্নরিবা কুইরবনি। লৈবাক-পন্চায়সিদা 'ভাগ-লৈবাক' হায়না অনী থোক্লা পংখে পংখে লৈনরবনিনা মওং মওংগী রাজনীতিনি শান্নরিবা মীশিংসিনা। লাইশং-মান্দোব অসে আঃ ঐখোয়গী রামকুমারগী মপা মাম গৌরচানখোয়না কৎপা ওইরমানি, অদুগা হৌজিক শিজিন্নরিবনা মরূ ওইনা কারাম কাঙবুনা। মখোয়দি 'ভাগ'কী কাঙবুনি, গৌরচাননা 'লৈবাক'কী। মদুগী মরম্না মান্দোব মুন্নরকপনি হায়। ঙসিদি গৌরচানগী কাঙবুনা চেয়ারম্যানগা মান্নরগা ময়াং-পাঙল য়াওনা মান্দোব শীবা লাক্কনি হায়। অদুগা কারাম কাঙবুসু লেম্না থাগদবা মান্দে। মখোয়সু খূৎ খোম্মিমানি মান্দোব ঙাক্কনবা; ময়াং-পাঙলসু য়াওরি হায়।

অদুদি করম তৌনি লীডার? খূৎ থোক্লরদি মী শোক্লবা য়াই।

হোয়নে, অদুনি পাখৎলিবা। অদুবু করিনো ঐখোয়না তৌগদবা? কুম্মে য়েংবা নত্তনা।

অদো, লীডারদি হৌজিক কদায়দা চৎলিবা?

নত্তেদা, করম তৌনরিবা মওংদু 'সুম য়েংউগে থোরকপনি।

ফরে, ঐসু চৎকনি।

উঁহু, নঙ লাক্কনু ইপোম। নঙ খরা অঙাং ওইরি। করি থোকপা তম্বা ঙম্পোৎ নত্তে।

অদুবু থেম্বা য়াদে ইপোম। হায়– ঐ নঙগী 'বিলাস' নত্রো? দস্যু মোহোনগী মীৎকূপ'মতা থানবা য়াদবা লোয়নবা 'বিলাস'নি হায়বা ঐ। পামেল খুম্ফম খঙদে। 'হোয় হোয়, ফরে চৎসি' হায়না লোয়ননা চৎমিন্নখি মখোয় অনী।

অৱাংলৈকাইগী মান্দোব অসি য়াম্না চাউই–ফজে। বামোন ইমুঙগা লাইশং-মান্দোবকা লৈরিবসি অহাঙবা মফম্মদনি; নোংপোকলোমদা য়ুম-কৈ খরা লৈরবসু খা-ৱাং অমসুং নোংচুপতি ইহাঙ হাঙঙি। অদুনা য়েংবদা ফজে–হৱা-নুংশিৎ মরাং কায়না লাংঙি। মান্দোবসিগা শাগোন্ননা লৈরিবা নুংশিরবা স্মৃতি কয়ানি পামেলগী। পামেল হৌজিকসু নিংশিংলি মানা অতৈসু অঙাং ওইরিঙৈদা মান্দোবসিদা রামায়ন লীলা শান্নখিবদো। মদুদা লৈকাইগী খুড়া অমনা রাবন শাখিবা; মকোক তরা পানশিল্লগা মানা সীতা ফাদুনা পুবা মতমদা 'হা-হা-হা' হায়না খেক্লা খেক্লা নোকখিবদো, হৌজিকসু মদুগী খোম্থাং অদো পামেলগী নাকোংদা য়ৈশিন্দুনা লৈরি। হনুমান শাবদুগী ৱাসু মাক খক কাউদে। অমুকসু মহাভারতকী লীলা শান্নখি। মদুদা পামেলগী মরী-মতাই থোকপা অহল অমনা ভীম শাখি। মশা-মউ নোয়বা অহল অদুনা ভীম শাখিবদো কয়াদা মানগ্রে

পামেলগী অঙাং-ৱাখলদা ভীম হায়বদো অদুম্মক তৌবোই খনখি। লীলা লোইখ্রবসু পামেলনা ফনা চাউরবফাউ অহল অদুবু 'ইপল ভীম' হায়না কৌরম্মি। মান্দোবসিদা কীর্ত্তন অচৌ-অচৌবা কয়াদং তৌরি। কীর্ত্তন হেক তৌবগা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবশিংগী সেবা তৌবগী থবকসি পামেলগীনি; মা মতোমতদি নত্তে, ইপোম, অতিয়া, অরুন, অশ্বিনীনচিংবা মাগী অঙাং লান্নী ময়ামগনি। মান্দোব ময়ায়দা ফি-না শাবা অচৌ-অচৌবা পাংখা (হুমাই) কয়াদং য়াল্লি, মদু থৌরি তিংঙগা মান্দোবকী কাচিনদা ফমদুনা চিংবসি মখোয়গী থবক্লি; হিদাক হান্দুনা অহল লম্মনশিংদা মতম মতমদা লানশিনবসু মখোয়গী তঙাইফদবা থবককী মনুঙ চনবনি। মদুগীদমক্তা হান্নদগী চরুনা বেনী শাদুনা মৈ চুদুনা থৌরাংবা, বেনীগী মৈদা তিকি চাকহন্দুনা থম্বা, খামিরা হাপ্পা হিদাক অমসুং ঙাম্বুক থৌরাং তৌদুনা থম্বা মসি পুম্মমকসি পামেলগী য়াম্মা হৈনবীনি। হিদাক হাল্লগা হিদাক্কী ঙাম্বুক লারৈ কোন্নবা লা-গা য়াওনা অহলশিংদা খুরুমদুনা পীবসু য়াম্মা হৈনে মাদি। অহলশিংনসু য়াম্মা নুংশিবী মাবু। মেরা পালিদা ৱারী লীবা তাবা, ঙম্মোক শরুক্কীদমক থৌরাংনা ঙাইবা, কাং পালিদা জয়দেব চোংবা, খেচ্রি চাবা–অসিগুম্বা নুংঙাইরবা স্মৃতি কয়ানা থল্লবা মান্দোব অসি ঙসি কাঙবু অমনা থুগাইবা লাক্লনি তাবদা থম্মোয় পুবা ঙমদে পামেল। খল্লি, ওন্থোকপনি মীওইবা হায়বসে। করিসু নত্তবা মরমগীদমক নিংঙাই তৌনরে, মায়কৈ মায়কৈ লেপ্পরে, লৈবাক পনচায় তোখায় তারে, 'ভাগ-লৈবাক' হায়না অনী থোক্লা খায়দোক্লরে, মরী-মতাইফাওবা ভাগ তানখরে হায়না অমগা-অমগা চঙনদরে, নুংশিনদরে, য়েংথিনরে। অহলশিংতা নত্তে, মসিগী চৈনাখোলসি অঙাংশিংদসু ফাওরিবনি। পামেল কাউবা ঙমদে তর্পন চাক পিজবগী য়াওননবা হায়রকপদা ভাগলোমদা তাখ্রে হায়না পামেলগী মমাবু অহলশিংনা মপামদা চৎপা পিখিদে, মমানা লোন্না লোন্না কয়া কপচখি। পামেলফাওবা মপুবোক-মামগী ময়ুমনি হায়না ফোংনা মীয়ামমাঙদা চৎলক্তে। নোংফাদোক মামহলগী মচা মমান্নবা মবাইদুগা লোয়ননা চংঙুবদা মী উখিনি মতাগুম মনেহলনা লোন্না চাক পিজরগা তুমিন্না থাদোরকখি। খল্লুরগা ঙসিফাওবা পুক্লিং নুংশি পামেল। অদুবু মসিনি তাইবং হায়বদো–মসিনি মৈতৈ সমাজকী নুংগী ওইরিবা অমকপা শক্তম। খন্না খন্না শোর শাংনা হোন্দোকই পামেল। ইপোমনা লাংতক্লনা হংঙকই– কৈদৌরে লীডার?

কৈসু তৌদে। ঙসি মান্দোব থুগাইররনি খল্লুবদা নুংঙাইতনা তৌবনি।

হোয়নে, মান্দোবসি থুগাইখ্রদি লৈকাইসিদা কুম্মৈ-কীর্ত্তন তৌবা য়াররোই, কাং পালি, মেরা পালিগী থৌরমশিংনা কদায়দা পাংথোক্লনি, কাং শান্নবসু ফংঙরোই।

কাং শান্নবগী ৱা পল্লকপদা পামেলগী নিংশিংবগী লামায়দা ফাওরকখি অৱা-নুংঙাইগী থৌদোক কয়া। বিশগাঁওদা কাং শান্নবসি য়াম্মা কল্লম্মি। লৈকাই মনুঙ মীচং খায়নদুনা শান্নবতা নত্তনা লৈকাই অমগা লৈকাই অমগা কম্পিটিশন শান্নে, বিশগাঁও অপূনবগী ওইবা লৈকাই ময়ামগী মনুঙদা কাং কম্পিটিশন পাংথোকপসু য়াওই। কাঙখূৎ তরেৎ/নিপালগাক থোকই বিশগাঁওদগী; অৱাংলৈকাইদগীতা টিম মরীরোম শরুক য়াই–মাইমোম লৈকাইগী টিম অমা, বামোন লৈকাইগী টিম অমা, কারাম লৈকাইগী অমা, অদুগা চিংথহৌবা ময়াম্মা পূল্লগা টিম অমা শেম্মি। কাং শান্নবদা টিম অমমমদা শান্নরোয় তরেৎ তৌনা য়াওই, পাঞ্জল থানবা মী অমা; মী নিপালগী টিমনি হায়বা য়াই। মরক্তা মী শিন্নবা এক্সট্রা প্লেয়ার থম্নরমদে। কাংসু ইরোই মচি নত্রগা থেঙ্গু মথানা শাবা অচৌ-অচৌবা কাংনি। অয়াম্বা মতমদা চাকলেন চাক খরা ঙল্লপ চানরগা নুংথিলদা

শান্নৈ, নুমিদাংৱাইরম মমশিল্লক্তিঙৈ মমাঙদা য়ানব'মগী মতুঙ ইন্না হায়নরগা হেক লোইশিল্লি। অহল-লম্মন নুপী অঙাং ময়াম কুম্মৈ ওইনা য়েংনৈ। কাং য়াম্না পান্বা শান্নরোয়দা ক্বা মতোপ খুদোল তৌনৈ। কাং শান্নবগাক হায়বসি লৈকাইগী য়াম্না চাউরবা কুম্মৈ ওইরম্মি।

চহীদুদা বিশগাঁও অপূনবগী ওইবা কাং কম্পিটিশন অমা পাংথোকই অৱাংলৈকাইগী মান্দোবসিদা । নুংতিগী নুংথিলদা মান্দোব চোন্না মী তিন্দুনা কুম্মৈ য়েংনৈ। ঙসিদি ফাইনাল নুমিৎনি। অৱাংলৈকাইগী মনুঙ চম্বা মাইমোমলৈকাইগা আবাদলৈকাইগা ফাইনাল শান্নগনি। মদুগী শেম শাবা লোইরবনি। কাং শান্নবদা মন্ত্র-যন্ত্র য়াম্না শিজিন্নৈ। কাং পান্দনবা মন্ত্র শোম্বা, পাঞ্জল থোইননবা থবক তৌবা, অতোপ্পা কাংখূৎকী শান্নরোয়শিংনা লাকপা লম্বীদা শুমজিৎ মতোল থাদনা থম্বা মখোয়গী যাত্রা ফত্তনবা-অসিগুম্বা মওং মওংগী খূৎলাই শিজিন্নৈ। চুমগী মমৈ অনী লোঙবা থেংনরুরবদি তান্নদুনা ফারগা মমৈ কক্কুনা থম্মৈ; মদু হি-য়াইনি, মদু লৈবা মীদো শোয়দনা পাঞ্জল কাগনি হায়না থাজনৈ। চাক চাবদা অহানবা হুকপা চখোমদা য়াওরকপা ফৌসু য়াইনি থাজনা লোৎনা থম্মৈ। পামেলগী মামহল মাইপাক মাইমোমলৈকাইগীনি। লৈকাই কাংখূৎকী পাঞ্জল থাবনি–মন্ত্র যন্ত্র য়াম্না হৈ হায়নৈ। মানা অয়ুক্তো পুখ্রিচৌগী মপালদা শম্মোৎ খোইরম্মি। হায়ফেৎ য়েংথোকখিবদা উবনি পুখ্রিচৌগী হেক মপালদুদা হৌবা অচৌবা বোরোই পাম্বীমদা কনানো মী অমা কাখৎতুনা করিনো'মা তৌরি, মখূৎতা থৌরিগাকসু পায়বা উই। বোরোই পাম্বা মতমসু নত্তবসিদা করি তৌরিবনো নিপাসিনা হায়না শম্মোৎ লেপহল্লগা মুন্না য়েংঙি মাইপাক। নিপাদুগী মওংদু চিংনরকপদুদা মাইপাক পরপ পরপ চঙশিল্লি বোরোই মখোঙ তম্না। মথক্তা য়েংখৎখিবদা মীয়াই চল্লবা ওইনামদা লৈবা ভানুগাছতগী লাকপা বাবুচৌদো ওইরম্লে। মখূৎতা পায়বা থৌরিদুনা বোরোই মশাদুদা কন্না কিদগী হোৎনরম্মি। মকোক খরা ফৎতে হায়না মী-না 'সুম ঙাঙনৈ। মাইপাকনা পাখৎপগা লোয়ননা– 'কৈদৌরি বাবুচৌ নঙদি' হায়না হায়বদা করিমত্তা থৌ-ৱা শাদনা 'ফাঁসি য়ান্না শিরগে তৌবনি' হায়না খুম্মকই।

মাইপাকনা খোঙ্গিদা লাওয়ি– 'করি! করিগী শিদোইনোনে বাবুচৌ নঙবু?'

ইতপ তপ্পা খুম্মকই মানা– 'এঃ পুন্সিসে নুংঙাইরক্তনা তৌবনিদা।'

মাইপাককী অশাউবা মতোল লোমখি। চোংখৎনা অনী অহুমলক শম্মোৎ খোইবগী শাজৈদুনা ফুদরগা হায়রকই– 'নঙমক ঙাইরে পুন্সি মশক খঙবা, কুমথরকউ হৌজিকমক।'

শাজৈনা কন্থরবদুদা বাবুচৌদো ওন্থবোই করিওই চোংথরকই বোরোই পাম্বীদগী। মশা শাগল পায়না চিংদুনা মাইপাকনা ওইনাম তান্না থিল্লুই মাবু।

মদুগী চহীগী কাং শান্নবদো প্রাইজ মানি ওইনা ফৈজোম অচৌবা য়াল্লগা শান্নবনি। কাং শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা মাইপাকনা ময়ামদা অয়ুক্কী ৱারীদো তম্লগা ফাগিওই করিওই হায়– ঙসিদি ফৈজোম য়ান্না শান্নবরা হায়ববু বাবুচৌদুম য়াল্লমগনি। ময়াম ৱা লাউনা নোকই।

নোংমসু কাং শান্নবদা থৌদোক অমা থোকখি। মদু নিংশিংলুরগা পামেল ঙসিসু ইকাইরকই। নুমিত্তো লৈকাই মনুঙদতা অঙাং-অহল খায়নরগা কাং শান্নবনি।

অঙাংশিংগী কাংখূৎতা পামেলসু য়াওই, খ্বাইদগী অঙাং শান্নরোয় ওইনা। অহলশিংগী মীচংদনা মাগী মখুড়া'মা য়াওই। গেঞ্জি য়ান্নরগা শান্নবনি। য়াম্মা কম্পিটিশন ওইনখি। অমনা অমনা হেক ঙম্মদে। অকোনবদা পাঞ্জল অমগীদমক অহলশিংনা ঙমখি। পামেল য়াম্মা মথৱায় নুংঙাইখিদে। অঙাং ওইবগী হৌনবী ইকাইবা হুন্দোক্তুনা কন্না কপখি। মখুড়াদো নুংঙাইত্রমালে পামেলদা মাগী গেঞ্জিদো পিরগা থেমজিল্লি- সে সে গেঞ্জিসে নঙ লৌজরো। কপকনু, য়ুম চৎসি লাও। মপি তৈথোক-তৈথোক্লা মখুড়াদুগা লোয়ননা ময়ুম হল্লকখি পামেল।

মখোয় অনী ৱারী শানা শানা চৎপদা কারাম লৈকাই য়ৌখিবা খঙহৌদে। লৈকাইগী মীশিংদো মরাং হৌবগুম তৌই। ময়াং খরসু য়াওবা উই। মখোয়শিংগী মরক্তুদা ফত্তবদা ফাওরবা গুন্দা মকোকনি হায়না লৈরিবা মুছন মিয়াসু য়াওরম্বদা পামেল ঙকই। মাগী মামহলসু থোরকই য়ুম অমদগী-মখূৎতা লিরুং তেন পায়দুনা। পামেল জ্ঞান অমা তাদে, খল্লি করিনো তৌরিসিবু। ঙসিসিবু লৈকাইসিদা কুরুক্ষেত্র মচা'মা থোক্কদৌরবরা? ইপোমদি কিবনা মঙৈ নিক্লে। পামেলনা হায়- ইপোম, মওংসি কয়া ফগদবা মান্দে। নঙ অঙাংনি, মসিদা লৈবা চুমদে, য়ুমদা চৎলো।

ইপোম য়াদে। হায়- লীডার নঙ লৈবা য়ারগা ঐদি করিগী য়ারোইদৌরিনো?

পামেল খোল খরা হায়গৎলি- ইপোম, মসি মরৈ য়েৎনবগী মতম নত্তে। হৌজিকমক য়ুমদা চৎলু, মসি ঐগী ওর্ডারনি।

ইপোম উপায় লৈতে। লীডারগী য়াথংদি ঙাক্তবা য়াদবনি। খরা তন্দে-মান্দে তৌনা তুং হন্না য়েং-য়েংদুনা ময়ুম পাংনা চৎখি।

ঙহাক মতুঙগী ৱানি। কুরুক্ষেত্রগী লানফম হায়বদো অসুম্মা তৌবোই খল্লি পামেল। খা মায়কৈদগী ময়াং-পাঙল য়াওনা লাইশং মান্দোব কৎখি হায়রিবা কৈথেল্লাকপমগী গৌরচাননা লুচিংদুনা মীওই ফুরূপ অমা থাঙ-তেননচিংবা খুৎশু খুৎলাইনা থোন্দুনা মান্দোব থুগাইনা পুখিনি হায়না লান্দারকই। অসোমদা অৱাং মায়কৈদসু মান্দোব শিজিন্নরিবা 'ভাগ'কী কাঙবুনি হায়বা কারাম শাগৈনা লুচিংবা কাঙলুপ অমসু ময়াং-পাঙল য়াওনা খুৎশু খুৎলাই পায়দুনা মান্দোব থুগাইবা ঙাকথোক্কনি হায়না লৌরক্তা-উরুমদা লোৎতুনা ঙাক-শেন্না লৈরি। করি থোক্লগবা হায়না পাখৎচবা পামেলসু খোইঙাং শারক্লবা নুংশিৎকী তান্থাদা নোম নোম জগোই শারিবা চুম্লবা ফৌ-চরোংগী মরক্তুদা পাকথ-পাকথনা 'ক্রোল' তৌরগা চঙশিল্লি মান্দোব তম্মা। খঙহৌদে লান হৌবা। দং-দাং, দং-দাং, মান্দোবকী টিন (জিজ্ঞ) শীদগী তৌরকই খা-রোমদগী লাকপা কাঙবুনা। মান্দোব ঙাককে হায়না লোৎনা লৈরিবা তেঙ্গোলসু তুমিন্না য়েংনা লৈতে। নোং হৈথরকপগুম কাপশিল্লি থৌরবা তেনগী খুৎলায়শিং। কদোমদগী লাকপনো খঙদবা তেনজৈ কয়ানা পাল্লি মীওই অনী'হুম। পামেল অঙকপা অৱাব'মগা লোয়ননা উখি মাগী খজিক্তং মমাঙদা লৈরিবা মাগী মামহলনা কাপ্পা তেনদো মাগী পাবুংগা হেক পোকমিন্নবা মনে লৌরিবা মামগী নিংজোলদা পানখি। রামায়নগী মেঘনাদনা নোংগী মরুমদা লৈরগা কাপ্পকপা তেনগুম মায়কৈ-শালাই খঙদনা লাকপা তেনজৈনা মী অনী'হুম শোক্লবদা ময়াম কায়দুনা চেনখি। মান্দোব থুগাইবদি ঙমদ্রে হায়বগী নুংঙাইবা অমদি ফাওখি পামেলদা, অদুবু থোক্লিবা থৌদোক্তুদি ওম্ভোক্লা তমথীরবা মঙলাক্লবগুম থোকখি মঙোন্দা। লোন্না তুং হন্দোক্লগা মী কনা উদ্রিঙৈদা তুমিন্না হল্লকখি ময়ুমলোমদা।

চহী খরগী মতুঙনি। পামেল হবিগঞ্জ বৃন্দাবন কলেজতা তম্লি। য়ুমদগী খরা লাপ্পা সাবডিভিশন শহরদা লৈবনা পামেল মাগী অতে অঙাং লান্মী ময়ামদগী খরা লাপ্পরক্লে। হান্না নুংতিগী উন্নরম্বদু হৌজিক খরদি কানরে-থাখাইদা নত্রগা থা-দা অমুক্তমক উন্নরে। অদুবু উন্নবা মতমদদি হান্নগী রুটিন কায়দে। ব্রারী লীনবা, ময়াম পুন্না তুরেলদা শান্নবা, চা বাগানদা-উমংদা চৎতুনা 'ওপারেশন' কয়া চথবা-অমত্তা লেপ্তে। অদুবু হান্নগুম হরাউবা-নুংঙাইবগী ফিবমদুদি অমুক চপ-চানা হজ্জিল্লু য়াদ্রে। লৈকাইদা, লৈপাক পনচায়গী পুন্সিদসু তং তাদবা চরাংনবা মওং'মা ইরৈতা লৈবগুম তৌই। লৈবাক্কী ইরাংসু ফত্তে। ফিল্ড মার্শাল আইয়ুব খাননা পাকিস্তানগী প্রেসিডেন্ট ওইনা পাল্লক্লিবসি ফনা কুইরে। মাবু য়ানরক্তবগী ফিবমসু 'সুম হেঙ্গৎলক্লি-মাগী মায়োক্তা হৌবা ঈহৌসু নোংমা নোংমগী কনখৎলক্লি। রাজনীতিগী ঈহৌ হায়বসি হান্নদি শহরগীতা ওইনা তৌরম্মি। হৌজিক্তি তাম্লবা খুঙ্গংফাওবা শন্দোরক্লবনি ঈহৌগী ইপোম অসে। পামেল কাউদে, নোংমা বিশগাঁওগা থংননা লৈবা খুঙ্গংগী পিকখ্রবা বাজার আসামপাড়াদাফাওবা 'আইয়ুব খানগী শাসন য়াদে' 'আইয়ুব খান কুমথখ্রো' 'জেনারেল ইলেকশন পিরো' হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা বন্দ পালন তৌখ্রবনি। সিলেটতা কলেজ তম্লিবা আসামপাড়াগী জহুরুল আলম কৌবা নহা-পাখং অমা লাক্কুনা আসামপাড়া বাজারদা লাউডস্পীকারগী চুঙ্গা পায়দুনা আইয়ুব খানগী মায়োক্তা কয়া কন্না ৱা ঙাঙঙে, লৈবাকসিদা ওইরিবা রাজনীতিগী ফিবম নৈনদুনা ৱা কয়া ঙাঙলবা'তুংদা 'দোকান লোইনা থোঙ লোল্লু' 'বন্দ পালন তৌ' হায়বা শ্লোগানগা লোয়ননা বাজারদা র‍্যালী থোকই। রাজনীতিগী করিসু খঙদবা পামেলসু ইপোম-অতিয়া-তোম্বী-অরুন-অশ্বিনীনচিংবা কয়াগা লোয়ননা র‍্যালীদুদা শরুক য়াই। নুমিৎতুদা পামেলগী থম্মোয়দসু করিগুম্ব'মদি ফাওখি। মাসু লৈবাক অসিদা ওইরিবা ফিবম অমসুং ওইরক্লদবা মওং কয়াগী মরমদা য়াম্না খঙনিংলকখি।

নুমিদাংদা ইপোমখোয়গী য়ুমদা চৎলি পামেল। ইপোমগী ময়াম্বা য়াইমা সুনীলসু সিলেটতা কলেজ তম্লিবনি। রাজনীতিগী লমদসু খরা খোঙদোয় হুনবা মীওইনি হায়নৈ। অদুনা পামেলনা সুনীলবু উন্ননিংনা চৎপনি। চহী অনীরোমতনি হল্লিবা সুনীলনা। অদুবু খরদি কোইনবগুম তৌই। মনাও ইপোমগা তিন্নবদুনসু ওইরম্বা য়াই। সুনীলদি খরা ঙাংগন-শক্কনদবা চীং-লেম্বা শাজৎকীনি। অদুম্মকপু পামেলনা য়াম্না খৌরাংনা সুনীলগী মনাক চঙশিল্লগা ৱারী শাবা হৌই। মমান্নবা নীলচানগা ফম্মিন্নরম্মি। পামেলনা তাদ হায়না কৌরগা ৱাহৌদোক ওইনা হায়- তাদবু ঙসি লাকপিবরো?

অং, ঙসি লাকপনি।

খরনি লৈবিখিনিদনা?

কদাইদগীনো? চিনখ্রবা মতমনি, থবক থাদোকপা য়াদবা তাঙ্গানি। হেনফদবা মরম'মা লৈবদগী লাক্তবা য়াদনা লাকপনি।

অদুবু তাদ, করি করিনো হৌজিক তারিবসিবু। লৈবাক্কী রাজনীতিগী ফিবম নোংমা নোংমগী শোকচিল্লকই হায়। আইয়ুব খান লৈবা য়াররোই, ফম থাদোকপা তারনি হায়নসু মীনা পংহায় হায়নৈ। ঙসিসু আসামপাড়া বাজারদা জহুরুল আলমনা লুচিংদুনা মিটিং তৌই, র‍্যালী থোকই, বন্দসু তৌই।

অং চুম্মি। সুনীলনা তপ্না হায়রকই— হৌজিক লৈবাক ইরাং কল্লি। আইয়ুব খানদি ডিক্টেটরনি, মাগী শূপ্পমগী শাসন অতে য়াররোই। শেখ মুজিবুর রহমানবু জেলদা থম্লগা 'আগরতলা ষড়যন্ত্র মামলা' হায়না লৌনম লাং শাদুনা কয়ানিনো লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু নমথদুনা থমগদৌবসে। হৌজিক্তি মীয়ামসু খঙলবনি নোংচুপ পাকিস্তানগী মী-না নোংপোক পাকিস্তানগী মীয়াম্বু শুক্ষৎতুনা থম্লিবসে। লন-থুম থোকপা, লৈবাক্কী লনগৈদা শেল-থুম হাপচিনবনা নোংপোক পাকিস্তাননা, অদুগা মদুগী শেলফমদু খরচা তৌদুনা লৈবাক চাওখৎনবা তৌবনা নোংচুপ লমদা। লৈঙাক চূপ্পি পায়বসু নোংচুপকী মীতননি। নোংপোক পাকিস্তানগী মীবুদি মতীক চার্রবসু লৈঙাক শাসনগী থবক্তা য়াওবা পীদে। মদুগী মতাঙদা ৱা ঙাঙঙি হায়বদগী শেখ মুজিবুর রহমানবু লৌনম তৌদুনা জেলদা থম্বনি। অদুনা ঙসিগী অকনবা খোল্লাওদি 'জেলগী থোঙ থুগাইগনি, শেখ মুজিবুরবু পুরক্কনি' 'ঐগী লুচিংবা, নঙগী লুচিংবা, শেখ মুজিব, শেখ মুজিব' অসিনি।

ঙসাইমখৈ তুমিন্না লৈরম্বা নীলচানসু ৱা ঙাঙবা য়াওরকই। শেখ মুজিবুরবু জেলদগী লৌথোক্লগা নত্রগা আইয়ুব খানবু মফম লৌথোক্লগা হেক্তা অৱাবা পুন্নমক কোক্লদ্রা? মসিগী তুং কোইবা করিগুম্বা ৱাখল্লোন লৈরিব্রা?

পামেলসু নপশিল্লকই— ঐনা তাবদি ছাত্রশিংগী করি করিনো দাবীগাকসু লৈ হায়।

নীলচানরোমদা ওনশিল্লগা সুনীলনা খুম্মকই— কাকানা হায়রিবদো চুম্মি। আইয়ুব খানবু ইন্থরগা অমসুং শেখ মুজিবুরবু জেলদগী পুথোরক্লগা হেক্তা অৱাবা পুন্নমক কোক্কদবা নত্তে, নোংচুপ অমসুং নোংপোক পাকিস্তানগী খেন্নবা মাঙখিদবা নত্তে। মদুগী ৱাখল্লোন অমা য়াওনা শাগৎলকপা হন্দক্কী ঈহৌনি। শেখ মুজিবসে অচম্বা মীওই নত্তে। বাঙালি জাতিগী শাংলবা ইতিহাসতা মাগুম্বা মতীক-মগুন লৈবা লুচিংবদি পঙনা পোকখিদ্রি হায়না হায়নরিবনি। শেখ মুজিবনা পুথোকপা 'ছয় দফা' হায়না খঙনবা পয়েন্ট তরুক্কী দাবী অমগী মথক্তা শাগৎলকপা হন্দক্কী ঈহৌনি। পয়েন্ট তরুক অসি চপ-চানা সরকারনা ঙাক্লবদি নোংপোক পাকিস্তানসু নোংচুপ পাকিস্তানগা চপ মান্ননা চাওখৎলনি, নোংপোকসু নোংচুপনা পায়রিবা শক্তি-পাঙ্গল পুন্নমক চপ মান্ননা পায়রনি। পামেলনা হায়বসু চুম্মি শেখ মুজিবকী 'ছয় দফা'সিগী মথক্তসু ছাত্রশিংনমুক 'এগারো দফা' হায়না পয়েন্ট তরামাথোইগী দাবী অমসু হাপচিল্লকই। ঙহাক তুমিন লৈরগা সুনীলনা মখা তাথরকই, তৌবগীদি মসিগী দাবী ময়ামসিগী মপানদসু অতোপ্পা ৱাখল্লোন অমা কনা-কনাগুম্বনা শাগৎলি হায়না হায়নব'মসু লৈ।

মদুদি করিনিনা? পামেল অমসুং নীলচান অনীমক লাংতক্লব'মগা লোয়ননা অমুক্তদা হংঙকই।

নীংতম্বা। নোংপোক পাকিস্তান নত্তে, বাংলাদেশ হায়বা অনৌবা নীংতম্বা লৈবাক অমগী ৱাখল্লোন।

পামেল অমসুং নীলচান অনীমক পুমঙক ঙকখি। ঙাইঙমদনা হংখি– কনানা, কনাননো নীংতম্বগী ৱাখল্লোন অসে শাগৎলিবা? শেখ মুজিবুরনা?

নত্তে, মহাক মশামক্নদি নত্তে। নহা-ছাত্র লুচিংবা খরনা শাগৎপনি হায়। অদুবু, ফোংনা নত্রবসু মনুঙ মনুঙদদি শেখ মুজিবকী সাপোর্ট অমদি লৈ হায়নসু মী-না হায়নৈ।

নুমিৎতুগী ৱারীদো মতাঙ অসোৱাইদা'সুম লোইশিনখি। পামেলসু ৱাখলগী চাউরবা পোৎলুম অমা পুদুনা য়ুমদা হল্লকখি।

মীয়ামগী ঈহৌ অতৈসু কনশিল্লকখি। ঢাকাদা ছাত্র ময়ামনা শেখ মুজিবপু জেলদগী থাদোকপা অমসুং 'ছয় দফা' 'এগারো দফা'গী দাবীশিং য়ানবা অকনবা ঈহৌ শাগৎলি। প্রজা মীয়ামসু য়াওশিল্লক্না মীয়ামগী ঈহৌ ওনখি। পুলিশনা ১৪৪ জারী তৌরি, কারফিউ লাউথোকই; অদুবু করিমত্তনা মীয়ামগী অশাউববু নমথবা ঙমখিদে। উপাই লৈত্রবদা গুলি কাপ্পি পুলিশনা, মদুদা মী য়াম্না শোকখি। আসাদ হায়বা ছাত্রশিংগী লুচিংবা অমসু গুলি পান্দুনা শিখি। রাজশাহী ইউনিভার্সিটিগী ওজা শামসুজ্জোহাবুসু গুলি কাপ্লুনা হাৎখি। মদুনা মীয়ামগী অশাউবগী মৈরীদা ঘি হৈবা থোকখি। মসি ১৯৬৯ খ্রিষ্টাব্দগী জানুয়ারি থা-দনি। মীয়ামগী ঈহৌ নমথবা ঙম্লকত্রবদা সরকারনা শেখ মুজিবপু প্যারোলদা মুক্তি পিরনি হায়না লাউথোকই। অদুবু শেখ মুজিবতি প্যারোলদা থাদোকপদু শুকয়া য়াখিদে, মীয়াম্নসু য়াখিদে। অকোনবদা উপাই লৈরক্রবদা ফেব্রুয়ারিগী তাং ২২ দা সরকারনা 'আগরতলা ষড়যন্ত্র মামলা' মশানা থাঙ্গৎচরে হায়না লাউথোক্লগা শেখ মুজিব অমসুং অতৈ রাজবন্দী ময়াম্বু করিমত্তা শর্ত থমদনা লেম্না মুক্তি পিখি। ২৩ ফেব্রুয়ারিদা ঢাকাগী রেসকোর্স লম্পাকতা মী লাক্ষা তরা হেন্না তিনবা মীতিনদা ছাত্র লুচিংবশিংনা শেখ মুজিবপু 'বঙ্গবন্ধু' হায়বা মিংথোন পিখি। মথং মথং ঈহৌ কনখৎলক্লবদা লৈবা য়াদ্রদুনা পাকিস্তানগী ডিক্টেটর ফিল্ড মার্শাল আইয়ুব খান মার্চকী তাং ২৫ দা প্রেসিডেন্টকী ফম থাদোকখি। আর্মিগী চীফ জেনারেল আগা মোহাম্মদ ইয়াহিয়া খাননা মার্শাল ল' জারী তৌদুনা প্রেসিডেন্টকী ফম লৌখি অমসুং য়াম্না য়াঙনা জেনারেল ইলেকশন পিরগনি হায়না লাউথোকখি।



CamScanner

য়াউশঙগী মতমনি। য়াউশঙ হায়বসি হরাউ-তয়াম্বগী ঋতুনি; লৈশাবী-পাখং আবীর তৈনবা, হোলি, থাবল চোংবা, অতৈসু মখল মখলগী শান্ন-খোৎনবগী মতম। প্রকৃতিগী মায়থোংদসু হরাউ-মীনোক; হে-লৈনা থল্লবা মহৌশা লাইরেম্বী, মনমগী পাউজেল য়েল্লিবা নামিবা মলয়া, উচেক-ৰায়া কয়াগী মচুগী লৈরোংনা লৈতেংলবা অতিয়া-পুন্নমক্তা হরাউবগী-নুংঙাইবগী ইপোম অমনা মীওইবা পুন্সিবু কোইতাউ তাউহল্লি। বিশগাঁওগী খুঙ্গং কয়াদসু ঙসি পুন্সিগী মচু শংলবা লৈশাবী-পাখং কয়া থাবল চোংবগী থৌরাংদা হরাউ মথোই কানরি। আবাদ অমসুং খুনৌ লৈকাই অনীমক্তা ঙসি থাবলচোংবা ফাংনরি।

খুনৌ লৈকাইগী পিক্ল' শঙ্গাই'মদা নাইতোম শাৎচবী নিঙোলনি লৈহাউ। ঙসি নুমিৎসি থাবল চোংগনি হায়না লেপ্পখিবগী হেক তাঞ্জা'দুদগী লৈহাউগী থম্মোয়দা তোঙানবা মিহুল অমা চোংবা হৌখ্রবনি। চহী মতাঙ য়াম্না নৌজরিবী লৈহাউনি। লৈশাবী 'শিংদা চনবা কুইদ্রি। লাইরিকসু য়াম্না তমজহৌদে। স্কুলগী থাক লোইরগা নুপীজা ওইবনা অথাপ্পা শহরদা চৎতুনা কলেজ তম্বা হায়বদু ওইথোক্তবনি হায়না অতৈ মখা তমথবা ঙমখিদে। স্কুল তম্মিঙৈদগীনা পামেলবু খঙবনি, খঙবতা নত্তে থৌদোক কয়াদগী থম্মোয়গী অরোনবা কাদা মাগী মুৎনাইদ্রবা মমি অমসু তাখিবনি। স্কুলদা পামেল লৈহাউদগী ক্লাশ অহুম মথক্তা তম্মি। স্কুল তম্মিঙৈদগীনা খরা খরা ঈশৈ শকপা হৌরে পামেল। নোংমা স্কুলগী এ্যানুয়েল ফাংশনদা পামেলনা শকখিবা ঈশৈ- 'ও লৈহাউ, কাপ্পী কোনুংগী লৈহাউ লৈরেন/ নঙনা শন্দোক্লি মনম ঐগী ইমা লমদমগী/ ইজাতিগী অথোইবা লমচৎকী।/ নঙদি লৈরাংলক্তগী অথোইবীনি/ লৈহাউ লৈরেননি' ঙসিফাওবা লৈহাউনা কাউদ্রি। কয়াসু নুংশিনা শকখ্রে। মানা 'ও লৈহাউ' হায়রকপদা লৈহাউনা মাবুতা অপান্ননা শকপা ঈশৈ ওইরবোই খনখি। ওইরম্বা য়াই, ওইরমদবসু য়াই; অদুবু লৈহাউদি ঈশৈ অদু পামেলনা মাগীদমক শকখিবনি খঞ্জরগা নুংঙাইজে-মদুনা মাবু অপেনবগী কল্লবা ইপোম অমনা তত্তনা তাউথদুনা পুই নুংঙাইবগী মপাল নাইদ্রবা ঈপাক'মদা। নোংমসু স্কুল য়ৌরমদাই বাজার মনাক্তুদা ময়াং নিপামচা খরনা লৈহাউদা করেম-কথাই হৌবদুদা কদোমদগীনো পাইশিল্লক্লগা পামেলসিনা নহামচা খরদুবু থীনা ফুদুনা তানখাইখিবদো, মদুদগী লৈহাউবু শেন্নদুনা পুরক্লগা স্কুলদা মাগী মমান্নবীশিংগী মনাকফাওবা থিঞ্জিনবিরম্বদো, ঙসিসু ময়েক শেংনা নিংশিংলি লৈহাউনা। অমুকসু শজিবুগী মতমদা লৈকাইগী নিঙোল-পাখংশিং মান্দোবতা নুমিদাং য়াইরেক্তুনা লিকোন শান্নরি। খঙহৌদনা অরুন, অশ্বিনী য়াওনা মমান্নবা খরগা লোয়ননা পামেল খুনৌ লৈকাইদা থুংঙখি। খুনৌগী পাখং মচাশিংনা তরাম্না কৌশিল্লি মখোয়বু। লিকোন শান্নবা য়াওননবা হায়বদা মখোয় মরী-মঙাদো মায়কৈ মায়কৈদা চঙশিন্দুনা

লিকোন শান্নবা য়াওরি। পামেলদি লৈহাউগী হেক মনাকমক্তদা ফমথরকই। খজিক্তং লৈশিন্দুনা লৈহাউনা মাবু ফক্ষম পী। মীচঙ অমত্তা ওইদুনা থংননা ফম্মিন্নরগা নুমিদাংচুপ্পা লিকোন শান্নবদা পামেল অমসুং লৈহাউ মরম অমা-অমদা ৱারী কয়াদং শান্নখি। লিকোন হুনবদা খূৎকা-খূৎকা থেংনখিবা য়াওই, ফিজি-ফিনা থেংনবদা নুংঙাইবা ফাওখি, লৈহাউগী চোইজাইনরবা শম্লাংগী চেংহী অফূৎপগী মনমদা কণ্ডাউর্নখি পামেল। অসিগুম্বা নুংঙাইরবা-নুংশিরবা থৌদোক-থৌরম কয়ানা থল্লবা নুমিদাং অদুনা পীক থলহনখি মখোয় অনীমক্কী স্মৃতিগী কাসকেট। ঙসিসু লৈহাউনা অসিগুম্বা নিংশিংবগী লংলা-লংজিন কয়াদং থিরগা চিংথোক্তুনা পুথোরক্লি মাগী পুম্সিগী নুংঙাইরবা মতম-তাঞ্জা কয়াগী ময়েক লারবা স্মৃতি কয়াবু।

নুমিদাং পুঙ তরারোম তাররিনি। মান্দোবকা থংনবা লৌবুক-লমহাংদুদা পেট্রোমাক্স থাল্লগা থাবল চোংবগী মফম শেম্বনি। থানিল ঙকয়া ওইবনা বসন্তগী থাজসু পাম্মুদনা শন্দোক্লি মাগী লশিং মফোনগুম থোৎ-নৌরবা মঙালগী লাইজ। লৈকাইগী লৈশাবী পাখংশিং লোইনা কানরক্লে। অহল-নহা মৌ অমসুং অঙাং কয়ামসু কুম্মে য়েংবগীদমক তিল্লরে। লুচিংবা পাখং খরনা কোইচেন চেন্দুনা থৌরাং পুন্নমক লোইশিল্লি—করিমত্তা চিখদনবা, অশোয়-অরাং য়াওদনবা হোৎনরি।

থাবল চোংবা হায়বা জগোই মখলসি থায়নঙৈদগী চৎনরক্লবা মণিপুরী লোকনৃত্য হায়বদি ফোক ডান্সকী ময়েক লারবা শক্তম অমনি। লাইহারাওবা, খাম্বা-থোইবী অমসুং অতৈ মণিপুরী লোকনৃত্যনি হায়না খঙনবা জগোই মখল কয়াদগী থাবল চোংবনা খ্বাইদগী ইতোপ তোপ্পি হায়বা য়াই। মওং-মখল তোপ্পদা নত্তে, লোকনৃত্যগী চপ-চাবী শক্তম অমসুং লমচৎ থাবল চোংবা জগোইদা লৈ। থাবল চোংবদা খূথেক-শাথেক য়াওদে, তালসু থোইনা অরুবা য়াওদে; য়াওনিংবা মী খুদিংনা হেক্তা লায়-না শরুক য়াবা য়াই। অতৈ জগোই মখলদদি মদু ওইথোক্তে। থাবল চোংবা জগোই হৌখিবগী থাজনবা ৱারী অমসু লৈ। মদুদি অসুম্ননি— মালেম লৈকোয়বুংগী মপূ ওইরিবা গুরু শিদবনা নোংমা মচানিপা অনী সনামহী অমসুং পাখংববু কৌশিল্লগা হায়, নখোয়'নীগী মনুঙদা তরেৎলক মালেমসি থুংনা কোয়রুনা হান্না লাকপা ঙম্বা মী'দুদা ঐনা ঐগী ফম্বাল অসি শিন্নগনি। মদু তাবদা মশা-মঙউ-মপাঙ্গল ফবা সনামহীদি হরাও-মথোই কাদুনা মালেম কোয়বা থোকখরে। অদুগা মপাঙ্গল শোঞ্জবা পাখংবদি লমজেল তান্নব'সিদা মায় পাকপা ঙম্মোই হায়বা তশেংনা খঙবনা মায়থোং হঞ্জিন্না ফম্না লৈখি য়ুমগী কাচিন অমদা। মমা লৈমরেননা মচা অতোম্বগী অৱাবদু উবদা নুংঙাইতদুনা মরম হংবদা পাখংবনা মমাদা ৱারী পুন্নমক লীদুনা তাহনখি। মচাগীদমক্তা ৱাজরবা মমা লৈমরেননা পাখংবদা পাউতাক পীদুনা হায়খি, 'পংগনুহে, নঙসু নঙগী নপাবুংবু মাগী সনা ফাংথোঙ য়াওনা তরেৎলক কোয়রগা খুরুম্মগা হায়য়ু, মালেম লৈকোয়বুং তরেৎলক কোয়বা লোইরে। মরমদি, মালেম অপুম্বসিবু শেম্বীবসে পাবুংননি। অদুনা পাবুংবু কোয়বগা মালেম কোয়বগা অক্মানি।' মমা লৈমরেননা তাকপিবদু চপ চানা পাংথোক্লে পাখংবনা। গুরু শিদবনা পেল্লদুনা পাখংবদা ফম্বাল তোংহল্লে। মাবু নিংথৌ হাপ্লে। মালেমবু তরেৎলক কোয়বা লোইরদুনা হরাউনা হল্লকপা সনামহীনা মপাবুং খুরমগে হায়না চঙশিল্লকপদা মনাওনিপা অতোম্বা পাখংবনা ফম্বাল তোংদুনা লৈরম্বা উবদা অশাউ-মৈরি

কাদুনা উশিৎ-থৌওইদবা পাখংবগী মথৱায় লৌরগে হায়না চঙশিল্লকপদা পাখংবদি কিদুনা ইমুঙলোমদা চেনশিনখি। পাখংবগী তালোয় অমসুং অতৈ নুপীশিংনা সনামহীগী অশাউ-মৈরীদগী মাবু কন্নবা পাখংববু ময়ায়দা থম্লগা নুপী ময়াম্না খূৎকা-খূৎকা শম্লনা মকোয় শারগা জগোইগী তান্থাদা শকখি–

কে ক্রেক কে কে মো মো
য়াঙ্গোই শ্যাম্বা শ্যাও শ্যাও
তোকপগা কাম্বগা
কৈ-গা য়েনগা
য়েনখোং ফত্তে চাশিল্লো
লাইগী য়েননি চাফদে।

ঈশৈগী মরোলদা সনামহী অমসুং পাখংববু কৈ অমসুং য়েনগা পান্দম্নরগা 'য়েনখোং ফত্তে চাশিল্লো' হায়বদি মনাও অমা ওইরগা পাখংবনা তৌরুরিবা থবকসি চুমদে, মাবু মতীক চাবা দন্দী পিগদবনি হায়বা; অমুকসু 'লাইগী য়েননি চাফদে' হায়দুনা পাখংবদি গুরু শিদবগী মচানি মাবুদি য়াইবী থৱায় লৌবা য়াদে হায়না খঙহল্লি। অকোনবদা গুরু শিদবা লাক্কুনা সনামহীবু থেমজিল্লি অমসুং পাখংবনা ফম্বাল তোংদুনা লৈবাক নিংথৌ ওইজরবসু সনামহীদি মণিপুরী অপুম্বগী নিংথৌনি, মণিপুরী য়ুমথোং খুদিংদা সনামহীগী খুভম থমদুনা লাৎকদবনি হায়না তাকপিখি। মসিগী থৌদোক অসিবু নিংশিংদুনা 'থাবল চোংবা' জগোই হৌদোকখিবনি অমসুং 'কে ক্রেক কে কে মো মো' ঈশৈ অসিগা লোয়ননা থাবল চোংবসু হৌরম্মি। অদুবু হৌজিক্তি অওনবা কয়া লাক্লে জগোইগী মওংদা, ঈশৈদা অমসুং জগোইগা শাগোন্নবা যন্ত্র শিজিন্নবদসু।

থৌরাং পুম্নমক লোইরে। থাবল চোংবা হৌদৌরে। ঈশৈ হনগদবা ওজা ভানুগাছতগী লাকপনি–ওজা শামু, ধুলোক পায়দুনা ওজাদুসু রেডী ওইরে। লৈকাইগী লৈশাবী ময়াম খূৎকা খূৎকা পায়নদুনা মকোয় শাদুনা লেপ্লে। লৈকাইগী পাখং অয়াম্বদি মপালদা লৈরি মরম পুম্নমক য়েংশিন্নবা হায়না; খরমদি চঙদুনা লৈশাবীশিংগা খূৎ শম্লদুনা লেপ্লে। অতোপ্পা লৈকাইগী পাখংশিং লাকপগা মখোয়বু য়াওবগী খুদোংচাবা পিননবা মথৌ তাবদা লৈকাইগী পাখংশিং মফম থাদোক্কুনা থোররক্লবা খরা অহল ওইবা লুচিংবা পাখংশিংনা ৱাচৎনা থমখ্রবনি। লৈহাউসু খূৎ পায়ননা পরেং লেপ্পদুদা য়াওরি। অমুক অমুক মপাললোমদা য়েংথোকই লাংতক্লব'মগা লোয়ননা। মমোনদা খল্লি, পামেলদুবু লাক্কদরনে। পাউদি য়ৌহনখিবনি থাবল চোংগনি হায়বগী; অদুবু চান্নদা লৈহাউনা লাকউ-লাক্তবা য়াদে হায় হায়বা অদুগুম্বা ৱা-দি পনখিদে, পনবা য়াবা মরীদুসু হৌজিকফাওবা মখোয়'নীগী মনুঙদা শক্তম লাংদ্রি। শোয়দনা লাক্কনি হায়বগী থাজব'মদি পুক্লিংদা লোন্না য়োকচরিবনি লৈহাউ। তিল্লিবা অহল-লম্মনশিংগী য়াথং লৌদুনা ঈশৈ হনবা ওজানা লাই খুরমদুনা থাবলগী ঈশৈ হনবা হৌরকই।

'হরি হরি বোলা
য়ে হরি (ময়াম্না খুম্বা)
হরি হরি বোলা
য়ে হরি (ময়াম্না খুম্বা)
হরি হরি বোলা



CamScanner

য়ে হরি (ময়াম্না খুম্বা)
কুমগীনা মতম ওইবনা
বসন্ত ঋতু লাকপদা
হরিবোল য়াওশং মৈথারে
শাবী শানৌ খিবিকসু
হরাউবা মথোই কানরে
হরি হরি বোলা
য়ে হরি'

অদুদগী মখা তাথবা ওইনা শরুকই–

'কে ক্রেক কে কে মো মো
য়াঙ্গোই শ্যাম্বা শ্যাও শ্যাও...'

লৈশাবী-পাখং ময়ামসু খূৎকা খূৎকা পায়নদুনা খোঙথাং মান্ননা খোঙ নাম' হায়র-হায়রদুনা জগোই শাবা হৌরি। লৈহাউদি জগোইদা মায় ওনশিনবা ঙমদে। ঙহাক লৈতনা মপাললোমদা মীৎয়েং তায়–মানা খৌরাংনা ঙাইরিবা পামেলদুবু লাক্কদৌরিবরা? খরা খরা তৌনা মতম হৌজিল্লকই। অতোপ্পা লৈকাইগী পাখং কয়া লাকই, ঙহাক য়াওরম্মি থাবল চোংবা অদুগা হেক চৎখি। পামেলদদি লাকপা লৈখিদ্রে। পাউ য়ৌদ্রবা জাৎলা? ঐগী পাউ য়ৌদ্রবসু থাবল চোংঙি হায়বসিদি শোয়দনা তারমগনিনা। ঐনা হায়দ্রবসু মাসু মশাগী খৌরাংবদগী লাক্কে হায়রবদি লাকপা য়াইনা। খরা ৱারৌনিংঙি লৈহাউ। মানা অসুক য়াম্না লাংতক্ননা ঙাইরগা পামেলনা লাকপিদ্রদি মাগী ঙসিগী থাবল চোংবগী থৌরম, লোন্না শাগৎচরম্বা আশাগী ফুরা লোইনা অরেম্বা তাদ্রিবরা? খল্লকই, মশা নুংঙাইরক্রে হায়না য়ুমদা হনখ্রসিরা? অদুবু ঙহাক্তগদি য়েংখিগে। থংননা চোংমিন্নরিবী মমান্নবী তোম্বীরৈনা নোকমি তৌনা হংঙকই–কৈদৌরগে লৈহাউ ইবেম্মা, অদুক য়াম্না নমোন তুকথরিদুবু?

কৈসু তৌদেদা। মহৌশাদগীসু থাবল চোংবগাকসে কয়া হৈজদবনিনা খরা ৱারে, অদুনা তৌবনি।

ওঃ অদু ওইরে। ঐদি অমা-অমা ওইনা খল্লুরে।

ওঃ খঙঙে, খঙঙে। নোয়সু খনবা খোৎপা য়াম্না হৈখরে। অনীমক থৱায় তানা নোকমিন্নে।

অতোপ্পা লৈকাইগী পাখং মচা খরা জুরু জুরু চঙশিল্লকপা উই। য়েংথোকখিবদা তোম্বীরৈনা হান্না উরুবনি। হৈমা লৈহাউ, লাকয়েনে সে নঙগী পামেলদো।

ইকাইরপ তৌই লৈহাউ। খুম্মকই, ওহ্নোক-ওহ্নোকপা, পামেলবু ঐগীনি হায়বদি করিনো; ঐগা করি মরী লৈনৈ হায়না।

খঙজদেদা, মী-না হায়নৈ হায়না 'সুম হায়বনি। তোম্বীরৈ নোকমি-নোকমিনা ৱা তেনশিনখি।

লৈকাইগী পাখংশিংনা তরাম-তরাম্না কৌশিল্লি লাকইবশিংদুবু। মখোয়শিংদুসু চংঙক্লা থাবল চোংবা য়াওই। লৈহাউদি ইকাইবনা হন্নফাওবা য়েংবা ঙমদে। মমোনদদি খল্লি, পামেলসে লাক্লা মাগী মখূৎ পায়ররদি ফনিকো। হায়গুম্মদনা য়াম্না থৌনা ফনা পামেলনা পরপ পরপ চঙশিল্লক্লগা লৈহাউ অমসুং তোম্বীরৈগী মরক খন্দুনা লৈহাউগী খূৎ

পায়রৈ। শ্বায় লাউখি লৈহাউ, হুমাং অনপ্পী কারকই। করিনোমদি হায়ফম থোকই হায়না খল্লি, অদুবু হায়দোকপা ঙমখিদে। পামেলনদুম হান্না ৱারী শারকই। হায়রকই- ঐদি পুঙ্গিগী থাবলগাক খক চোংজদ্রি, হৈসু হৈতে। মীয়াম মাঙদা ইকাইবা নঙদনবা খরা তাকপীবা তাইদো।

ঐসু হৈজবা নৎচদেদা। অদুম্মকপু খরা হৈজবসিদি তাকপি-তিকমিন্নবা চোংমিন্নগনি কৈদৌগে। লৈহাউনা ইকাই ইকাইনা খুমজরকই। মদুদগী অওইবমক্কীসু লৈহাউনা পামেলগী খোঙথাং-খুথাং শোয়খিদনবা হায়না য়াম্না কূপ্পা পান্নদুনা থাবল চোংমিন্নখি। অহানবদা তপ্না তপ্না চোংঙম্মি। মদুদগী খর-খরা তৌনা তাল অমসুং লয় য়াংশিল্লকই। ঈশৈ হনবগী খোঞ্জেলসু ধুলোককী মখোলগা লোয়ননা 'সুম হায়গৎলকই।

ঙহাক তুমিন তুমিন লৈনৈ। অতৈ তুমিন্না লৈবা ঙম্মক্তনা পামেলনা হায়রকই- করিনো মীদি ৱারী পংশাদা শানৈ, ঐখোয়গীদি মৌনব্রত পালন তৌনরিবা হায়বদুরা খঙদ্রে। মরোল থোক্তবরসু খঙদ্রবনি।

নুংঙাইবনা হাকমনখ্রবদি মীসে মরোল থোক্তে হায়নবনি।

ওঃ মদুগী ওইরে। ঐদি লৈহাউ হায়বসে নুংশিবা লৈনম চেনবী লৈরাংনি, লৈরাংলক্তগী অথোইবীনি হায়না চাউথোক-পোংথোকইবরসু খল্লুরে।

ওম্থোক-ওম্থোকপা! লৈরাং হায়বদুদি পাঙ্গল শোঞ্জবীনি, পামেল উশাদতা শাৎপনি। ঐসু মকা ফন্না শাৎচগে হায়না পামেল উশা'মা থিজরিবনি।

নঙগুম্বী লৈরাং-লৈনুংশি অমা শাৎপা হায়বদুদি পামেলদুগীসু লাইবক ফবনি।

ৱারী শানা শানা থাবল চোংঙি। ঈশৈ হনবনা ধুলোক য়ৈদুনা ঈশৈ শকই। মথং মথং চখরকপনা ঈশৈগী তাঙ্কতা 'লাইরেন মথেক' থেকপগী মতম য়ৌরকই। মসিগী মতাঙসি থাবল চোংবদা য়াম্না অরুবনি হায়না লৌনৈ। লাইরেন মথেক থেকপা মতমদা থাবল চোংবদা য়াওরিবা ময়াম ৱারী শান্নদে-তুমিন তুমিন লৈনৈ। মতাঙসিদা অমগা অমগা পায়নরিবা খূৎকী মরী তৎপা হৌনদে হায়না য়াম্না চেকশিন্নৈ। লোইশিনবগী মতাঙ য়ৌরকই। ঈশৈ হনবা ওজানা থৱায়মিন কৌশিনবা, লৈকাইগী য়াইফা-নুংঙাইগী থৌনিবা ওইনা ঈশৈ শকপা হৌরকই-

'হে থৱায় মঙামক
মিগা থানা তরুকমক
লৈকাইসিবু কোল্লিবা শিব মহাদেবনা
লমদমসিবু নাউকোনবিরিবা লাইরেম্বী নঙনা
য়েম্বীনা য়েন্নাও কোম্বগুম কোনশিনবিয়ু
হে থৱায় মঙামক
মিগা থানা তরুকমক।'

থাবল চোংবগী থৌরম লোইরে। ময়াম মাগী মাগী ময়ুম পাংনরে। লৈহাউসু হল্লকয়ে। করিমত্তা মেন-মা তানা করিসুবুদি ঙাঙনহৌদে হায়ববু ঙসিগী ওম্থোক্লা নুংঙাইরবা থৌদোক খরসিনা মতম পুম্বদা থন্দুনা লৈরগনি মাগী নিংশিংবগী য়েন্দাই অদো।



CamScanner

ঙসি চহী নিফুরোম মতুঙদা মরোল মরোল লোন্না থমখ্রবা স্মৃতিগী পন্দুপ অমমম হাংদোক্লবদা পামেল খঙহৌদনা নোকফেৎ তৌখি। মাগী মতমদুগী য়াম্না নুংশিজবা লৈহাউনা কদায়দা, অদুগা মানা? বাংলাদেশ নীংতম্লবা মতুঙদা পামেল পুন্সিগী অকনবা ঈচাউদা ইরাক্লনা হিংবগী পাম্বৈ থিবদা সিলেটতা লাকখি। থবক মচা অমা তৌদুনা পুন্সিগী অনৌবা খোঙশান অমা হৌখি। মতমগী য়াওলদা হৌখ্রবা মতম কয়াবু তুংওইননা অনৌবা মতমগী খোঙচৎতা নিঙাইদনা তাউথখি। ঙসিদি পামেলগী পুন্সি-চাইথরক্লবা মতমনি। মাদি হৌজিক অঙাং অহুম অমসুং নুপীগা লোয়ননা মখোয় মঙাগী নুংঙাইরবা অমসুং চিল্লবা পুন্সি মিরেল'মদা মতম লেল্লি। মশা-মরেং শন্দোকখ্রবা পুন্সিগী মরম'পুম্বা চেকশিন্না য়েংশিন্নবা হোৎনবদা ময়ুম লমদম ওইরিবা বিশগাঁওদফাওবা নোংফাদোক চৎপগী মতম ফংখিদ্রবনি। চাউরবা নুংশাশোর অমা লোন্না হোন্দোকখিবা খঙহৌদে পামেল। পামেলগী চহী কুন্থ্রামুক্কী লোয়নবী চাউবীগী মীৎয়েংগী মাঙদা লোৎপা য়াখিদে পামেলগী হোংলকখিবা ৱাখলগী ফিবম অদো। হংঙকই- করিনো, চা'সু ইংনা লৈরে, পেপার পারিবরা হায়বসু নত্তে; অমুক নোকই-অমুকসু নুংশাশোর হোল্লি; করি তৌরবগে?

ঙহাক ৱাখল তৌরগা তপ্না খুম্মকই পামেল- করিসু তৌদেদা।

ওঃ ফরে ফরে। অদো ওফিসকাকতি কাররোইদ্রো?

ঙসি ওফিস লৈতে। ছুটিনি।

অওইবগীরো। ফরে অদুদি, বাজারদা অমুক্তা চৎলুরো। ঙা-চাক, হেঙ্গাং নাপী লৈগদবৈ লৈগদবা ঙাক্তনি।

ঐঙোন্দা ঙসি বাজার চৎপগাক হায়বীরক্লনো। ঐ করিমত্তা হৈনিংদ্রে।

হোয়য়ে হোয়য়ে। কল্পনাগী সমদ্রুদা ৱাখলগী হীরোয় ওইদুনা চরা হেনমখৈ হি-হোন্দুনা লৈবিরো। ঐ করিমত্তা হায়জররোই।

চাকলেন চাক চারগা ঙহাক পোথাই পামেল। চহী য়াঙ্খেগী তাঙ্কক লাল্লকপা ফনা কুইরে। হকচাংদা লায়না-লায়থুংসু খর-খরা তৌনা মথি ফোংলকপা হৌরবনি। নুংথিলদদি সাহিত্য সংসদকী থাগী মীফম লৈ। পামেলসু কায়দনা য়াওই অসিগুম্বা থৌরম কয়াসে। 'বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ' হায়বা বাংলাদেশকী অহানবা মণিপুরী সাহিত্যগী সংস্থান অসি লিঙ্খৎখিবা চহী কুহ্নানিথোই হেল্লক্লে। সংস্থান অসিনা ফোঙবা 'দীপান্বিতা' চেফোঙনা বাংলাদেশকী অহানবা মণিপুরী চেফোঙনি। চেফোঙ অসি মিং হোংদোক্কুনা হৌজিক 'মৈরা' হায়না ফোঙঙি। অতৈসু চেফোঙ কয়া পুথোক্লরকখি। অদুবু হৌজিকসু মৈরা অমসুং বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদনা বাংলাদেশকী মণিপুরী সাহিত্যগী লমদা মপুঙ ওইবা ঈচেল ওইরি। সাহিত্য সংসদনা মরক মরক্তা অচৌ-অচৌবা থৌরম পাংথোকপগা লোয়ননা থাগী সাহিত্য মীফমসু পাংথোকই। থাগী মীফমসিদা মশা মশানা ইবা শৈরেং-ৱারীমচা কয়া পাথোকই, মদুগী মথক্তা ময়াম চঙনা য়াম্না কূপ্না নৈনৈ। ঙসিগীসিসু অদুগুম্বা মীফমনি। নহা ওইবা কবি-অইবা কয়াদং থোরক্লে। মখোয়শিংসিনা য়াম্না ইচং থৌনা ইনরক্লি। লোন শিজিন্নবদা, পান্দম-পুদম, সিম্বোলনচিংবা শিজিন্নবদা অনৌ-অনৌবা চাংয়েং কয়াদং তৌনরক্লি। পামেল য়াম্না পেন্না অঙকপ'মগা য়াওনা মখোয়গী শৈরেংশিং তারি। তানা তানা নিংশিংলকখি চহী নিফুরোম মমাঙগী অসিগুম্বা থৌরম'মগী ৱা। বিশগাঁওগী অৱাংলৈকাইদা 'তরুণ সংঘ' হায়না সংস্থান অমা পামেল অমসুং মাগী মমান্নবা অঙাংশিং খরা পূল্লগা লিঙ্খৎখি। বিশগাঁওদা অসিগুম্বা সংস্থান লিঙ্খৎপা মদুনমক অহানবনি। তরুণ সংঘনা মেম্বার ওইরিবা অঙাংশিংদুগী ৱাখলগী জগৎতা অনৌবা অহোংবা কয়া পুরক্লবা হোৎনখি। মেম্বারশিংগী ওইবা চয়োলগী মীফম চাং নাইনা ফম্মি। মরক মরক্তা অখন্নবা মরমদা অচৌবা থৌরমনচিংবসু থৌরাংঙি। অদুগুম্বা মীফম নত্রগা থৌরমশিংদা মেম্বার পুম্নমক অমসুং অতিথিশিং মতম চানা কারকপা তাই। মী কারকপা কারক্তবা প্রোগ্রাম মতম চানা হৌগনি; মসি শোয়নবা য়াদ্রবনি। অমুক্তি অখন্নবা অচৌবা প্রোগ্রাম'মদা চীফ গেস্ট অমসুং অতৈ গেস্টশিংদুনা থেংনা লাকপদগী সংস্থানগী মেম্বারশিংনা মতমচানা হৌদুনা গেস্টশিংনা থুংঙবদা প্রোগ্রাম লোইশিল্লম্বদা খরা ইকাইনবা অমসুং নুংঙাইনদবগী থৌদোকসু থোকখি। অতোপ্পা অমনা সংঘ অসিনা মাগী মেম্বারশিংগী মনুঙদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমা শন্দোক্লবা হোৎনখি, মদুদি, মশাগী শকতাকপা মতমদা 'ঐ অদুগী মচানি' হায়না খক শক তাক্লদবা নত্তে; 'ঐ বরুণনি, ঐগী ইপাগী মিং শমদেন কৌই', অসুম্না শক তাক্লদবনি, মসিনি। মীগী মঙালদা চাউগদবা নত্তে, মশা মশাগী মপাঙ্গল-মগুননা হিংগদবনি। অঙাংশিংদুগী মনুঙদা মশানা মশাবু থাজবা হায়বদি সেল্ফ কনফিডেন্সকী ৱাখল অমা শাগৎনবা হোৎনবনি। সংস্থান

অসিনা লৈকাইদা য়ু থকপা, জুৱা শান্নবা য়াদে হায়না থিংঙি। অহান-অহানবদদি য়াম্না খুদোংথিরম্লবসু অকোনবদদি লৈকাইগী অতৈ অহলশিংনসু শৌগৎপিরকবদগী লৈকাইদুদগী য়ু-জুৱা পুংমুৎ মুথৎপা ঙমখি।

নোংমগী থৌদোকনি। লৈকাইগী ইমুঙ অমদা য়ু য়োল্লি হায়বা পাউ ফংখি পামেলনা। লৈকাইগী মথক-থোংবা নহা-পাখংশিংনা লোন্না লোন্না য়ুমদুদা চৎতুনা য়ু থকই-জুৱা শান্নে। মদু তাবদা পামেলনা মাগী মরূপ-মনাওশিংগা তান্নে। করি তৌগদবা-করম্না থিংগনি, মরম'পুম্বা য়াম্না কূপ্না খন্ন-নৈনৈ। খরনা হায়-ঐখোয় ময়াম চৎনা থিংঙুসি। খরমনা হায়-ঐখোয়না হায়বা কনানসু তাবিরোই, মদুগী শরূকপুদি লোন্না পুলিশতা তাকশিনশি। মওং-মওংগী মোত ফোঙদোক্লে-মখল মখলগী লম্বী খন্নে। পামেলনা হায়- লোন্না পুলিশতা তাকশিনবা হায়বদো ঐ য়ানিংদে। ঐখোয় ইশানা অমুক্তং হোৎননা য়েংখিসি। য়াদ-য়াদ্রগা পুলিশতা তাকশি। মদুসু করিগী লোন্না তাক্লনি-ফোংনা তাক্লদবনি।

তোম্বীনা হায়রকই- মদুবুদি চুম্মি। লুরিবদি, য়ু থকপা জুৱা শান্নবদা য়াওরিবসে ঐখোয়গী ইয়াম্বা-ইখুড়াশিং ঙাক্তনি।

ইপোমনা শাউরংননা হায়রকই- মদু ওইরে হায়না ঐখোয় হেক্তা তুমিন্না লৈথোক্লগদ্রা? থিংগদবনি। পুলিশকাক নত্তে, ঐখোয়না থিংগদবনি।

অরুননা হায়- চুম্মি ইপোমনা হায়বদো। অদো, ইংরেজীদা ৱাহৈ'মা লৈ- `Who is to bell the cat?' হায়না। ঐখোয়গীসু 'দুনি-কনাননো চৎনা থিংঙুগদবসে?

ঐনা থিংঙুনি। ইপোমনা খুদক্তা খুম্মকই। ময়ামগী মায়কৈদগী ঐনা চৎনা থিংঙুনি। মদুদা য়াদ্রগা মথংগী খোঙথাং লৌসি।

ময়াম তুমিন তুমিন লৈনৈ। ইপোমগী ৱাদুবু শৌগৎতুনা পামেলনা হায়- ফরে, ইপোমনা হায়রিবসিনা ফরে। অহানবদা খরা .অঙাং ওইবা নখোয় অনী'হুম চৎলু। চৎলগা ময়ামগী মায়কৈদগী হায়রুচৌ, নুমিৎ নিনিগী মনুঙদা লৈকাইদা য়ু য়োনবা জুৱা শান্নবা থিংবা তায়-নত্রবদি ঐখোয় মথংগী তৌফম থোকপা তৌগনি। মসি ঐখোয়গী তরুণ সংঘগী ৱারেপনি। কনা কনা চৎকনি পাউসি পুদুনা?

ঐ চৎকনি। ইপোমনা হায়। ঐগা লোয়ননা কনা চৎকদবা মদুদা থোকপিরকউ। কুমারধনসু চৎকনি হায়না লেপ্পরে।

মখোয় অনীনা পাউদু হায়রুবদা য়ুম্বু অমদি য়ুমদুদা লৈরম্বা নহা-পাখং খরনা য়াম্না থীনা চৈরকখি। শাউনিংবনা মৈ হৌরবা ইপোমনা খোল কল্লপ্পা হায়রম্মি, ঐখোয়গী খঙহনগদবা খঙহঞ্জরে। মথংগী করি তৌবা হায়বদো ঐখোয়গী সংস্থাননা লেপ্পগনি।

অহলশিংদো খরদি কিখিমালে অঙাং অনীদুগী পুক্লিং চেৎপা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ তাবদা। নোংঙানবদগী'সুম য়ু অমসুং জুৱাগী থৌরম লোইশিনখি।

তরুণ সংঘগী চয়োলগী মীফম'মদা নোংমা মশা মশানা ইবা শৈরেং-ৱারেং-ৱারীমচা পাথোক্লরম্মি। মদুদা অরুন, অতিয়া, ইপোমনচিংবা অঙাং কয়ানা মশানা ইবা শৈরেং পাথোকই। মদুগী নুমিৎতুদা ইপোমনা বাংলাদা ইবা শৈরেং অমা পাথোকখিবদো মদুনা

নুমিৎতুগী শৈরেংশিংগী মনুঙদা খ্বাইদগী অথোইবনি হায়না ময়াম্না থাগৎনখি। 'নহারোলশিংবু' হায়বা শৈরেংদুদা মানা হায়খি–

লাকও লাকও হে নহারোলশিং
খোঙথাং কন্না মাঙদা থারো
অকিবা অখংবা লাকসনু কয়া,
থম্মোয়-থৌনা খক মাঙহনগনু
মাঙদা থারো লাও নহারোলশিং
নখোয়গীদি লৈতবনি অমাঙ-অতা।

... ... ... ... ...
বাংলা ঙসিদি মীগী মীখা পোল্লি
য়েক্লবশিংনা লোইনা খুদুম চল্লি
শুম্না চারি অয়ুক-নুংথিল খাইদনা,
মীখা পোনবগী য়োহ্লিং থদৎনবা
শুম্না চাবগী মতম লোইশিন্নবা
হৌরো মিকপ্লো ঙসিদি নহারোলশিং।

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সাহিত্য মীফম লোইবদা নুমিদাংগী পুঙ মাপল তাশিনখ্রে। য়ুমদা হজিননিংদ্রি পামেল। খল্লি, কদাইদা চৎসিগে মতম ঙহাক লেনবগীদমক্তা। খন্না খন্না খোঙনা 'সুম চৎলিঙৈদা সুরমা তুরেলগী মপাল য়ৌখিবা খঙহৌদে। সুরমা তুরেলসিনা কোইশিন্না লৈরিবনি সিলেট শহর অসে। সুরমা হায়বা তুরেল অসি ভারততগী চেন্থরকপা বরাক তুরেলদগী মশা অমা ওইনা খাইদোরকপনি। মণিপুরদগী কাছাড় ওইনা চেল্লকপা বরাক তুরেল করিমগঞ্জকী মনাক্তা বাংলাদেশকী লম হেক শোকপদা জকিগঞ্জকী অমলসীদ হায়বা মফমদুদা ঈচেল অনী ফাংনা সুরমা-কুশিয়ারা মিংথোন্দুনা বাংলাদেশকী তম্পাক্তা চেল্লখি। সুরমানা সিলেট শহরগী ইশ্চোল-ঙাকপা ঈচেল ওইখি, কুশিয়ারানা সিলেট অমসুং মৌলভীবাজার জেলা অনীগী তাইনফম শুংদাই ওইনা শেরপুরদা চেল্লি। সুরমা তুরেলগী অৱাং থংবদনি সিলেট শহরনা লৈরিবসে–খা পাংবদনা ঢাকা, চট্টগ্রামনচিংবা বাংলাদেশকী অতৈ জেলাশিং। সিলেট শহরগা বাংলাদেশকী অতৈ লমদমশিংগা শম্নবদা তুরেলসি লান্না চৎপা তাবনি। তুরেল লাম্থোক-লানশিন তৌবসে হান্নদি হি-নতা লাল্লম্মি। তুরেল অসিগী লৈরায় য়াম্না ৱাংনা ১৯১৯ খ্রিষ্টাব্দদা কবিগুরু রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা সিলেট লাকপদা হি তোংবগী কাখৎ-কুমথদা খুদোংথিগনি হায়না লোংলাগী মমিং চৎলবা জমিদার আলী আমজাদ খান-না পাক্কা চন্না সিঁড়ি শেমখি। মদুবু চাঁদনীঘাট হায়রগা মীয়াম্না খঙনরি। জমিদার আলী আমজাদনা চাঁদনীঘাট সিঁড়িগী হেক মনাকমক্তদা য়ুম শারগা অচৌবা ঘড়ি অমসু লম্বী চৎপা মীয়ামগী মতম খঙননবা হায়দুনা খিনখি। আলী আমজাদকী ঘড়ি হায়না খঙনরিবা অচৌবা ঘড়ি অসে আগরতলাগী নিংথেম মচা কবিগুরু রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা শান্তিনিকেতনদা মৈতৈ জগোইগী অহানবা ওজা ওইনা পুরুবা রাজকুমার বুদ্ধিমন্ত সিংহনা শেম্বনি হায়না হায়নৈ। রাজকুমার বুদ্ধিমন্তসি মরু ওইনদি সিলেটতগী হৌখিবনি, মখূৎ মশা য়াম্না হৈ, ঘড়ি শাবনচিংবদা য়াম্না হৈশিংঙি হায়না হায়নৈ। অদুনা ৱাফমসি থাজবা য়াবগী মরম কয়াদি লৈ, অদুবু মসিগী মতাঙদা করিগুম্বা অশেংবা

রেকর্ডনচিংবদি ফংবা লৈতে। মীয়াম চৎনবদা নুংঙাইনবা অমসুং সিলেটকা বাংলাদেশকী অতে লমদমগা শম্নবদা খুদোংচাবা হেন্নবা হায়না ১৯৩৬ খ্রিষ্টাব্দদা সুরমা তুরেলগী মথক্তা থোং অমা থাখি। থোং অসি মতমদুগী আসামগী চীফ কমিশনার স্যার মাইকেল ক্বীনগী মিংদা 'ক্বীন ব্রিজ' হায়না মিংথোল্লি। ব্রিটিশনা পাল্লিঙৈ মতমদুদা সিলেটসি আসামগী মনুঙ চল্লম্মি। হৌজিক্তি সুরমা তুরেলগী মথক্তা থোং মরী/মঙা লৈরে। অদুবু অহানবা থোং ওইবগী মরম্না ক্বীন ব্রিজকী তোঙানবা মফম অমদি লৈরিবনি সিলেটকী মীয়াম'পুম্বগী পুক্নিংদা। ১৯৭১ খ্রিষ্টাব্দদা বাংলাদেশকী নীংতম লান হৌগৎলকপদা বোম থাদদুনা ব্রিজ অসি থুগাইখি। বাংলাদেশ নীংতম্লবা মতুঙদা ব্রিজ অসি শেমজিল্লি; অদুবু হান্নগী মওংদুদি চপ চানা মালহনবা য়াদ্রে। চহী কুইরকপগী মশা শোম্বরকপনা মরম ওইদুনা হৌজিক ব্রিজসিগী মথক্তা গাড়ি অচৌবা-অরুম্বা চৎহনদ্রে। হুফুতরামাথোইগী নীংতম লানগী ৱা লাকপদা ইপোমগী ৱা অমুক নৌহৌননা নিংশিংলকখি পামেলনা। ইংথমগী লৈচিল থারবা অয়ুক্কুম মকশিল্লবা মায়থোংদা খোঙলৈ থুনা য়ুমদা হল্লকখি পামেল। নুমিদাংগী চাক চারগা বারান্দাদা ফমদুনা ঙহাক নুংশিৎ লাংই-নুংঙাইফম খঙদে। ফমুঙদা চঙদুনা হিপথৈ। তূম্বা য়াদে-শুরু শুরু নৈনা খাঙঙি।

মীয়াম প্রজাগী অকনবা ঈহৌদা পাকিস্তানগী ডিক্টেটর আইয়ুব খান-না ফম থাদোক্তুনা জেনারেল আগা মোহাম্মদ ইয়াহিয়া খান-না প্রেসিডেন্ট ওইরবদা মহাক্না য়াম্না য়াঙনা পাকিস্তানগী জেনারেল ইলেকশন পীরগনি অমসুং ভোটতা মায় পাকপা পার্টিদা লৈঙাক শাসনগী চূপ্পি শিন্নরগনি হায়না লাউথোকখি। মদুগী মতুঙ ইন্না থৌরাং'পুম্বা লোইরগা ১৯৭০ খ্রিষ্টাব্দগী ডিসেম্বরগী তাং ৭ তা লৈবাকচুপ্না জেনারেল ইলেকশন পাংথোকই। ইলেকশনদা বঙ্গবন্ধু শেখ মুজিবুর রহমানগী পার্টি আওয়ামী লীগনা অয়াম্বা সীট ফংখি। অদুবু নোংচুপ পাকিস্তানগী পূকচেল চুমদবা লুচিংবশিংনা নোংপোক লমদমগী বাঙালি লুচিংবা অমবু কৈদৌঙৈসু পাকিস্তানগী লৈঙাক শাসনগী চূপ্পি পায়হন্নিংদে। অদুনা লৌনম লাং শন্দোকপা হৌরকখি। মখোয়গী থৌইনশিনদগী প্রেসিডেন্ট ইয়াহিয়ানা ন্যাশনাল এসেমব্লীগী মীফম কৌখিবদু মরম চাদনা য়ৈথোকখি। ১৯৭১ খ্রিষ্টাব্দগী মার্চকী তাং ৭ তা ঢাকাগী রেসকোর্স লম্পাকতা মী লাক্ষা লাক্ষাগী অচৌবা মীতিন'মদা মীয়ামগী থম্মোয়গী অরোনবা খোল্লাউ ওইনা শেখ মুজিবনা ফোংনা লাউথোকখি- 'হন্দক্কী ঈহৌ অসি মুক্তিগী ঈহৌনি, হন্দক্কী ঈহৌ অসিদি ঐখোয়গী নীংতম্বগী ঈহৌনি।' মদুগী মতুঙদা নোংপোক পাকিস্তানদা তশেংনা হায়বদা পাকিস্তান সরকারগী শাসন হায়বমা লৈখিদ্রে, বঙ্গবন্ধু শেখ মুজিবুর রহমাননা হায়বদুনা আইন ওইরে, মীয়াম্না ইল্লে। পাকিস্তানগী আর্মিশিংনা মফম মফমদা বাঙালিশিংগী মথক্তা ওৎ-নৈবা, হাৎপা-থিনবা হৌরকখি। হিন্দু অমসুং নুপী-নহাশিংদনা ওৎ-নৈবগী চাং খিৎ হেল্লি। মার্চকী তাং ২৫ গী অথেঙবা অহিংদা খঙহৌদনা আর্মি ক্র্যাক ডাউন তৌরে। শেখ মুজিবুর রহমানবু ময়ুমদগী এরেস্ট তৌখি; ঢাকা ইউনিভার্সিটিগী ছাত্রশিংগী হোলদা চঙদুনা পাকিস্তানগী আর্মিনা মী পংহাৎতা হাৎলে, রাজারবাগ পুলিশ লাইনদা অমসুং অতে মফম কয়াদা তূম্না লৈজরিবা খুৎলাই পায়দবা মীচম প্রজাবুসু নুংশিহৈতনা ব্রাশ ফায়ার তৌদুনা হাৎলে। নুমিদাং অমতদা মরাল লৈজদবা মী লিশিং লিশিংগী থরায় লৌখি। এরেস্ট ওইবগী ঙহাক মমাঙদা বঙ্গবন্ধু শেখ মুজিবুর রহমাননা লাউথোক্লম্মি- 'ঙসিদগী বাংলাদেশ নীংতম্লে। বাংলাদেশকী তম্পাকতগী অরোয়বা পাকিস্তানী

আর্মিদুবুফাওবা তাম্থোক্তুনা লানঙম ফীরান হাইগৎত্রিমখৈ ঐখোয়গী ঈহৌ-ঐখোয়গী লান লেপ্তনা চত্থগদবনি।'

রাজনীতিগী ওল্লক্লিবা ফিবম, মদুগী মৈশা রাজধানী ঢাকা লান্দুনা অচৌ-পিশক শহর অমসুং খুঙ্গং ফাওবা শন্দোরকখি। পামেলখোয়গী খুল বিশগাঁওদসু মদুগী মৱায়-মনিল য়ৌরকখি। বিশগাঁওদি ভারতকী ত্রিপুরা স্টেটকী বর্ডারগা হেক থংননা লৈবা খুলনি। ঢাকাগী পাউ ফৎশিল্লক্রবদা থৱায় কনবগীদমক্তা বাঙালি হিন্দু ময়াম ময়ুম-মকৈ-মরমদম লোইনা লংথোক্লমদুনা পরেং পরেং ভারতলোমদা চৎনরি। বিশগাঁওগী মৈতৈ ময়ামনা মদু কুম্মৈ ওইনা য়েংনৈ। মখোয়সু মদুম্না ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চৎপা তারগনি হায়বা ৱাখল থোইনা খল্লুদ্রগসু করি থোক্লগবা হায়বগী নুংনাংনবা অমদি 'সুম থম্মোয়দা ফাওরবনি। অদুবু ২৫ মার্চকী মীহাৎ-মীনৈগী ৱা তারকপদদি অতৈ লৈবা য়াররোই হায়বসি তশেংনা খঙলবদা মৈতৈশিংসু মপোৎ-মচৈ য়োমশিন্নরগা ইন্দিয়া চৎননবা থৌরাং লৌবা হৌরি। নুংথিল অমা অঙাং ময়াম লৈকাইগী লমহাংদুদা ফুটবোল শান্নরম্মি। ফুটবোল শান্নবদা থৱায় চঙনদে। অমসু অমসু ঢাকাগী পাউ, করি ওইরকপা য়াবা, করি তৌগদবা মসি পুম্নমক হংনরি, লীনরি। পামেলদি হবিগঞ্জ কলেজতা তম্লিবনি। রাজনীতিগী ওইরিবা ফিবমগী মতাঙদসু খরা খঙবা হেল্লি। ময়াম পুম্নমক্না মঙোন্দগী খঙনিংখি। মাসু মানা খঙবমখৈ লী, হায়- বঙ্গবন্ধুনা মাগী ৭ মার্চকী ভাষণদা বাংলাদেশকী নীংতম্বগী ৱা ময়েক শেংনা হায়খ্রবনি। বাংলাদেশ নীংতমদ্রিফাওবা হৌজিক হৌরিবা ঈহৌ অসি নেমথবা য়াররোই। অদুগা নীংতম্বা হায়বদুসু পাকিস্তান সরকারনা লেম্না পিথোক্লদবদি নত্তে। লান অমা থোকপা হায়বসি তঙাইফদ্রবনি। মসিদা ঐখোয়সু ঐখোয়না ঙম্বা মওংদা শরুক য়াবা তাবনি।

তাঞ্জা'দুমক্তদা ইপোমসে শোর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা চেল্লকই। ময়াম্না কৈদৌরে হায়না য়োমশিল্লি। ঙহাক ৱা ঙাঙবা ঙমদে। মদুদগী ফিংলপ্পা হায়রকই- ঐখোয় তাতোন সুনীলদো হৌজিক্তা য়ুমদা থুংঙরে। মানা হায় লান হৌরে, ঢাকাদা ঙরাং নুমিদাং অথেঙবদা পাকিস্তান আর্মিনা খঙহৌদনা চাইথোরক্তুনা ঢাকা ইউনিভার্সিটি, রাজারবাগ পুলিশ লাইন, পিলখানাগী ইপিআর হেড কোয়ার্টারগা লোয়ননা অতৈ মফমদসু ব্রাশ ফায়ার তৌদুনা মী য়াম্না হাৎখ্রে, য়াম্না ওৎ-নৈখ্রে মীচম প্রজাশিংবু, বঙ্গবন্ধুবুসু এরেস্ট তৌখ্রে হায়না হায়। বঙ্গবন্ধুনা বাংলাদেশকী নীংতম্বসু লাউথোকপিরম্মে হায়। অদুনা হৌজিক মফম মফমদা লান হৌখ্রে, নীংতম্বা তানবগী লান।

অঙাং ময়ামদো তুমিন তুমিন লৈনখি। করি তৌগদবা, করি তৌফম থোকপা মখোয় করিমত্তা খঙদে। পামেলনা মখোয় ময়াম য়ুমদা চৎলো, ঙসি অতৈ ফুটবোল শান্নররোই হায়বদগী অমমম তৌনা হৌগৎনা চৎনখি। পামেলদি ময়ুমদা হল্লকতনা ইপোমগা লোয়ননা মখোয়দা চৎলি, সুনীলগা উন্নবা। সুনীল মাঙ্গোলদা ফমদুনা মমান্নবা খরগা চেকশিন্না ৱা খরা তান্নরম্মি। মখোয়গী মরক্তুদা তাদ মোহেন, কাকা নীলচানসু য়াওবা উরম্মি। পামেলবু উবদা হায়- দেশকী ফিবম ফত্তে। নীংতম লান হায়বদু হৌরবনি। ঐখোয় মৈতৈশিং অসিদা লৈবা চুম্মোই, ইন্দিয়াদা চঙজফম থীবা তাবনি। খরা নহা ওইবা কাঙবুশিংনা লান্নী ওইনা নীংতম লানদা শরুক য়াগদবনি। ইন্দিয়া সরকারনা



CamScanner

ঐখোয়বু তেংবাংবিগনি, ট্রেনিং অমসুং খূৎশু-খূৎলাই পিগনি হায়না তায়। পামেল, নঙ হৌজিক চৎলো, নয়ুমদা অহল লম্মনশিংনা পাখৎলম্মনি।

পামেল খঙডি, মখোয়না ঙাঙনরিবসিদা খরা অঙাং ওইরি হায়না পামেলবু য়াওহন্নিংদবগুম তৌই তাদ সুনীলনা। অদুনা পামেল 'ফরে ফরে তাদ, কোন্নমুক উন্নরবা হায়দুনি' হায়রম্মগা থোরক্লে।

নুমিদাংচুপ্পা অমগা অমগা হৌনরুবা লৈতবমখৈ মাগী মাগী পোৎয়োম য়োম্নরে। পামেলসু য়োম্লি। মাগী লাইরিক লাইশু করিমত্তা হাপ্পা চনদ্রে ময়োমদা। পাবুংনসু মী খুদিংমক্তা তত্তনা হায়বনি ময়োম পংচাউ চাউহনগনু, কয়া লাপ্পা চৎপা কদায়দা থুংঙুবা কনানসু খঙবা নত্তে। অদুম্মকপু পামেলদি কনা উহন্দনা মাগী ঈশৈ অমসুং শৈরেংগী খাতাদুদদি লোন্না হাপচিল্লি ময়োমদুদা। অয়ুক নোং ঙানবদগীদি অমসু অমসু বিশগাঁওগী মৈতৈ ইমুঙশিং পরেং পরেং পোৎয়োম কোকথোং থোংদুনা ইন্দিয়া পাংনা চৎনবা হৌরে। পামেলখোয়গীসু খোঙ শানবগী থৌরাং'পুম্বা লোইরে। পোক্লফম লমদম, খোইরী-নাউফম তাখিবা য়ুম-কৈ, ইস্কোল, পুখ্রি, ষণ, উপাল-ব্রাপাল ময়ামসি থাদোক্তুনা চৎকদৌরে খল্লুবদা খাঙবা ঙম্নদে কনাসু। অমুক হল্লকখিদ্রা মফমসিদা অমুক উখিদ্রা ময়ামসিবু খল্লুবদা থম্মোয় পুবা ঙমদ্রবা অহলশিংনা ওনথোইদুনা কপ্লি। পামেলদি কপ্পিংলবসু কপ্পগী মতম শংদে। অহলশিংনা ইরাং লাংনরিঙৈদা মানা লোন্না থোরক্লগা পরপ পরপ চৎলি ইপোমখোয়দা। মখোয়গীসু অক্মানি, চৎনবগী থৌরাংদা ইরাং লাংনরম্মি। তাদ সুনীলগা অমুক্তা উন্নরমগে হায়না থিরুবদা মাদি ঙসি নোংঙান্দ্রিঙৈনা কদাইদনো চৎকনি হায়না থোকখ্রে হায়রে। ইপোমদি করি তৌরি চৎকদগী লোইশিল্লবরা হায়বদা ইমুঙ মনুঙদগী পরপ পরপ চেস্থোরক্লগা ইপোমনা হায়রকই– লীডার, ঐদি খরনি লৈহৌখিনি। তাচৌগা। পাবুংনা ইমাখোয় থিল্লুরগা অমুক হল্লকখিনি। খরনি লৈরগা মওং য়েংঙগা লাকপা তারবসু কোন্না লাক্কনি ঐখোয়।

করিগীনো ইপোম, নঙসু হৌজিক চৎহৌবনা ফত্রো? দেশকী ফিবম করি ওইরকপা তম্বা ঙম্বপোৎ নত্তে। লৈগে হায়রগা নঙগী তাচৌগা পাবুংগা লৈহৌসনু কৈদৌগে।

হোয়নে ঐসু হায়রিবনিনে, অঙাং মানা লৈহৌদুনা কৈদৌগবনো, চৎলসি হায়না। মমাহন জিনিসু পামেলগী ব্রাদুবু য়ানিংদুনা হায়রকই।

অদুবু ইপোমদি শুকয়া য়াদে। হায়, মা মাগী য়ুম, লৌবুক লমহাং, তুরেল অসিনচিংবা ময়ামসে থাদোক্তুনা কদায়দসু চৎনিংদে। ফনা হায়দুনসু য়াদ্রবদা পামেলসু– 'ফরে ফরে, য়াম্নদি কুইরক্কনু; মওং চারোইদৌবা ওইরবদি খরা য়াঙনা হেক লাকউ' হায়রম্মগা হল্লকয়ে।

পামেলখোয় খোয়াই টাউনসিদা লৈরকপসে চয়োল অমা হেল্লকয়ে। মরী-মতাই অমগী য়ুমদা তাংজদুনা লৈবনি। বিশগাঁওগী মৈতে পুম্নমক অসুম্না খোয়াই টাউনদা নত্রগা গৌরনগর, জাম্বুরানচিংবা অনকপদা লৈবা মৈতে খুলশিংদা চঙশিন্দুনা অমগীদা নত্রে অমগীদা তাংজদুনা লৈরি। লমদমসিগী মৈতৈশিংসু মৈতে ঈরূপচানি হায়বদগী অরাবা মতমসিদা 'জয় বাংলা'দগী চেনখৎলকপা মৈতৈশিংবু লৈফম পীদুনা অমসুং অতে অঙম্বা মওংদা তেংবাংবিরি। ইন্দিয়া সরকারগী মায়কৈদগী মরৈবাক-মরমদম থাদোক্লুনা চেনখৎলকইবা 'রিফ্যুজি' ময়ামসিবু লৈফম চাফম পীগনি, শেলগী তেংবাংনচিংবা পীগনি হায়না মিং চনশিনবনচিংবা থবক কয়াদং পায়খৎলি। অদুগীদমক ওফিস হাংলে, মিং থাঙ্গৎনবা থৌমিশিং লৈরি। বিশগাঁওতা নত্তনা খাজিপুররোমদগী চেল্লকপা মৈতৈশিং, চুনারুঘাট হবিগঞ্জনচিংবা মফম কয়া কয়াদগী লাকপা বাঙালি হিন্দুশিংসু লাইন লেপ্তুনা ওফিসশিংসিদা মিং চন্ননবা হোৎনরি। মিং চল্লবা কাঙবুনা করম্বা নুমিৎতগী লৈফম পীদৌরি, শেল থুমনা করি নুমিৎ পীগদবা মদুগী পাউ লৌননবা নুংতিগী ওমশিল্লি ওফিসশিংসিদা। অদুনা হায়রিবা ওফিসশিংসিদি মেলানি, মীগী মী ঙাক্তা, খুরক হাংবা য়াদে। মদুগী মরক্তুদসু পামেলদি হেক হেক পাউ লৌবা চৎলি ইপোমদুবু লাক্লবরা, করম তৌরি, আদগী পাউনা করম্নো হায়না। অদুবু পাউ করিমত্তা ফংদে। ইমহান জিনিদুসু মচানিপা অতোম্বা ইপোমগীদমক্তা তূম্বা য়াদে, মাগীদমক্তা খনবদা অহলদো লাইমন হৌরবনি।

খরনি মতুঙনি। অয়ুক খরা ঙল্লপ্না পামেলনা টাউনলোমদা থোকউবদা তারকই বিশগাঁওগীনি হায়বা মৈতে অহল অমখক খোয়াই তুরেল মপালদা ৱান্থদুনা তানা লৈরম্বদা তুরেলগী হিদেনদা অয়ুক্কী মায়-মিৎ তাথোক্কে কুমথরুবা মৈতে খরনা থেংনরুবদগী থাংদুনা পুরক্লগা হাসপাতালদা লায়কন্নরি হায়না। মশা-মউদো ঈ-নাই ঙাক্তা তোৎলি, মশাগী মফম মফমদা থাঙফম কয়াসু লৈ হায়না ময়াম্না চিবোন চিবোন ঙাঙনৈ। কনাবু ওইরিগবা হায়না পামেল পরপ পরপ হাসপাতাল তম্না চেল্লি। তোঞ্জাউ ওইরম্মে, ইপল তোঞ্জাউ, ইপোমগী পাবুং। পামেল অতৈসু হেন্না পাখৎখ্রে, ইপোমনা কদায়, অদুগা তাচৌদি; অতৈসু লৈহৌরিবা মৈতে অহল খরদুগীনা করি পাউনো–মখোয়গী মরাইবক্লা করি ওইখ্রবা? কনাদা হংঙুনি, কনানা পাউখুমবিরক্কনি? পামেল ফুম্বংনৈ। তপ্না তপ্না থোরকই হাসপাতালদগী।

বিশগাঁওগী অৱাংলৈকাইদা লৈবা মৈতে অয়াম্বনা পোৎয়োম মচা অমমম য়োম্লগা য়ুম-কৈ, মরল-মথুম লোইনা লংথোক্লম্লগা মথৱায় কনবগীদমক্তা ইন্দিয়াদা চেল্লকখিবনি। অদুবু কনা কনাগুম্বদি ফিবম ফরক্কনি থোইনা হেঞ্জিল্লকওই হায়বা

থাজবমগা লোয়ননা ময়ুম-মকৈ থাদোক্লিংদবদগী অঙাং-নুপীশিং থৈদোরক্লগা নিপাশিং লৈনহৌবা য়াওই। ইপোমখোয়গী ইমুঙদা ইপোম য়াওনা মখোয় অহুমনি লৈহৌরিবা-মাগী মপাবুং তোঞ্জাউ অমসুং তাচৌ রাধাবিনোদ। অদুম্না কারামলৈকাইদসু ইমুঙ অম'নীদা অমমম অনী তৌদুনা লৈহৌনবা য়াওরি, মাইমোম লৈকাইদসু কাঙাবমগী অহল নরেন মপামচা লৈহৌরি হায়।

ইপোম মথরায়দা নুংঙাইফম খঙদে। মমান্নবা লোইনা ইন্দিয়াদা চৎনখ্রবনি। মাগী নীডারসু য়াওখ্রবনি। নুংতিগী অয়ুক্তা চরা রাল্লগা খোয়াই তুরেলগী মপাললোমদা ঙহাক্ত ওইরবসু চৎথোকই ইপোম। তুরেলগী তোর্বান, লিরি লিরি চেল্লিবা ঈচেল, তুরেল রাংমদা লৈবা রেমা চা বাগান অমসুং মদুগা থংননা লৈবা উমংশিং-মদু 'পুম্বদু উরুরগা পুক্লিং নুংশিরকই ইপোমগী। হৌখ্রবা মতমগী স্মৃতি কয়ানা ময়েক লারবা শক্তম লৌদুনা কোইপাই পাইরৈ নিংশিংবগী অতিয়াদা। নোংফাদোকসু মীচিক-মীরাওখোল তাখিদ্রবা শো লোন্না লৈরবা স্কুলরোমদসু চৎথোকই। নুংঙাইবগী স্মৃতি ময়াম্না অরাবগী পোৎলুম ওইনা ননশিল্লকখি মঙোন্দা। মানা খনখি- করিগীনো অসুম থোকইবা? করিসু মরাল লৈজদ্রবা মীচম প্রজাশিংনা মরৈবাক-মরমদম থাদোক্তুনা চেনবা তারিবসিবু করিগীনো? মীনা ঙাওনরিবসিবু চুম্মিবরা-পাকিস্তানগী আর্মি অমসুং মখোয়গী তুংইনবা কাঙবুশিংনা নুপী-অঙাং খাক্তনা থীনা ওৎ-নৈবগী থৌরম কয়া চখৈ, হিন্দু অমসুং ফুরুপ মচাশিংগী মথক্তনমুক ওৎ-নৈবগী চাং খিৎ হেল্লি। করিগীনো মসিবু? মসিগুম্বা মীওৎ-মীনৈদা হল্লেংদ্রবা পাকিস্তান আর্মিগী মায়োক্তা লান হৌরে হায়বসিদা ইপোমসু শরুক য়ানিংঙকখি। অঙাংনি হায়না ঐবু লৌবিরোইদবা জাৎলা নীংতম লান্মীদা? খঙদে ইপোম। অদুম্মকপু মানা পুক্লিং চপ য়ুংনা খল্লি করিগুম্বা ইন্দিয়াদা চঙশিল্লবদি মাসু শোয়দনা নীংতম লান্মীদা মিং চন্ননবা হোৎনগনি। বিশগাঁওগী নিংথিরবা লম্পাক, তুরেল, উমং, য়ুম-কৈ পুম্নমক মুন্না মুন্না য়েংজৈ ইপোমনা। খল্লি, মসি ময়ামসি থাদোক্তুনা ঐনা করম্নো ইন্দিয়াদা চৎকদবা!

নোংমদি নুমিদাংগী চাক চাগে হায়না তোঞ্জাউ মপা-মচা অহুম ফমথবতা ঙায়রি। মপালদা ময়াং-পাঙল খরা লাকপগী মখোল তায়-খরা খঙবগুম তৌবা খোঞ্জেল অমনা কৌরকই- তোঞ্জাউ ভাই, য়ুমদা লৈবিবরো? কনানো হায়না মপাললোমদা য়েংথোক্লগা তোঞ্জাউনা খুম্মি- ওঃ লৈয়ে, ফম্মু ঙহাক্তা। অদুবু মখোয়দো শুমাং নত্রগা মাঙ্গোলদা ফম্বদি লায়রনা চুমদ্রিং ইমুঙ তান্না হোৎচিল্লকই। তোঞ্জাউনা খল্লি, ঐখোয় অসোৱাইগী ময়াং-পাঙলদি খক মৈতৈ ইমুঙদা চঙদে। মখোয়সিদি কনানো হায়না চাক চাগে হায়না তোৎখৎলম্বদু থুনা মখূৎ হামদোক্লগা হৌগৎলি। অদুবু হৌগৎপা নঙদে। পরপ পরপ চঙশিল্লক্লগা কিৎ কিৎ নম্না ফায় মপা-মচা মখোয় অহুম্মু। মখূৎ তুংওইননা পুল্লি, মমিৎসু ফদি অমুবনা পুনশিল্লি। খূৎ য়াঙঙি-মীকুপকী মনুঙদা থবক লোইশিল্লি। মমিৎ পুন্দ্রিঙৈদা তোঞ্জাউনা উহৌরি মচানিপা সুনীলগা লাইরিক তম্মিন্নবা সুন্দর আলী য়াওরকই মখোয়গা লোয়ননা। মাদি থংনবা লৈকাইগীনি। তোঞ্জাউ ভাব তাই সুন্দর আলীনা লম্বী তাক্তুনা পুরকপনি। মথরায় চাকমনখিনা হায়, সুন্দর আলী নঙমক্না! করিসু খুম্মকতে সুন্দর আলীদো। মখূৎ-মমায় পূনবা লোইরগা চিংনা পুথোরকই মখোয় অহুমবু। মপাল থোরক্লগদি খঙঙে মখোয় অহুমতা নত্তে, অতৈ মৈতৈ খরবুসু মখোয়না ফাদুনা পুরক্লম্মি। থৌরী পূল্লগা চিংদুনা পুই মখোয় ময়াম্মু। লম্বী চৎলি চৎলিঙৈদা অমা

অমা তৌনা ৱা ঙাঙনরকপদা তোঞ্জাউনা খঙবা ঙমখি মখোয় মপা-মচা অহুম নত্তনা কারামগী নাতেক, শারংবম শাগৈগী চন্দ্র অমসুং কাঙাবমগী নরেনসু য়াওরি। ময়াংশিংসিনা মখোয়বু চিংদুনা পুবসে কদায়দা পুরিবা, কদোমদা চৎলিবা, করিগীসু ফাবনো মরম করিমত্তা খঙদে তোঞ্জাউ। অহিং থেংজিল্লকয়ে হায়বসিদি খঙঙি; মীচিক মীরাওখোল তাখিদ্রে, লম্বী চৎপদা মী অমত্তা থেংনবগী মখোল তাদে। লম্বীসু ফৎতবা, মদুগী মথক্তা মীৎ খুমজিল্লগা খূৎ তুংওইননা পুল্লগা চিংদুনা পুবনিনা লম্বী চৎপা য়াম্না ৱাই। কয়ারক খুদি থিনবসু য়াওই। অদুবু মীনুংশি য়াওদ্রবা মীহিংচাশিংদুগী থম্মোয়দা নুংশিবগী মরীকমতা পক্তে। মশম পায়না কন্না চিংখৎলগা কিন্না ৱাই, খোঙথাং য়াংঙু হায়না নিংজোলদা খুদুমনা শুই। ময়াংশিংদুনা ঙাঙনবা ৱা মচেৎ মচেৎ তাবদগী তোঞ্জাউনা খঙবা ঙমখি মখোয়শিংসে বাংলাদেশকী নীংতম লান য়াদবা কাঙবুনি। মখোয়না হায়– মৈতৈশিংদি লোইনা আওয়ামী লীগতা ভোট পীরিবনি, নীংতম লানবু য়াবা-শৌগৎপা মী'শিংনি। মখোয়বুদি অফং-অফং মফমদা ফাদুনা হাৎকদবনি। সুনীলগী ৱাসু পনখিবগুম তৌই মখোয়না ঙাঙনবদা, মাদি 'মুক্তিফৌজ'তা চঙখ্রে হায়নসু হায়। মতম ফনা কুইরে মখোয়না চৎলক্লিবসে। পুঙ মরীরোমদি ফাররিনি। কদায় য়ৌরবা খঙদে। মফম অমদা মখোয় ময়াম্বু ফম্মু হায়না ফমহল্লে। তুরেল মপাল ওইবগুম তৌই। অইংবা নুংশিৎকী ইপোম অমনা তপ্না থেংলৈ মশাদা। ঈশিং চেনবগী তপ্প' তাম্থা'মসু নাকোংদা য়ৈরৈ।

ঙহাক তুমিন তুমিন লৈনৈ ময়াম পুম্নমক। করি করিনো ফিস-ফাস ঙাঙনবগুমসু তৌই ময়াংশিংদো। ঙহাক মতুঙদা করিনো মখোল অমা তাই, মদুগা লোয়ননা কনানো'মগী অরোয়বা খোল্লাউ। মীহিংচাশিংদুনা ঙাঙনবদা খঙবা ঙমখি– মখোয়শিংদুনা মী অমবু থাঙনা য়াম্থৎলগা তুরেলদা ইম্থখ্রে হায়বা। মদুদগী অমগীমুক খোল্লাউ তায়। তোঞ্জাউ মশীং থী– অমা, অনী, অহুম..। পুক্লিংদা অকিবা পোক্লকই তোঞ্জাউগী। খল্লকই, ঙসিদি পুন্সি অসি খমউ হায়না তমখ্রবোইরে। অদুবু হৌজিকমক শিদি শিনিংখিদ্রেদা সৈত্য। হিংনিংঙি মতম খরদগা–তৌগদবা থবক য়াম্মিনা মাগী। মমোন্দা লোন্না শোঞ্জে মাগী ইষ্টদেব শ্রীকৃষ্ণবু। নিংশিংলকই চহী কয়া মাগী পুন্সিগী লোয়নবী ওইরক্লবা জিনিবু, মাগী মচানিপা য়াইমা সুনীলনা কদায়দা লৈরিবা, করম তৌরিবা। মাগা ফামিন্নরকপা মচানিপা অহল রাধাবিনোদ অমসুং অতোম্বা ইপোমগী মরাইবক্তনা করি লৈরিবা! অদুদগী কদোমদগী থাঙনা য়াম্থরকপা করিমত্তা খঙহৌদে তোঞ্জাউ। শিরে খন্না কাওথরকপনি তুরেলদা। ঙহাক জ্ঞান মাঙঙুই। তুরেলগী ঈশিং অইংবদা লুপ্লি লুপ্লি তাউথবদা জ্ঞান খংতা তারকই। মরাইবক ফবদগী তুংওইননা পুল্লিবা মখূৎকী থৌরি খরা কোমথোরকপগুম তৌই। তপ্না তপ্না লৌথোকচৈ। মশাদা ফি অমত্তা য়াওরমদে। জ্ঞান নিংথিজনা তারকই–নিংশিংলকই করম হায়না করি থোকখিবনো। পাকথ-পাকথনা তুরেল লাম্থোক্লগা অসোমগী ফিবানদা কাখৎলি। মদুদগী পোথা পোথানা তুরেলগী তোর্বান ওইনা ঈচেলগী হঙ্গৎনা চৎলি; খঙঙি, তুরেলগী মরিল ইন্দুনা চৎলবদি শোয়দনা ময়ুমদা থুংঙুগনি–মাগী য়ুমদসু তুরেলগী হেক তোর্বান মনাক্তনি।

কয়া কুইনা চৎলক্লবা খঙদে, অদুবু ময়ুম মনাক নকশিল্লক্লে হায়বসিদি খঙঙি তোঞ্জাউ। হিদেন মপা'মদা ঙহাক লেপ্পগা য়েংঙি, মসিদি অৱাংলৈকাইগী হেক থংনবা ময়াং খুল বড়জুমগী হিদেননি; হেক মথক্কী হিদেনসিনা মখোয়গী য়ুমগীদুনি। তোঞ্জাউ ঙহাক ৱাখল তৌই, হৌজিক য়ুমদা চংঙুবদি চুম্মোই; য়ুমদুদা ফত্তবা ময়াংশিং লৈরম্বা য়াই। মদু খল্লদুনা বড়জুমগী হিদেনদা কাখৎলগা মাগা য়াম্না চান্নবা ময়াংনিপা ইছব আলীগী য়ুম তম্না চঙশিল্লি। নোংঙাল্লমদাইগী মতমনি। লোইনা নুংঙাইনা নিদ্রাগী তম্পাক্তা তুমখুন তাল্লি। ইছব আলীগী মাঙ্গোন কাখৎতুনা থোঙ থিল্লুই তোঞ্জাউনা। তাদে। অনী-অহুমলক কন্না কন্না থোঙ থিল্লবদা তারবরা করিনো ইছব আলীনা খোল খরা কল্লপ্না হংঙকই– কনানো?

ইছব ভাই, ঐনি, ঐ তোঞ্জাউনি।

তোঞ্জাউ ভাই, অহিং 'সুক থেংবসিদা করিনো, কৈদৌনরে? খরা পাখৎলপ হংঙকই ইছব আলীনা।

পাখৎতনবা তোঞ্জাউনা খোল নেম্লপ্না হায়, নত্তে, কৈসু তৌদেদা। নঙ অমুক্তা মপাল থোরকউ।

ঙহাক লৈরগা ইছব আলীদো থোঙ হাংদোক্লুনা থোরকই। থাউমৈ কুপি মচা'মা পায়রগা মঙক লিৎথোক্লুনা য়েংঙকপদা তোঞ্জাউগী মফি-মরোল য়াওদবা, মশা 'পুম্বা ঈ-না পুমঙাং ঙাঙলবা মূর্ত্তিদু উবদা কিরদুনা 'ওঃ আল্লাহ' হায়রগা থোঙ লোনশিনখ্রে। অকিবনা নিক্লবা খোঞ্জেলদা হায়রকই– তোঞ্জাউ ভাই, নঙ মফম অসিদগী থুনা চৎখ্রো। মী অতৈনা উখ্রগদি বেরা থোক্লনি।

ইছব ভাই, কিগনু। কৈসু তৌরোই, ঐ নঙগীসিদা লৈগেসু হায়বা নত্তে। নুমিদাংদা ঐবু রাজাকারশিংনা ফাদুনা পুরুরে। ঐগী তৌরিবা মূর্ত্তিসি উরেদনা। ইশাদা ফি অমত্তা য়াওদে। ফি অমত্তংদি পিনৌ ঐঙোন্দা। ঐ হৌজিকমক ইন্দিয়া য়ৌননবা চৎখ্রগে।

ৱাদু তাবদা ইছব আলীনা থোঙবা নামা কাথোক্লগা লুঙ্গি অমখক পিরকই। মদু হকচাংদা কাবক কাবক য়েৎশিল্লগা তোঞ্জাউ অমুক তুরেললোমদা কুমথখ্রে। মদুদগী অমুক তুরেলগী মরিলদা হঙ্গৎনা চৎপা হৌখি। নোং ঙাম্থোরকপদা বাংলাদেশকী বর্ডার লান্দুনা ইন্দিয়াগী সাবডিভিশন ওইরিবা খোয়াইগী মৈতে খুন্দাবা খুল অমগী হিদেন মপা য়ৌরি। খোয়াই টাউন য়ৌরে হায়বা হেক খঙবদা হিংঙেদনা হায়বগী নুংঙাইবা অমসুং অপেনবনা থুক্কৎখিদুনা 'সুম লৈরাইদা ৱাম্থদুনা হায়থখ্রে তোঞ্জাউ।

হাসপাতালদা লায়কন্নরম্বা তোঞ্জাউনা খরা ফরক্লগা লীবা ৱারীদগী অসি'পুম্বা খঙবনি পামেল।

খোয়াইদা খরনি লৈরবা'তুংদা সরকারনা ময়ামগী লৈফম ক্যাম্প থৌরাং তৌনা পিরবদা বিশগাঁও অমসুং খাজিপুরগী মৈতৈশিং লোইনা কল্যাণপুরগী কুঞ্জবন হায়বা মৈতৈ খুল অমগী মনাক্তা শাবা 'কুঞ্জবন ক্যাম্প'তা লৈখি। ক্যাম্পকী য়ুমশিং শাংনা শাংনা শাই। য়ুম অমমমদা কা তরুক লৈ। কা অমমমদা ইমুঙ অমমম। অদুগুম্বা য়ুম অশাংবা কুন্থ্রারোমনি কুঞ্জবন ক্যাম্পতা লৈরিবসে। মৈতৈশিংতা নত্তে বাঙালি হিন্দুশিংসু ফনা য়াম্না লৈ মায়কৈ অমদা। ক্যাম্প ইনচার্জ ওইরিবদু মৈতৈ ওফিসার অমনি; মী য়াম্না ফৈ, ময়ামগী অফ-ফত্তা কূপ্না য়েংশিল্লি। ক্যাম্পকী পুন্সি অঙকপনি–মী ময়াম অমা পূন্না লৈবগী হৌনবী চে-চা, ৱা-ৱা, খৎন-চৈনবা, নুপী ময়াম পূল্লগা মীৱা ঙাওনবা মওং মওংনি; মখল মখলগী অৱাবা-নুংঙাইবা, খুদোংথীবা অমসুং হরাও তয়াম্বগী থৌদোক-ৱাথোক্তনা থল্লবা পুন্সিনি। অয়ুক ওইবগা লাইনদা লেপ্তুনা রেশন লৌবা, খরা অঙাং ওইবনা শঙ্গোম য়েনবগী পরেংদা কোন মচা অমমম য়াদুনা শঙ্গোম মকুপ নৈরগা শেম্বা পাত্রিৎ পারবা শঙ্গোম পুরকপা, খরা নহা ওইবা মশা-মঊ ফবা কাঙবুনা চীংদা চৎতুনা শিং চল্লুবা, নুপী অঙাংনা চাক থোংবা-তল হৌবা–চিনখ্রবা পুন্সিনি ক্যাম্পতা লৈবা মীশিংগী। অয়ুকতা চাক চারবদি নুমিদাংদা তলগা শঙ্গোমগা–কায়বা য়াদ্রবা রুটিননি। মদুগী মরক্তুদসু হরাও-কুম্মৈ লৈরি, অনা-অয়েক থোক্লি, শিবা য়াওনরি; অপাম-নুংশিগী থৌদোক থোকই, লুহোং খোংদোংবসু য়াওরক্তবা নত্তে–পুন্সিগী খোঙথাংদি অমত্তা লেপ্তে, মহৌশাগী মতৌগুম চাং নাইনা 'সুম চেৎন্থে। পামেলসু ময়ামগী ঈচেলসিদা তুরেল ঈচাউদা তাউবা কৌশিংগুম 'সুম তাউথদুনা চৎলি। ইপোমগী পাবুং তোঞ্জাউ ফরে, হান্নগুম থবক-থনা লোইনা তৌবা ঙম্মে। মীহাৎপশিংদুনা অমম্বদা থাঙনা য়াম্থরকপদুদা শোয়খিদুনা মঙকশমদা থোক্তনা মনঙ্গলদা তাখিবনি। মদুদা মহাক য়াম্না থীনদি শোকই হায়ববু মথৱায়দি মাঙখিদে। মী-না ঙাঙনৈ মাগী চেঙ লৈবনা হিংঙকপনি। ইপোমগী পাউদি অমুক তাখিদ্রে–অতৈ ফাখিবা ময়ামদুগীসু করিমত্তা আশা লৈত্রে। মতমনা কুইশিল্লক্লবদা অয়াম্বগী ইমুঙ মনুঙনা লৈখিদ্রে হায়বা অরেপ্পনি খন্দুনা মখোয়গী আত্মাগী সদ্‌গতি ওইননবা ধর্মগী হৌনবী থৌরমশিং পাংথোকনখ্রে। তোঞ্জাউগীসু অদুমঙাই। অদুবু জিনিতদি খক থাজরুবা তৌদে মাগী মচানিপা অতোম্বা ইপোম অমুক হল্লক্লরোই হায়বসে। মানা য়াম্না থাজনা হায়, মঙদা উরম্মি, ইপোমবুদি মখোয়শিংদুনা অঙাংনি হায়না হাৎপিদে; বন্দী তৌদুনা থম্মি। হয়েং বাংলাদেশনা নীংতম্লবা মতমদা ইপোম শোয়দনা হল্লকখিনি। জিনিনা অখণ্ড অহৈশিংদা য়েংহল্লি, পাঞ্জি গোনোক কয়াদা তান্নে, মাইবী লাইফাউবদা শেল হুল্লি; মফম পুম্নমক্তা ইপোম হিংঙি, মফম'মদা অফা-অপুন তৌদুনা লৈরে, মাগী দোশা লাল্লগা মতম্মদা শোয়দনা থোরকখিনি হায়না ফাওরকই। জিনিদি থম্মোয়শেংনা থাজে, মাগী ইমুঙ মনুঙসু



CamScanner

থাজবদুদা শরুক য়াই। মখোয়না ৱানা ঙাই, করম্বা মতমদা বাংলাদেশ নীংতমগদবা। সুনীল নীংতম লান্মী ওইনা লানদা য়াওখ্রে, মোহেন, নীলচান অমসুং বিশগাঁওগী মৈতৈ মচা খরমসু লান্মী ওইনা চঙখ্রবনি। পামেলসু য়াওগে চৎলুবনি। অদুবু খুদোংথীবা অমদগী য়াওবা ঙমখিদে। হল্লকখি। অদুবু মৈতৈ মচা ময়াম খোমজিন্দুনা লান্মী ওইবগী ট্রেনিং ক্যাম্পতা থাবগী থবক্তি লেপ্তনা তৌরম্মি।

১৯৭১ খ্রিষ্টাব্দগী ডিসেম্বরগী তাং ১৬ নি। নুংথিল পুঙ ৫ তাবদা ঢাকাগী রেসকোর্স লম্পাকতা পাকিস্তানী লান্মীশিংনা খূৎলায় থাদোক্লুনা নীংতম লান্মীশিংগী মফমদা ফোংনা চঙজবগী থৌরম পাংথোকপগা লোয়ননা থা মাপলগী শাথীনা মাঙ-তাক্লুবা, ঈমু-নাইমু তারবা বাংলাদেশকী নীংতম লান লোইশিনখি—শক্তম লৌখি ময়েক লারবা 'লানঙম নুমিৎ'। পাকিস্তান আর্মিগী ইস্টার্ন জোনগী চীফ লেফটেন্যান্ট জেনারেল আমীর আবদুল্লাহ খান নিয়াজীনা লুচিংদুনা পাকিস্তানগী আর্মিনা নীংতম লান্মীগী জোয়েন্ট কমাণ্ডগী ইস্টার্ন জোনগী চীফ ওইরিবা লেফটেন্যান্ট জেনারেল জগজিৎ সিং অরোরাগী মফমদা মশাগী খূৎলায় শিন্নদুনা অমসুং 'ইন্সট্রুমেন্ট অব সারেণ্ডার'দা সহি থাদুনা চঙজবগী থৌরম পাংথোকখি। বাংলাদেশকী নীংতম লান্মীগী মীহুৎ ওইনা গ্রুপ ক্যাপ্টেন এ কে খন্দকারসু থৌরমদুদা শরুক য়াখি। মসিগী খরনি মমাঙদগী পাকিস্তানগী আর্মি অমসুং মখোয়গী লোয়নবা রাজাকার, আলবদর, আলশাম্‌স্‌ হায়বা মীহিংচাশিংদুনা অখন্ননা বাংলাদেশকী শক্লাইরবা ওজা, ডাক্তার, কবি অমদি মশক নাইরবা মীওই কয়াদংবু থিন-থিনা পুথোক্লগা লোন্না হাৎখি। ওন্থোক্লা তমথীরবা মীহিংচাগী শাজৎনি মখোয়না চৎখিবসে। বাংলাদেশ নীংতম্লবদা ইন্দিয়াদা চঙজফম থিদুনা লৈরম্বা বাংলাদেশকী মীয়াম খরা খরা তৌনা নীংতম্লবা বাংলাদেশতা হল্লকখি। বিশগাঁওগী মৈতৈ ময়ামসু অৱা-অনা, থৌদোক-ৱাথোকনা থল্লবা ক্যাম্পকী পুন্সি লোইরদুনা হল্লকখি ময়ুম ময়ুমদা। তৌইগুম্বসুং য়ুম হায়ব'মদি লৈরমদ্রে, পোৎ-চৈ, ইঞ্চোল করিমত্তা লৈরমদে। অদুবু মতমগী খোঙচৎতি লেপ্পা হায়বা লৈতবনিনা নৌনা'মুক পুন্সিগী মঙ মঙবা হৌখি—য়ুম কৈ শাদুনা লৌউ-শিংউদুনা চৎথবা হৌখি পুন্সিগী লোইনাইদ্রবা খোঙশানদা।

বিশগাঁওগী লানগাইনরুবা মৈতৈ ময়াম মপুঙ ফানা হঞ্জিল্লক্লে। য়ুম-কৈ লৈরমদবা অমুক নৌনা য়ুম শান্নরে, মাগী মাগী থবক্তা মায় ওনশিন্নরে। ছাত্রশিং অমুক লাইরিক তম্বা হৌরে, স্কুল-কলেজতা কারে, পরীক্ষা থারে। পুম্নমক হান্নগুম পুন্সিগী তঙাইফদ্রবা ঈচেলদা চেন্থনরে। অদুবু লোইনমক হান্নগুম চপচানা হেক্তা হঞ্জিল্লো হায়বদুদি কৈদৌঙৈসু য়াদে। মতমদি মাগী লেপ্পাইদবা খোঙচৎতা লেপ্তনা চৎখ্রবনি অয়ুক-নুংথিল-নুমিদাং, নুমিৎ-চয়োল-থাবুম কয়াগী পল লান্দুনা। অদুনা অহোংবা খরদি 'সুম লাকখি বিশগাঁওগী পুন্সিদা, অহাঙবা খরদি লৈখি, মেনবা য়াদ্রবা অহোবা খরদি লৈহৌবা তাখি। মমা লমদমগী নীংতম্বগীদমক্তা মথৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা নীংতম লানদা চৎলুবা সুনীল, মোহেন, নীলচান অমদি অতৈ মৈতৈ লান্মীশিং লান লোইরবদা লানঙম ফীরান পায়দুনা মঙক ৱাংনা থাঙ্গৎলগা মায়পাকপগী মশেক-মঙাল শন্দোক্লুনা ময়ুম ময়ুমদা হল্লকয়ে। অদুবু মশাগী মরানয়ায়দা ইং-তপ্পা নুংঙাইনা লৈহৌবা রাধাবিনোদ, ইপোম, নাতেক, চন্দ্র, নরেন—মখোয়দি কদায়? অঙকপা নত্রা ঈশ্বরগী ৱায়েলসে? অদুম্মকপু হায়নরিবনি,

মতম্না খ্বাইদগী অথোইবা হিদাকনি। মতমগা লোয়ননা অনাবা কয়া ফখি, অৱাবা কয়া কাউখি, অশোক-অপল কয়া কোকখি। নীংতম লানদা থৱায়গী পোস্থা পিখ্রবা, নীংতম লানগী শহীদ ওইখ্রবা রাধাবিনোদ, ইপোম, নাতেক, চন্দ্র, নরেনগী ইমুঙমনুঙ খরা-খরা তৌনা কাউরকখি মখোয়বু কায়নবগী অৱাবা। জিনিতদি কাউবা ঙমদে মাগী মচা অনী রাধাবিনোদ অমসুং ইপোমগী ৱা। রাধাবিনোদকী ৱাসু থমখ্রো, ইপোমগীদমক্তনি মানা অয়ুক-নুংথিল খায়দনা খল্লিবসে। মনাওনুপী রোসোনা মাগী মখূৎ পায়না শিন্নরম্বনি ইপোমবু। হয়েং লাইরমলেনদা চৎখ্রগা করি হায়না পাউখুম্মুগনি রোসোদা? 'ইচেমহল, ঐগী ইপোমদো করম তৌহৌরি' হায়না হংঙকপদা করি পাউখুমনো মঙোন্দা পিগদবা? মসি খল্লুবদা জিনি তূম্বা-চাবা মফম খঙদে। মানা য়াম্না চেৎনা থাজবা অমসু লৈ মদুদি ইপোমদি য়াম্না অঙাংনি হায়না ফাখিবা কাঙবুনা কৈদৌঙৈসু হাৎপিরম্মোই। বন্দী তৌদুনা থম্লগা মীওৎ-মীনৈ কয়া তৌরম্লবসু হৌজিক্তি বাংলাদেশ নীংতম্লবনিনা ইপোম শোয়দনা হল্লক্লনি। পাঞ্জি-গোনোক কয়ানা, মাইবা-মাইবীনসু ইপোমদি হিংলি হায়না হায়খিবনি। জিনিসু চেৎনা থাজে মাগী ইপোমদি শোয়দনা হল্লক্কনি। অদুনা মানা নুংতিগী নুমিদাংৱাইরমদা পামেলখোয়গী য়ুমগী মনিঙদা লৈবা সোরোক কারোংদুদা ফম্লগা নোংচুপ পাংনা য়েংদুনা লৈ করম্বা মতমদা ইপোম হল্লক্কদবা হায়না। মরক মরক্তা পামেলসু থোক্তুনা জিনিগী নাক্তা ফম্মি। অৱা-নুংঙাইগী ৱারী কয়া শান্নে। নুমিদাংৱাইরমগী অমুবা ফিজংনা তপ্না তপ্না মালেম অমসুং অতিয়া শিন্না কুপশিল্লক্লবদা লম লাপ্না চাক্তারুবা উচেক-ৱায়া শঙ্গু-শঙ্গুসু শাখপ তোয়না পাইনরকই মকোল তম্না। মদু উবদা নোংমা জিনিনা পামেলদা হায়- য়েংঙু য়েংঙু পামেল, উচেকশিংসিদফাও নুমিৎ তারে হায়না ময়ুমদা হঞ্জিন্নরকই। ইপোমদি হল্লক্কনি হায়বা খঙদ্রিবা করিগীনো? লান লোইরে, নীংতম্লে ঈরৈবাক। মাসু লাকপা য়ারেনা।

খুমফম খঙদে পামেল। হায়- ইমহান, কনানা খঙবগে ইপোমদো কদায়দা, করম্বা মওংদা লৈরিবা। লাক্কে হায়রগা হেক য়াদবা মওংদসু লৈরম্বা য়াইদনা।

হোয়নে ইবুংঙো, ঐনা হায়রিসু মদুনি। অমুক্তদি থিদুনা য়েংবা য়াইদনা মাবু কদায়দা করম্বা জেলদগাক বন্দী ওইনা লৈরিবা জাৎলা? নঙসু মী কয়া খঙনৈ, অথাপ-অথাপ্পা মফমদসু চৎলি; নঙসু য়েংঙুদনা পাউগাক লৌদুনা।

হোয় হোয়, য়েংগে ইমহান। হৌজিক হৌগৎলো য়ুমদা চৎলসি, মমশিল্লক্লে।

'হোয় হোয় ইবুংঙো' হায়রগা শজিক মথক্তা ফম্রেকননা ফম্লম্বা ইমহান জিনিদো চহী মতাঙগা অৱা-অনাগী চৈনাখোলগনা য়াম্না শোকচিল্লবা হকচাংদো ৱানা চিংখৎলগা লৈমায়দা শৌরদুনা হৌগৎলকই।

মীওইবা পুন্সি হায়বসে অঙকপনি। কপ্পগা নোকপগা মচিন-মনাওনি হায়বগুম অৱাবা-নুংঙাইবা, হরাউবা-খুদোংথীবা পুন্নমক লোইনা অমগা অমগা খূৎ শম্নলা লাকই। কনানসু থিংবা ঙমদে মখোয়গী খোঙচৎ। অসিগুম্বা ময়ামগী ময়ায়দনি ওন্থোইদুনা লৈরিবা ঐখোয়গী পুন্সিনা। লানগী অকনবা চৈথেং ফংলবা বিশগাঁওগী মৈতৈ ময়ামগী পুন্সিদা হৌজিকসু হান্নগুম চনিং তাবা ফিবম'মা লাক্রি। চান-থক্লবা হোৎনবদতা ৱানা মতম লেঞ্জরিবা মখোয়নি। অদুবু মসিগী মনুঙদসু হরাউবগী-নুংঙাইবগী তাঞ্জা 'সুম লাকই, অৱাবগী খোঞ্জেল নমহৎতুনা ফাওরকই হরাউবগী মীনোক।

লানগাইনদুনা ইন্দিয়াগী ক্যাম্পতা লৈরুবগী অৱা-অনাগী ফোং ফোং শারবা স্মৃতি কয়ানা হৌজিকসু মখোয়বু কোইতান তানরি। নীংতম্লবা মরৈবাকতা হল্লক্কুনা নৌনা'মুক পুন্সিগী খোঙশান হৌবা কুইদ্রি-থা অনী অহুমতমক শুরি। মসিগী মনুঙদা মতমগী খোঙলৈ মতুঙ ইন্না শজিবু থুংঙখি মখোয়গী পুন্সিদা। শজিবু হায়বসি মৈতৈশিংগীদি য়াম্না চাউরবা অমসুং অরুবা কুম্মৈ মখলনি। চহী অনৌববু তরাম্না ওকপগী থৌরম কয়াদং পাংথোকই মখোয়না। মসিগী থৌরম পরেং অসি শজিবুগী মমাঙগী নুংদাংদগী হৌই। মৈতৈশিংগী থাজনবা অমসুং চৎনবী মতুঙ ইন্না হায়রিবা নুমিদাং অসি য়াম্না অরুবনি। নুংদাংসিদা লাইয়ামশিং খুন্দিন্নৈ অমসুং মথংগী চহীদা কনাগী মরাইবক্তা করি তমই হায়বদু য়েন্থোকই। অদুনা মৈতৈশিংনা, মরু ওইনা লৈশাবী পাখংশিংনা, নুংদাং'সি য়াইরেক্লুগা ময়াম পুন্দুনা লিকোন শান্নৈ অমসুং হরাউ-তয়াম্না লেল্লি। মদু ওইরগা মথংগী চহীদুসু হরাউ-তয়াম্না লেনগনি হায়না মখোয়না থাজনৈ। শজিবু নুমিৎতু অয়ুক ঙন্না ইবুজরগা য়ুমলাই সনামহীগী পূজা তৌই। হেঞ্জাং মথেল চামগা নিপালমক শুদ্রবসু নিপালতনা শক্লদুনা য়ুমলাইদা কৎলি-কৈরোল লৈকাইগা হেঞ্জাং লান্নৈ অমসুং ইমুঙ মনুঙ ময়াম ফম্মিন্নদুনা চামিন্নৈ। শজিবু নুমিৎতা ঙা-চাক তৌনদে-নিরামিষ হেঞ্জাং শিজিন্নৈ। নুমিৎ'সিদা নত্রগা মমাঙথাবা নুমিৎ'মদা উমং লাইদা চাকথা পী-মদুবু 'শারোয়-ঙারোয় থাবা' কৌই। মথংগী নুমিৎ হায়বদি অনৌবা কুমগী অহানবা নুমিৎতগী হৌদুনা নুমিৎ মরীনি চুপ্পা অনৌবা কুমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম কয়াদং পাংথোক্লে। থৌরমশিংগী মনুঙদা লৈরে-লিকোন শান্নবা, কাং শান্নবা, থাবল চোংবা জগোইনচিংবা। শজিবুগী মঙানিসি অকনবা নত্রগা অৱুম্বা থবক-থনা পঙনা তৌনদে-ময়াম পুন্নমক হরাউ তয়াম্না শান্ন-কুম্মৈদা শৱক য়াদুনা অনৌবা কুমবু তরাম্না ওকই।

ঙসিদি শজিবু মঙানিগী অরোয়বা নুমিৎনি; লৈশাবী-পাখং য়াইরেক্তুনা লিকোন শান্নবা- 'জাগরন' নুমিৎ। লৈকাই লৈকাইগী মান্দোবতা খঙদে, খুদোংচাবা য়ুম অমগী মাঙ্গোলদা খঙদে ময়াম পুন্না লিকোন শান্নবগী থৌরাং শিন্নৈ। পামেলখোয়গী লৈকাইদসু কারাম লৈকাইগী অরুনখোয়গী মাঙ্গোলদা ঙসি লিকোন শান্নদৌরি। অরুনদি পামেলগী

মমান্নবনি, মানা কন্না হায়বদগী পামেলসু চৎপনি লিকোল শান্নফমদা। অদুবু ময়াম্বা নত্রগা ময়াম্বগুম্বা মথকথোংবা কয়াদং য়াওবদুদা পামেল হেক চঙশিন্দুনা শান্নবা য়াওদে। মপালদা মমান্নবশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নদুনা লেল্লি, শুমাঙদা লেপ্পগা ময়াম্মা শান্নবদু ঙহাক য়েংবসু য়াওই। মীগী ইজ্জোলদগী উহৈ-ৱাহৈ হেক্কুনসু চাই। নুংদাং খরা থেংজিল্লক্লবদা অরুননা হায়রকই– চৎসি পামেল, তুরেল মপাললোমদা কোয়থোকউসি; মপা চানরুরগা তুরেলদা খোই থাক্লরিবা কাঙবুগী খোইদা শরেংগাক থুরম্বসু য়াই। লাইবক-শা চুম্মুরবদি ভান্দ্রা'মা চাথোকপসু য়াই কৈদৌগে।

অস্, য়াম্মা ফজখ্রবা প্রস্তাবনি। হরাউনা য়াই পামেল। চৎসি চৎসি লাকও, হায়না মখোয় মমান্নবা মরী তুরেল তোর্বানরোমদা খোঙশাল্লি।

চৎনা চৎনা মখল মখলগী ৱারী শান্নে মখোয় মমান্নবশিং। অতোলপিশকনা হায়রকই– হন্দক্কী শজিবুসিদি য়াম্মা নুংঙাইগদবা মওং'মা লৈ হায়না মী-না কন্না শোন্নরি।

অদুদি করম্বা মওংগী? ঙাইঙমদনা তরুননা হংঙকপনি।

নোকমি নোকমি তৌই অতোলপিশক। হন্দক্কী শজিবু মনুঙসিদা অহল-লম্মননা য়ানদবা মফমদা নুংশিনবা পাখং-লৈশাবী খরা লোন্না চেন্নগদৌরি হায়নৈ।

পামেলনা ফাগি তৌই– নঙদি অসিগুম্বা পাউসি য়াম্মা তারম্মিপোৎনিনা!

নত্তে, মী-না ঙাঙনবদা 'সুম তাবনি। ইন্দিয়ারোমদগী গৌরনগর, কোর, খোয়াইনচিংবা মফম কয়াদগীসু মৈতৈ পাখং-লৈশাবী কয়া লিকোন শান্নবা য়াওবা লাকই। মসিসু মী-না অসুম্মা ঙাঙনবগী মরম্মনি।

অদো, গৌরনগরগী পিশক হায়বীদুসু লাকইবরো? পামেলনা খঙনিংনা হংঙকই। মাদি ঐখোয়গী কাকা নীলচানগা মরী'মসু লৈনৈগাক হায়নবনি।

কাকা নীলচান হায়রিবসে থৌনা ফরবা নীংতম লান্মী অমনি। লানদা ইচং থৌ-না শরূক য়াদুনা লানঙম ফীরান পায়দুনা হল্লকখিবা নীলচান পামেলখোয়গী মীৎয়েংদা য়াম্মা ৱাংনা লেম্মা লৈখ্রবনি। লানগী মতমদা য়েক্লবা মায়োক্লবদা মানা উৎখিবা থৌনা-পাঙ্গল ঙসিসু ময়াম্মা শিংথানবগা লোয়ননা ৱারীনরিবনি। অদুগা মসিসু কনা কনাগুম্বনা হায়নবা য়াওই নীলচাননা লানগী মতমদা অরুবা ওপারেশন কয়া চৎলুরগা হল্লকপদা তাঞ্জা য়েংদুনা হেক হেক পিশকখোয়দা পোথায়। পিশককী অহল-লম্মন অমসুং পিশক মশামক্লসু নীংতম লান্মী'মনি হায়না নীলচানবু য়াম্মা ইজ্জৎ তৌই। মদুম্মা খরা তোয়না উন্নবা অমসুং তিন্নরকপদগী নীলচানগা পিশককীগা মনুঙদা অরোনবা নুংশিনবগী মরী অমা শক্তম লৌখি।

পামেলগী ৱাদো তাবদা অতোলপিশকনা ইশি-শিনা নোক্লগা হায়, পামেল নঙসে ওম্লোকপনি, পিশক লাক্লা অরুনখোয়গী মাঙ্গোলদা লিকোন শান্নবা য়াওহৌরিদুবু নঙ উরক্রো? নঙসে ওম্লোক্লা মমিৎ লনবা মী হায়দুনি!

করি? মীৎ লনবা! পামেল থৱায় তানা পেন্না নোকই। নত্তে, মীৎ লনবা হায়বসিবু করম হায়না তৌরিনো?

করম হায়না হায়ববু করিনো? নঙনা তৌরিদুনিনা। মাঙ্গোল থন্না, পুমঙান ঙান্না, খ্বাইদগী ইতোপ তোপ্পা কাকা নীলচানগী মনাক্তা ফমদুনা লিকোন শান্নহৌবদুবু নঙনা হেক্তা উরক্তবসিদি করি হায়নি, নমিৎ লল্লি হায়দ্রদি।

ময়াম ব্রা লাউনা নোকই। পামেল খরা ইকাইরপ তৌই। হায়রকই- ফরে, অদুদি হৌজিকমক হল্লসি, য়েংঙুসি নোয়গী মাঙ্গোনঙানবী পিশক হায়বীদুবু।

অরুননা হায়- উহুঁ, মদু য়াদে। নঙগী পিশকতো চেনখিরম্মোই, লৈরমখিনি। ঐখোয় তুরেল মপাল য়ৌরক্লবনি-ঙা অমতং ফংব্রা হায়না য়েংখিসি। লাইবক মপা চুম্মদুনা শরেং অচৌবমতং অমগী খঙদে অমগী খঙদে খোইদা হেক থুরম্মবদি হয়েং হেক্তা ভান্দ্রা চানথোক্কনি। মদুদা কাকা নীলচান অমসুং পিশকপুসু বার্তোন হেক তৌরগা লোইরেনা।

অস্ নঙগী বুদ্ধিসিদি থাগৎনিঙায়নিবো বন্ধু, তরুননা হরাওনা পাংশিল্লকই।

'ফরে ফরে' হায়না ময়াম তুরেল মপাললোমদা কুমথরকখি। খোয়াই তুরেলগী শরেংসি য়াম্না হাউই, য়াম্না থাউ থাংঙি হায়নৈ। শরেং ফাবগী মওং য়াম্মি। নিপা-ইন লংনা ফানৈ, ময়াম হৌনা মায়কৈ মায়কৈ লেপ্পগা লোংকুপ তান্না শরেংনচিংবা তুরেলগী ঙা ফাবগী চৎনবীসু লৈ। পামেলগী মামহল মাইপাকতি শরেং ফাননবা লাংশোই অশাংবা শাই। মদুনা ঈশিং অরুবদা ঈরৈগুম্বা মফমদা কূন্না লৈবা শরেং থিল্ল-থিল্লদুনা ফাই। খ্বাইদগী হেন্না চৎনবসি নুংদাং খোই থাকপসিনি। খোই অচৌবদা ঙমু নত্রগা উকাবি অহিংবা লেংশিল্লগা ঈশিংদা ফর-ফর চাহন্দুনা থম্মি। ব্রা অকনবনা শাবা খোইজৈ অদু তুরেলগী তোর্বান-নক্কা অকনবা লৈবাক্তা কন্না য়ুংশিন্দুনা থম্মি। খোইরিদুসু য়াম্না অকনবা লংনা শাই, শরেং থুরগা থদৎনা চৎপা ঙমদনবা। খোইচাক ওইরিবা ঙমু নত্রগা উকাবিদুনা ঈশিংদা ফর-ফর চা-না লৈবদুদা খোই য়াওরি খঙদনা শরেংদুনা ঙা-দু ফানা চারুবদা খোইদা থুবনি। খোইগী মপূশিংদুনা নেংঙাল্লকপদা য়াম্না ঙন্না লাক্লুনা খোই কাইরগনি। নুমিদাং খুদিংগী অমগী নত্রগা অমগী হেক্তা থুরমগনি–নুংতিগী শরেং অহুম/মরীদি শোয়দে। পামেলখোয় তুমিন-তুমিন্না ঈশিং মপাল নপ্না চৎলি। খঙহৌদনা অতোলপিশকসিনা লাউরকপনি– এঃ অমা থুরে, অমা থুরে। ফন হেক্তা চোংথৈ ঈশিংদা, ঙাঙনবগাক নঙহৌদে। তরুনসু তুং ইল্লি মাগী। মখোয় অনী চঙনা খোইজৈদু পায়দুনা খরা খরা তৌনা চিংখৎলকই ঙা অদুবু তোর্বান্দা। ফনা চাউরে শরেংদু। মখোয় ময়াম হরাউরি, শোয়দ্রে হয়েংদি ভান্দ্রা চানবা য়ারনি। য়াম্না হরাউ-হরাউনা মখোয় মরীদো অমুক লিকোন শান্নফমদা হল্লকই।

খরনি মতুঙগী ব্রা-নি। ইমহান জিনিদো অনাবা হেঞ্জিল্লি হায়না লৈকাই চাক ঙন্নে। পামেল তাবদা নুংঙাইতে। অমুক্তসু য়েংঙুগে হায়না চৎলি। য়াম্না শোল্লে অহল অদো। ফমুংদগী হৌগৎপা ঙমদ্রে। চাবা য়াদ্রে। খরনি শুরে হায় ঈশিং নত্তনা মখয়াত্তা করিমত্তা তাদ্রিবা। মাইবনা খূৎ থাবা হায়বা ফিবমদু য়ৌরবনি। অদুবু মদুগী ফিবমদুদসু জ্ঞানদি পুমমাঙ মাঙদে। অমুক অমুক জ্ঞান তাদ্রবসু ঙহাক মতুঙদা হেক্তা জ্ঞান তারকই। জ্ঞান তারকপগা ইপোমগী ব্রা হংঙি। মাগী অচেৎপা থাজবনি, ইপোম শিদ্রি–শোয়দনা হল্লকখিনি। অদুনা অউবা খুদিংদা হংগনি ইপোম হল্লক্লবরা–মাগী করিগুম্বা পাউগাক ফংলবরা? মাগী মতৌদুদা কনাসু করিসু খুম্বা ঙমদে–পুম্নমক তঙক তঙকতমক য়েংদুনা লৈ।

পামেলনা চঙখিবদা কন্না লায়কন্নরম্মি জিনি। লাইহৌ কন্না হৌরি হায়। পামেলসু মায়কৈ'মদা তুমিন্না ফমদুনা লৈ। ঙহাক লৈরগা লাইহৌ খরা হন্থরক্লে। হুমাং অনপ্পী

কারে হায়না মমৌনুপীনা কন্না তৈথোকপীরি। তপ্না নাহেরকপদা মমৌনুপীনা চামচনা কন্দুনা ঈশিং চথোম অম'নী ইনবি। খরা নুংঙাইবগুম তৌই। মমিৎ পাংথোরকই। মমৌনুপীনা খরা নোম্থনা মনাকোং ময়াদা তপ্না হায়- ইনেম্বোক, করি চানিংঙি। আঃ য়েংঙুদো পামেলসু ইনেম্বোকপু য়েংবা লাকই। করিগুম্বা'মা হায়নিংবদৌনা মমিৎতো ৱানা লৈথোক্তুনা য়েংঙকই। পামেলবু থিরিবরা করিনো। মমৌনুপীদুনা ইঙ্গিৎ তৌরকপদা পামেলসু মনাক্তা চঙশিল্লি। লৈমায়থক্তা থারিবা ফমদুগী মচি'মদা ফমথৈ। করিনো'মা হায়, মরোল লৌবা ঙমদে। পামেল অতৈসু চঙশিল্লি–নোঙ্থে, ৱা তাগদগী। শোর থবেৎ থবেৎ হোন্না য়াম্না ৱানা জিনিনা পোথা-পোথানা হায়রকই– রোসোদা ঐ করি পাউ তম্মুগনি। পামেল, ইপোমবু থিনা পুরকউ। মা শোয়দনা হল্লকখিনি। মানা হল্লক্লগা নঙ মঙোন্দা হায়যুকো, মমানা মাবু খৌরাংনা ঙাইরম্মি হায়না। ৱা খরদু হায়বদা শোর তৎতগী তৌরি জিনিগী। মমিৎ তপ্না উইশিনখি।

মিৎলু অনীদগী শিন্থরকপা পিরাংগী ঈচেল থিংবা ঙমখিদে পামেল। করিসু খুম্বা ঙম্মমদনা মিৎলু পিরাং লোন্না তৈথোক্লগা তপ্না থোরকখি পামেল।

মদুগী নুমিৎতুদা'সুম লাইগী খুয়া তানখ্রবনি চন্দ্রজিনি।

নুমিদাংচুপ্পা নিংথিজনা তূম্বা য়াদবগী মরম্না ওইবা য়াই কোক য়াম্না নুংঙাইতে পামেলগী। বিপি হায়গৎলবরসু খঙদে-বিপিগী প্রোবলেমসু লৈরবনি মাগী। করি তৌরুনি, চহী মতাঙনা তৌরকইবনি। সুগারসু খরা ৱাংখৎনা লৈ হায়না ডাক্তরনা ৱার্নিং পিরক্লবনি খরা চেকশিন্নবা। হিদাক্কাকপুদি পিরক্ত্রি; অদুমকপু চাবা-থকপা খরা চেকশিল্লু, লাইফ স্টাইলদা ডিসিপ্লিন থম্মু, নুংতিগী খোঙনা খরা চৎলু হায়না কন্না পাউমেনলকখ্রপোৎনি। চহী লৈথরক্লবনিনা পামেলসু খঙঙি খরা চেকশিনবা হায়বসি তঙাইফদ্রবনি। অদুনা চাবা-থকপা হান্নগী নত্রে; য়ারিমখৈ সুগার চাদ্রে, অতে আইটেমশিংসু য়াম্না খল্লে। খোঙনা চৎনবসু হোৎনৈ। নুংতিগী ঙমদ্রবসু তাঞ্জা হেক ফংবগা খোঙনতা চৎলি। ঙসিসু ওফিস কারকপদা মতম খরা লৈবনা রিক্সো'মুক লৌরুদনা খোঙনা'সুম য়ৌননবা লাক্লবনি। খরদুম নুংঙাইবরা খল্লি। ওফিসকী চিনবসিনা করিনো-ওফিসতবু চঙখ্রবদি পুন্সিফাওবা কাউই।

নুমিৎচুপ্পা'মা অৱা-অনা খঙদমখৈ ওফিসকী থবক শুরগা লোইশিন্না থোরকপদদি নুমিদাংগী পুঙ তরেৎ মখায় তাখ্রে। হল্লকপদদি ওফিসকী গাড়িনা য়ুমফাওবা থিল্লকয়ে। ফি হোংদোক্লা মায় মীৎ তাথোক্লগা মৈখু কারবা চাগী কপ অমা পায়দুনা বারান্দাদা ফমথবতা ঙাইরি মোবাইল ফোনদো খোংঙকই। পায়খৎপদা তাদ মোহেন ওইরম্মি। হায়রকই- পামেল, নঙোন্দা সুনীলনা ফোন তৌরকপরা?

খঙদে, তৌরক্তেনে। করি মরমগীনিনা তাদ? পামেলনা হংঙি।

নত্তে, ঙরাংগী পেপারদা থোরকপা ফোটোদুগী মরমদনি। বিশগাঁওদসু ময়াম চঙনা য়েংনরমালে। আদগী ময়ামসু ইপোম মাল্লে, থিরুফম থোকই হায়না ঙাঙনরি হায়। মদুগী মরমদা নঙগসু তাননিংঙি হায়বনি। শোয়দনা তৌরক্কনি। করিগুম্বা ফোন তৌরক্লবদি মুন্না ৱাখল তৌনা তান্নৌ। করি তৌবা য়াবা ফজনা নিংথিজনা খন্নরগা অমা লেপ্নৌ।

হোয় হোয়, তাদ। ফনবা তৌগনিদা।

ফোন থম্না থম্না ৱাখল তৌই পামেল। ঙরাংগী ফোটো অমসুং ফিচার অদো ওম্বোক্লদি ইপোম মানখ্রে; ফিচারদুদা ইরিবা ৱারী, চহী মতাঙ পুম্নমক ওম্বোক্লসু চান-চুনখ্রে। খঙদে, ইপোম ওইরিবরা; ওইরম্বসু য়াই। থিরুফমদি থোকই-থিদবা য়াদ্রবনি। খল্লি খল্লিঙৈদা হায়গুম্মদনা তাদ সুনীলগী ফোন লাকয়ে। ফোন পায়খৎলগা ৱারী শান্নে পামেল।

পামেল, ঙরাংগী পেপারদা য়াওরকপা ফোটো অমসুং ফিচারদুগী মতাঙদা ঐখোয়সিদা ময়াম চঙনা য়াম্না খন্ন-নৈনরি। ঐখোয়গী কাকা-ইন্দোলনচিংবা ইপোমবু

হকথেংননা উহৌবা-খঙহৌবা অহলশিংদি ফোটোসি য়াম্না মাল্লি, হায়রিবা চহী মতাঙনচিংবসু য়াম্না চুনৈ হায়না কন্না হায়রি। হয়েং অয়ুকতো মাইবীদা খেন ফাউহল্লুনি হায়। ঐখোয়গী মনাক্তা ময়াং পীর অমসু লৈ হায়না তায়। মাসু য়াম্না চুম্না চুম্না ফাওই হায়নৈ। মঙোন্দসু য়েংহল্লুনবা খন্নরি। ঐদি পামেল, নঙনা খঙঙিবদুমঙায়, অসিগুম্বা মাইবা-মাইবী, পীর-ফকিরগী মরমসে শুকথা থাজদে। অদুবু ময়ামগী পুক্লিং পেন্ননবা 'সুম য়েংহনবা হায়দুনি।

তাদ সুনীলগী ৱা তারগা পামেলনা হায়– হোয়, অদুবু তাদদি করি খল্লিগে। করম তৌসি হায়রিনো।

ঐগীদি পামেল, অমুক্তং চৎলুবনা চুমগদ্রা খল্লে। মসিগুম্বা মরমসিদি ঐসু কয়া খঙদেদো। রাজশাহী হায়বা মফমদুসু পুন্সিগী খক চৎচদ্রিবা মফমনিদো।

হোয়নে তাদ, ঐসু খক চৎত্রিবনি। অদু ওইরবসু তাদনা চৎকনি হায়রবদি মদুগী লম্বী শিনবদি য়াগনিদা। মফমদুদা হেক খঙনবা লৈত্রগসু মরম-মরী অমা পুথোকপদি য়ানিদা। মদু ঐ শিঞ্জগে। মদুগীদমক খনবিরুনু।

নত্তে পামেল, ঐনা চৎকনি হায়বগী ৱা নত্তে। ঐ ইতোমতনা করিসু ঙম্বা নত্তে। ঐখোয় খরা চৎপা তায়; নঙসু য়াওদবা য়াদবনি। চহী মতাঙদা খরা খেন্নরবসু ইপোমনা য়াম্না তিন্নরম্বসে নঙগনি। ঐখোয়গী ইমানসু নঙগী মথক্তা চাউরবা থাজব'মা থনম্লিবনি। মাগী পুন্সিগী অরোয়বা মীৎকূপ্তুদফাওবা ইমানা ইপোমগী ৱাফমসে নঙোন্দা শিন্নরম্মিবনি। সুনীলগী মখোল ফাজিল্লকই। ৱা ঙাঙবা থোক্তে। ঙহাক তুমিন্না লৈ।

পামেলসু খুম্ফম খঙদে। কপ্লিংবগী ইহৌ'মনা মাগীসু খোল ফাজিল্লকই। সুনীলনা অমুক তপ্না হায়রকই– ঐগীদি চৎপা হায়বসে লেপ্পবনি। অদুম্মকপু হয়েংদো অমুক অরেপ্পা খঙহল্লক্কে। নঙ মসিগী মরম'পুম্বসে অমুক্তা থিজিল্লু। অদুগা চৎপসে নঙসু য়াওদবা য়াদ্রবনি পামেল।

হোয় তাদ, ঐ মদু পুম্নমকতু শোয়দনবা শিঞ্জগে। ঐসু য়াওগনিদা, করিগী য়াওরোইদগে? অরেপ্প'দুতা খঙহনবিরকউ।

ফোন থম্মগা অমুক ৱাখলদা মুল্লি পামেল। কল্পনাগী শগোল-অপাইবীদা তোংদুনা মীকুপ্তা পাইদুনা চৎলি হৌখ্রবা মতম কয়াগী ঈচেললক্তগী লাক্কদবা মতমগী তোর্বানতম্না। খল্লি, ফোটোদা য়াওরকইবা মীওই অসি তশেংনমক্কী ইপোম ওইরম্মবদিকো; ওন্থোক্লসু নুংঙাইগনিদা! অদুবু মাগী কল্পনাগী মপালনাইদ্রবা সমদ্রুদা হীরোয় ওইবদো কুইবা য়াখিদে। চাউবীনা য়াম্না তফিং তফিং চঙশিল্লক্লগা হায়রৈ, করিনো পোথারিবনি হায়না 'সুম ফম্না লৈরগা য়াদৌরিবরো? ঙসি ঐখোয়গী পালিনি হায়বা কাউবিরবরো? পালিগী পোৎ-চৈ লাঙবা লোইরে, অঙাংশিংনা মান্দোবতা হোনবসু হৌখ্রবনি। ফৈজোম-পুময়াৎ হোংদোক্লগা মান্দোব কারো, পালি মপূনি কৈদৌগে খরা হান্না ফম্না লৈরুরবসু। হোরেন ঐজ্ঞাখোয়না হান্না কারম্লবদি পালি মপূ লাকত্রে হায়না থী-না ঙাঙনখিনি।

হোয়নে, ঙসিগী মেরা পালিসিদি ঐখোয়গীনিনা। খরা হান্না মান্দোব কাবা তাবনি। খন্না খন্না পরপ পরপ লোইশিল্লি পামেল।



CS CamScanner

মেরা হায়বা থা-সি মৈতৈশিংনা য়াম্না লুনা লৌরি। মেরা থা-দা মেরা-ৱা য়ুংনৈ। য়ুমথোং খুদিংগী মেরা-ৱা য়াম্না ৱাংনা য়ুংঙগা নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী মদুগী মতোন্দা থাউমৈ থাল্লি। মসি লৈখিদ্রবা অহল-লম্মনশিংগীদমক্তা থানবনি হায়নৈ। মৈতৈগী চৎনরোল মতুঙ ইন্না থা-গী চৈচৎতা লৌবনিনা মেরা থা-সি লক্ষ্মী পূর্ণিমাদগী হৌরগা রাসপূর্ণিমা নুমিৎতা লোইশিল্লি। রাসপূর্ণিমা নুমিৎসি অদুনা মেরা-ৱাফুকপা নুমিৎ হায়নসু খঙনৈ। মেরা থা চুপ্পা লৈকাই খুদিংগী মান্দোব-মান্দোবতা মেরা পালি পাংথোকনৈ–মদুদা রামায়ন, মহাভারত, শ্রীচৈতন্য চরিতামৃত নত্রগা শ্রীমদ্ভগবত গীতাগুম্বা ধর্মগী লাইরিকশিং পাঠ তৌনৈ। লাইরিক পাঠ তৌবসে মী অনী চঙনা তৌই–অমনা ঈশৈ শঞ্জ হাপ্তুনা পরেং অমা-অনী পাই, মথংদা অমনা পাথোকখিবা শরূকতুবু নিংথিজনা মৈতৈলোনদা হন্দোক্লগা তিল্লিবা ভাবোক ময়াম্না খঙননবা শন্দোক্না ৱারী অদু লী। ঈশৈ শঞ্জ হাপ্তুনা অহানবদা পাবসিনা লাইরিক থীবা কৌই, অদুগা মৈতৈলোন্দা হন্দোক্তুনা ৱারী অদু ময়ামদা খঙহনবসিনা লাইরিক হায়বা কৌই। মসিগী থৌরম অসি নিংথৌ হাক্তক্তগী চৎনরক্লবনি। মৈতৈশিংনা হিন্দু ধর্ম মরূ ওইনা চৈতন্য ধর্ম লৌরবা মতুঙদা ধর্মগী লাইরিকশিংদি অয়াম্বা বাংলা লোনদা ইরম্বা, অদুগা মৈতৈশিংনা বাংলা লোন খঙনরমদবা, মদুনা মরম ওইদুনা বাংলাদা ইবা ধর্মগী লাইরিকশিংদো অমনা ঈশৈ শঞ্জ হাপ্লা পাথোক্লগা বাংলা খরা খঙবা অতোপ্পা অমনা মৈতৈলোনদা হন্দোক্তুনা ময়াম্না খঙননবা শন্দোক্না লীবগী চৎনবীসি হৌদোকখিবনি। য়াম্না ফজবা চৎনবীনি। অদুবু হৌজিক্তি মসিসু খরা খরা তৌনা মাঙথরক্লে। হৌজিক্তি অয়াম্বা মফমদা মী অমতনা'সুম ধর্মগী লাইরিকশিংদো পাদুনা চৎলে। তিল্লিবা অয়াম্বা ভাবোকসু বাংলা খঙনরবনিনা মৈতৈলোনদা হন্দোকপগী'মুক মথৌ তানরক্লে। চৎনবী খরা মাঙথরক্লবসু হৌজিকফাওবা থা চুপ্পা লাইরিক পাঠ তৌবা অমসুং মেরা পালি পাংথোকপগী চৎনবীসিদি মাঙদ্রি। লাইগী আরতিনচিংবা লোইরগা লাইরিক পাঠ তৌবা হৌরি অমসুং পাঠ লোইরগা ঈশৈ শকই। মদুদগী প্রসাদী ওইনা ঙম্মোক-হৈমোক য়েল্লি। মসি লৈকাইদুদা লৈবা য়ুম অমমম্না নোংমগী পালি ওইনা পুদুনা থৌরাং'পুম্বা লোইনা শিল্লিবনি।

ঙসিদি পামেলগী পালিনি। পালিমপূ ওইবদগী মানা খ্বাইদগী হান্না মান্দোবতা কারে। অহল-লম্মন অমদি ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব লাক্লগা ফম্নবা ফিদানচিংবা থারে। নুপী অঙাংশিংনা মান্দোব ময়োলদা ৱাই তৈথোক্তুনা ধুপ-থাউমৈ থারে, পালিগী থাঙ্গৎকদবা ঙম্মোক অমসুং হৈ-রানচিংবা পুম্নমক থুম্মোক থুম্মোকতা হাপ্তুনা থম্লে। লাইরিক পাগদবা পণ্ডিতকী ফম্ফম ফিদা, লাইরিককী চৌকি থানা থৌরাং পুম্নমক লোইরে। অহল-লম্মন ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব মথং মথং লোইনা কানরক্লে। অঙাংশিংসু য়াম্না লাকই। অঙাংশিংসিনা কারকইবসিদি লাইরিক তানিংনা নত্তে–ঙম্মোক্নীদমক্তনি। পামেল নিংশিংলকই মানা অঙাং ওইরিঙৈদা মেরা পালিগী মতমসিদা লৈকাইগী অঙাং পুম্নমক পালিগী ঙম্মোক চাননবা নোংমা কায়দনা পালি চৎলি। অদুগা লাইরিক তাবা নত্রগা পালিগী খরকতদি খক য়াওদে। অঙাং ময়াম পূল্লগা কনাগী শুমাংদা নত্রগা অহাঙবা লৌখুক্তা শান্নদুনা লৈগনি। মখল মখলগী মশান্ননি মখোয়না শান্নরিবা–ৱাতোন কানবী, নিংথৌ থাবী, থ থাবি, গোল্লাছুট অসিনচিংবা। লাইরিক লোইবগী ঈশৈ শকপা হেক লৌরকপদা শান্নবা খম্না ময়াম হৌনা চেল্লক্নদবনি মান্দোবতা নত্রগা পালি তৌরিবা

মফমদুদা। খল্লুরগা নুংশিরকই মদুগী পুন্সিদো। কয়াদা নুংঙাইখ্রবা! ঙসিদি পামেল অহলশিংদা চল্লে। পালি লংথোক্তুনা মমান্নবা ময়ামগা শান্নবগী উপাই লৈত্রে মাগী। তশেংবদি হৌজিক্কী অঙাংশিংসু টাউনদা খঙদে, খুঙ্গংদা খঙদে মসিগুম্বা শান্নবগী ৱাখলসু লৈনদ্রে। মশান্না ময়ামসু মাঙশিল্লকয়ে। মী শুরবদা খুল অহলনা লাইরিক হৌননবা য়াথং তৌরকই। পুঙ মান্দ্রং য়ৈনা লাইরিক হৌবগী ঈশৈ শক্লে। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব খুরম্লগা লাইরিক পাঠ তৌগদবা অহলদুসু মাগী ফম্ফমলাংদা লেংশিনখ্রে। লাইরিক পূজা তৌরে। লাইরিক হৌবগী বন্দনা ওইনা সংস্কৃতকী শ্লোক অমা লোল্লি অহলদুনা। 'নারায়নং নমস্কৃতং নরঞ্চৈব নরোত্তমং, দেবীং সরস্বতীং ব্যাসং ততো জয়মুদিরয়েৎ'। মদুদগী লাইরিককী মতাঙ অদু পুথোক্লগা পাঠ তৌবা হৌই। পামেলনা চঙশিন্দুনা লাইরিক পাঠ তৌরিবা অহল, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুন্নমকপু লৈ-চন্দোন তৌই, ক্বা-পানাগী তাম্রা পীদুনা খুরম্মি।

লাইরিক পাঠ তৌরিবা অহল অসে চহী লৈথরকপগী হৌনবী মীৎসু খরা শোল্লে। চুম্না থাল্লিবা থাউমৈদুনা য়াদদুনা তোঙাম্বা বাল্ব অমা মাগী লাইরিকতুগী হেক মথক্তুদা য়াম্থদুনা থাল্লি। মদুনসু য়ারক্তবগুম তৌই। অমুক-অমুক শুক্তোক্তুনা য়েংঙি, পৈথদুনা য়েংঙি। মানা পারিবদুসু মরক মরক্তা য়াম্না তপথখি–মরোল লৌবা ঙমদে। অহলদুগীদমক্তা পামেলনা ৱাবী। খল্লি, মাগী মহুৎ শিন্নবা লৈকাইসিদগী মী অতৈ থোক্রুবরা? পামেলনা নিংশিংলকই হান্না মানা অঙাং ওইরিঙৈদা মখোয়গী খুলদুদা লাইরিক পাঠ তৌরম্বদুদি য়াম্না নুংশি, তানিংঙি। লাইরিক থীরিবা অহলদুনা ঈশৈ শঞ্জ হাপ্তুনা পাথরকপসি পুক্নিং নুংশিহল্লি, মখোলসু য়াম্না নুংশি অহলদুগী। লাইরিক হায়বা অহলদুসু য়াম্না ফৈ। মতাঙ মতাঙদা মরী লৈনবা ৱারী মতেক মতেক হাপচিনবা, য়াম্না লৈশি-লৈথোন্না ৱা ঙাঙবা, মীনা তানবা মখোল হৌনা অমসুং নুংশিবা পোক্লনবা থম্মোয়গী ইথিল'মা য়াওনা ৱারী লিথরকপসি তারিবা ভাবোক ময়াম প্রেম পোক্লরিবনি। মসিসু কলাগী মখল অমনি হায়না ওজা খন্না তম্নরম্মিবনি। অদুবু হৌজিক্তি কদায়? লোইনা মাঙথরক্লে। অসুম তৌনা মৈতৈগী মচু নাইরবা সংস্কৃতিগী মচু কয়াদং নোংমা নোংমগী 'সুম মাঙথরক্লি খল্লুবদা পামেলগী পুক্নিং নুংশিরকই। থম্মোয়'নুংদগী লোন্না হোন্দোরকখি অৱাবগী নুংশাশোর অমা।



CamScanner

অয়ুক নোং হেক ঙাল্লকপদগী ইরাং লাংনরি সুনীলখোয়গী য়ুমদা। খোয়াইদা ইমা মাইবী অমা লৈ–মঙোন্দা চৎতুনা ইপোমগী পাউ অসি অরেপ্পা অমা খঙননবা লাইমাঙদা শেল হুন্দুনা লাইবাউ তাননবা চৎকনি হায়না কন্না থৌরাং হোৎনরি। ইমা মাইবীদো নুংতিগী অয়ুক পুঙ তরামাথোইরোম তাবা মতমসিদা লাইমাঙদা ফম্মি হায় পূজানচিংবা মাগী হৌনবী থৌরমশিং পাংথোক্লনবা। মদুগী মতমদুদা শেল হুন্দুনা হায়জরবদি নিঙজবা পুম্নমক লোইনা ফাওই হায়না থাজনৈ। মদু নঙননবা চৎপদগীদমক কন্না শেম শারি। খোয়াই হায়বসি ফনা লাপ্পিবনি–পুঙ তরেৎকী মনুঙদদি খোঙ শানবা তাই। সুনীলগী মন্দোল বকুলৈগা শাগৈগী তাদ অমগা চৎননবা থৌরাং তৌরি। অমরোমদনা নোংচুপলোমদা ময়াং খুল অমদা পীর অমা লৈ হায়নসু তানরে। মদুসু য়াম্না চুম্না ফাওই হায়নৈ। অদুনা মঙোন্দসু চৎননবা থৌরাং তৌরি। মদুদনা মখুড়া ইন্দ্রমনিগা লৈকাইগী অহল অমগা চৎতৌরি। মদুসু চাক চামাঙদা য়েংহৌদবা য়াদে। মদু পুম্নমকতু নঙননবা হোৎনবদা মখোয়গী ইমুঙদো হেক্তা ফুরন-কাকোক শাবনি। সুনীলদি অসিগুম্বসি শুকথা থাজদে; অদুনা মাদি অমত্তসু য়াওজরোই হায়না শুকয়া য়াদে।

মথং মথং লোইনা চৎনখরে। য়ুমদা সুনীল মতোমতমক ঙায়হৌরে। অঙাংশিংবুদি অম'নীসু লৈরি। মাগীসু পুক্লিংসে খরা লাংতক্লে। খনফম থোক্তে করি তৌগদবা। পেপারদা য়াওরকপা ফোটোদুদ'মুক য়েংঙি, পুক্লিংগী লকানুংদা মতমগী উফুল-ৱাইফুলনা খরা মকশিলহল্লবসু ময়েক শেংনা লৈরিবা স্মৃতিগী সেলুলয়েডতা ফাওরকপা শক্তমশিংদুমুক য়েংঙি; নত্তে করম হায়নি, মানি শোয়দ্রবনি হায়বসু হেক ঙমদে। মান্দি ওহ্লোক্লা মাল্লি, ইপোমগী শক্তমগা মান্নবতা নত্তে মাগী মতমদুগী চহী মতাঙ, পেপারদা ইরক্লিবা ৱারী ওহ্লোক্লদি মান্নখ্রে। সুনীল মশাগীদি রাজশাহীগী বাগমারা থানাগী মনুঙ চম্বা চেউখালি হায়বা তাম্লবা খুঙ্গংদুদা চৎনা অমুক্তং খোঙ্গুন লীরুবা হায়বসিমদি তঙাইফদ্রবনি হায়না লেপখ্রবনি। অদুনা মানা ঙরাং নুমিদাংদনা পামেলদা পাউ লৌনা মরম থিগৎতুনা চৎপগী থৌরাং'পুম্বা লৌরো হায়না হায়খ্রবনি। অদুম্মকপু অহলশিংগী পুক্লিং পেন্ননবা ঙসি ইমা মাইবী খঙদে, ময়াংগী পীরদা খঙদে খেন য়েংবা চৎকনি হায়বদা সুনীলনা য়াম্না তরাম-তরাম্না চৎননবা থৌরাং শিনবনি। অদুসু নুমিদাংৱাইরমগী মনুঙদদি মখোয়গীসু পাউ অমদি তারগনি। অসোমদসু পামেলদা শিন্নখিবা থবক ময়ামদুসু লোইশিল্লগা রাজশাহী তান্না চৎপগী থৌরাং তৌগদবনি।

বকুলৈনা খোয়াইদা মাইবীগী ময়ুমদা থুংঙুবদা ইমা মাইবীদি লাইমাঙদা ফম্লম্লে। মী অতৈ ময়াম্মসু লৈরম্মি। মথং মথং শেল হুন্নরি–মাগী মাগী হংনিংবা-খঙনিংবা পুম্নমক হংনরি। মাইবীসু মাগী লাইফাওদা লাইরোন ওইনা অমমম তৌনা ফাওরক্লি। সুনীলগী

মন্দোল বকুলৈদুসু লাইমাঙদা শেল হুল্লগা ইমা মাইবীদা হংজৈ ঐখোয়গী ইচা অমা মতম কুইনগী মাঙদা মাঙখিবা মাবু হিংনা লৈরিবরা মদুগী পাউদম্মতং তাজনিংঙি, নিংথিজনা ফাওবিরকউ ইমা মাইবী।

অমা অমগী ফাওবা লোইরগা অকোনবদা ইমা মাইবীনা ফাওরকই, অথাপ্পা লমদগী লাকপা ইচা নঙগী মাঙখিবা নচাদুদি হৌজিকসু হিংঙিনা। অথাপ্পদা ইরোল-ঈরী তিন্নদবা মীতোপশিংগী মরক্তা য়াম্না ৱানা লৈরিনা মাদি। চৎলুহে থিজরুচো।

অদুবু কদোমদনো মায়কৈ তাকপীয়ু, থিরুরগা ফংগদ্রা অদুসু হায়বীয়ু ইমা।

নোংচুপলোমদনিহে মানা লৈরিসে। লাপ্পিদনা। অদুবু থিরুরদি ফংগনিহে। হৈ হুম হৈ হুম ...

ইমা মাইবীগী লাইফাও লোইশিল্লি। বকুলৈ মমিৎতগী শিন্থরকপা পিরাং লোন্না তৈথোকচৈ। মপুক্লিং ওন্থোক্লা নুংশিরকই। খল্লি, ইমা মাইবীনা হায়রিবসিনদি শোইদ্রেকো। ঐখোয়না খল্লিবসে চুম্মে, ইপোমমক্লি। লাইদা লুপা চামখক কৎচৈ বকুলৈ। মদুদগী ইমা মাইবীদগী বিদাই লৌরগা তফিং তফিং ময়ুম পাংলকই।

ইন্দ্রমনিনা ময়াং পীর অদুগী ময়ুম য়ৌবদা ফনা থেংখ্রে—নুমিৎ য়ুংবা মতম য়ৌরক্লে। মানা চঙখিবদা মী য়াম্না তিল্লম্মি। পীর অদুগী এসিস্ট্যান্ট অনীখকসু লৈ। মখোয়দুগী অমখক্লা চঙশিল্লক্লগা হংঙৈ, করি থবক্কীনো? ইন্দ্রমনিনা মাগী নিঙজবদু ফোঙদোকই। মদু তাবদা নহা ওইরিবা নিপা অদুনা য়াম্না তরাম তরাম্না হায়, ওঃ ফরে ফরে, য়াগনি, পীর সাহেবকা উন্নরগা পুম্নমক হায়য়ু। শোয়দনা উপাই অমদি থোক্কনিদা। অদো ঙহাক্তদি ফমখো। মথং মথং সিরিয়াল নাইনা পীর সাহেবকা উন্ননবা থৌরাং শিনগনি ঐখোয়না। ইন্দ্রমনিসু হোয় হোয় হায়রগা ঙাইফম কা'দুগী মচি অমদা থারিবা বেঞ্চ মচা অমদা তুমিন্না ফমথৈ।

পীরগী এসিস্ট্যান্ট অমদুনা পীর উন্নবা লাক্লিবা মীশিংদুবু অমমম তৌনা পীরগী কা'দা পুশিল্লি। কনাগীনা অনাবা কোক্লনবা, কনাগীনা পোৎ মাঙখ্রে করম্না ফঙগনি মদুগী লম্বী শিনবিনবা, কনাগীনা থবক্কীদমক ইন্টরভিয়ু থাগদৌরি মদুগী থৌনিবা—অসিগুম্বা মখল মখলগী মরম কয়াগীনি ময়াম্না পীরগা উন্নবা লাক্লিবসে। লাক্লিবা মীয়ামদুদা কনাবুনা তাবিজ ইদুনা পিখি, কনাবুনা লিক্লিদা ঈশিং অশোনবা অদুগা কনা অমবুনা চুম্নতা মানা খঙনিংবা মরম'দুতা হায়বিখি। অসুম্না মথং মথং লোইনরক্লবদা ইন্দ্রমনিবু কৌশিল্লে। ইন্দ্রমনিসু মাগা লোয়নরক্লিবা অহলদুগা মখোয় অনী চঙমিন্নে পীর অদুগী কা'দা। মীদি ইচম চম্না উই পীর অদো। অদুবু মতীক-মগুন অমদি লৈ হায়বা মাগী মশক্তু হেক উবদা 'সুম খঙঙি। মীদো অহল ওইরে। মশম হায়ফেৎ ঙৌরে, মকোইদি পুমঙৌ ঙৌরে। লুঙ্গি শেৎলি, অঙৌবা পাঞ্জাবী অমা লিৎলি, ফি মরাংবা মচা অমা মঙক্তুদা য়েৎশিনবোই করিওই ইল্লি। মদু হজ্জতা চৎলুবা মীনতা ইনবা উই ইন্দ্রমনিনা। মানা খল্লি, পীর অসিসু হজ্জ চৎলুরমালে। মাগী থাজবা, ইকাইখুম্নবগী থাক অতৈসু হেঙ্গৎলি। পীরগী এসিস্ট্যান্টতুনা ইঙ্গিৎ তৌবদগী হেক মমাঙমক্তদা থারিবা ফিদা'মদা ফমথৈ মখোয় অনী। এসিস্ট্যান্ট অদুনা পীর সাহেব অদুদা করি করিনো হায়রম্লগা থোকখি। পীর অদুনা য়াম্না চীং-লেম্না হংঙকই— বাবু, নখোয়দি করি থবক্কীনিনা, করি খঙনিংবা।



CamScanner

ইন্দ্রমনিনা ৱারী হৌদোকই, হায়– ঐখোয়গী ইচা অমা লানগী মতমদুদা মাঙখিবনি। মফম খঙখিদ্রে। কনা কনাগুম্বনদি হৌজিকসু হিংঙি হায়নৈ। মসিগী মতাঙদা অরেপ্পা'মা খঙনিংদুনা লাকপনি।

ওঃ ফরে ফরে। ঙহাক মমিৎ উইশিন্দুনা ধ্যান তৌবগুম তৌই। মমিৎ পাঙথোরক্লগা খুবাক খুদুনা এসিস্ট্যান্ট অদুবু কৌই। করি করিনো হায়খি। নিপাদুনা ঈশিং থনবা লিক্লি অচৌব'মা পুদুনা চংঙকই। লিক্লিদু ইন্দ্রমনিগী খৃৎতা পিরগা হায়– নঙ লিক্লিসিদা মীৎ কুপ্তবমখৈ মুন্না য়েংদুনা লৈয়ু। করি থোরকপা য়েংঙু। মদুদগী করি করিনো মন্ত্র খরা শোল্লি পীর অদুনা। মায়কৈ মায়কৈদা ফু ফু কাম্মি। ইন্দ্রমনিগী লৱাইদসু কামশিল্লি।

ইন্দ্রমনি লিক্লিদুদা মুন্না য়েংদুনা লৈ। পীর'দুদি মন্ত্র শোনবা লেপ্তে। অমুক-অমুক হংঙকই– উবরা করিগুম্বা থোরকপগাক।

আঁ উরে। ইন্দ্রমনি ঙক্লা য়েংঙি ঈশিংনা থনবা লিক্লিদুদা।

করি উই? মুন্না য়েংঙু ময়েক শেংনা উবরা।

করিগুম্বা মীগী মূর্ত্তি অমনি থোরক্লিবসে। অদো ময়েকতি খরা শেংবা ৱাৎলি। মশক লৌশিনবা ঙমদ্রে।

পীরদুনা অমুক্কা ইন্দ্রমনিগী লৱাইদা কামথৈ– য়েংঙু, উরবরা?

আঁ উরে, হন্দক্তি ময়েক শেংলে। অঙাং অমগী মূর্ত্তিনি।

মুন্না য়েংঙু, মশক খঙবরা য়েংঙু।

ও খঙঙে। মসিদি ঐখোয়গী ইপোমনিনা।

ইপোম হায়বদি? ফিংনা হংঙকই পীরদুনা।

ইপোম হায়বদি লানগী মতমদা মাঙখি হায়বা ঐখোয়গী ইচানিপাদো।

শোর মপী হোন্দোকই পীর অদো। হায়রকই– ফরে ফরে, য়ারে। লিক্লিদো থম্মো। চুম্না ফম্মো। ঐ ৱা হায়গে তাও– নখোয়গী নচানিপা হায়বদো হিংলি। অদুম্নদি ওইরগা লানগী মতমদা মাবু য়াম্না ওৎ-নৈবিখ্রমারে। স্মৃতি মাঙখ্রে। হৌজিক মানা লৈরিবসে নোংচুপলোমদনি, লাপ্পি। অদুবু থিরবদি ফংগনি।

ইন্দ্রমনি করি হায়গদবা খঙখিদে। পীরসাহেবতুদা সালাম তৌদুনা দক্ষিণা কৎলম্মগা তফিং তফিং থোরকখি। লম্বী মশাং ৱা মচেৎ'মতা ঙাঙনখিদে মখোয় অনী; য়ুম য়ৌনবা পরপ পরপ লাকখি।

নুমিদাংদা শাগৈ অহল লম্মন য়াওনা মিতিং তিল্লে। করি তৌগদবা তান্নে। বকুলৈনা মাইবীগী লাইফাওগী ৱা তম্মি; ইন্দ্রমনিনা পীরনা হায়রকপা ৱারী। পুম্নমকসি তারবা'তুংদা ময়াম পুম্নমক পেপারদা থোরকখিবা ফোটো অমসুং ৱারীদুগী ৱাফমসে ইপোমমক্লি, শোয়দ্রবনি হায়বসি চপ য়ুংনা থাজনরে। হৌজিক করি করম তৌবা, করি নুমিৎ থিবা চৎপা, করম্না চৎপা, কনা কনা চৎপা–মসিনি তানগদবসে।

মতাঙসিদা সুনীলনা হায়রকই– য়েংঙু, ঐদি অসিগুম্বা মাইবী-পীরগাকসি শুকথাসু থাজদে। ঐগী লেপকদবদি হান্ননা লেপ্পা লোইখ্রবনি। ঐদি ঙরাংনা পামেলদা হায়খ্রবনি পেপারদা হায়রকপা মতুঙ ইন্না রাজশাহীগী বাগমারা থানাগী চেউখালি হায়বা মফমসিদা করম্না চৎপা য়াবা মদুগী মরম অমসুং য়ারগদি মফমদুগী মী খরগা মাংজৌননা পাউ ফাওননবা থৌরাং তৌ হায়না। অদো ঙহাক মমাঙদা পামেলনসু ফোন

তৌনা খঙহল্লকয়ে থৌরাং পুম্নমক লোইনা শিল্লে হায়না। হৌজিক্তি পীরগী মপাউ অমদি মাইবীগী লাইফাওসু লোইনা ঐখোয়গী থাজবগা চুনরে। অদুনদি করিমত্তা বেরা লৈত্রে। ঐদি হয়েং সিলেটকীদমক খোঙশাল্লগে খল্লিবনি।

বকুলৈনা সুনীলগী ৱা মরক থৎনা হায়রকই– অদো কনা কনা চৎকে হায়না খল্লিবনো? নঙগী কাকাবুসু পুখিগেরা?

ইন্দোল, ফরেদা, কাকা য়াওদ্রবসু য়ারগনি। ঐখোয় নহা ঙাক্তা ওইনা চৎলগে। পামেলবুসু চৎসি হায়না হায়রিবনি। মা য়াওদবা য়ারোই; লম্বী লমখাং খঙবা, আদগী মীগা পাউ ফাওনবসি লোইনা মানা তৌরিবনি। সিলেট য়ৌরগা তান্নরগা অতে কনা কনা চৎপদু লেপ্পরগে।

হোয় হোয়, ফরে। অদুদা'সুম লেপ্পরসি।

নুমিদাংৱাইরমদা রাজশাহী চৎননবা ঢাকাগী গাড়িদা তোংঙি মখোয়। মখোয় মরীনি-সুনীল অমসুং পামেলগা লোয়ননা চৎলি নীংতম লান্নী ওইরম্বা তাদ মোহেন অমসুং খরা নহা ওইরিবা তোম্পোক। শ্যামলী বসতনি মখোয়না তোংলিবসে। লম্বী মশাংসে ৱারী য়াম্না শানদে। অমসু অমসু মাগী মাগী ৱাখলদা মুন্দুনা লৈনৈ। পামেলগী ৱাখলগী অতিয়াদা মচুগী লৈরোং শন্দোক্তুনা কোইপাই পাইরৈ স্মৃতিগী কুরাক কয়ানা।

মখোয় মঙানি। পামেল, অরুন, তোম্বী, ইপোম অমসুং তরুন। মখূৎতা থাঙ অমমম পায়, চরুনা শাবা বেনীসু। বেনীদু মৈ চুদুনা মৈখু থোকহল্লি। ফুরিৎখাউদা মৈখেৎ অমমমসু হাপচিল্লি। মৈ অমসুং থাঙ য়াওরবদি লাইনফাওবা কি হায়নরিবনি। ঙসিগী মখোয়গী ওপারেশনসি খোইহী লোকপগীনি। হয়িংখোই হায়না ময়াম্না খঙনবা খোইহী চেনবা খোইশিংসে চা-বাগানগী নত্রগা উমংগী অচৌ-অচৌবা উপাম্বীশিংগী অহোবদা মকোন শারগা খোইপাক শাই, মদুদা খোইশিংদুনা মায়কৈ মায়কৈদা পাইদুনা লৈগী লৈহীকশিং পুরক্লগা খোইপাক থন্না পুনশিল্লি। মসিগী খোইপাকশিংসি থিদুনা লোক্লগা খোইহী থকপা নত্রগা য়ুমদা পুরক্তুনা শুংথোক্লগা খোইহীশিং লিক্লিদা হানজিন্দুনা থম্বা-মসি পামেলখোয়গী নুংঙাইরবা থৌরম অমনি। খোইহী লোকপসি পূর্ণিমা মমাঙদা লোকহৌবা তায়। পূর্ণিমা য়ৌখ্রবদি খোইশিংদুনা খোইহী পুম্নমক থকতোক্লগা খোইপাক থন্না মচা পোকশিল্লি হায়নৈ। হয়েংদি পূর্ণিমানি। অদুনা পামেলখোয়না খেনফম য়েংঙগা ঙসিমক লাকপনি খোইহী লোকপগীদমক।

উমং য়ৌরগা মখোয়না থিরিবসে খোই পাইবা উবরা-করিগুম্বা লৈরাংদগী লৈহীক চুপ্পা উবরা মসিনি। অদুগুম্বা অমত্তং থেংনবদা ময়াম চঙনা খোইদুগী মতুঙ ইন্না কোয়তান তান্নগদবনি কদায়দা-করম্বা উগী কারক্তা চঙখিবা মদু খঙননবা। খোইগী মহুম-লৈফম হেক খঙবদা চরুগী বেনীদু হাইর-হাইরদুনা-মৈখু থোকহন্দুনা খোই'পুম্বা তাল্লগা থাঙনা য়াম্থৎতুনা উ-কারক্তুদগী খোইপাক অদু লোক্কনি। চা বাগানগী উ-পাম্বী অমদগী উ-পাম্বী অমা, উমংগী মায়কৈ অমদগী মায়কৈ অমা কোয়চেন চেন্না, খোইগী মতুঙ কোয়তান তান্নদুনা খোইহী লোক্তগী হোৎনরি মখোয় মঙা। অযুকচুপ্পা'মা হোৎনদুনা পামেলখোয় খোইপাক ফনা য়াম্নদি লোকয়ে। নুমিৎসু চায়থরক্লে। খোই তান্নবদা মখোয়সু খর-খরা তৌনা উমংগী য়াম্না মনুঙদা-অশোংবদা চংঙক্লে। 'মতমসি থেংজিল্লকয়ে, ফরে হল্লসি' হায়না থিনরকপদা ইপোমদি য়াওরমদ্রে। 'ইপোম কদায়' হায়বদা তরুননা হায়রকই- খঙদেনে, ইপোমদো খোই অমা তান্নদুনা চেনখিবনি, কদোম চঙখ্রবা!

ইপোমদো কদায়দনো হায়না শিস খোংঙে। মাসু খুম্লকই শিস খোংদুনা। অদুবু কদোমদনো হায়বদুদি মায়কৈ লাকপা ঙমদে। অমরোমদা চঙশিল্লি, খোঞ্জেল অদো

অমরোমদা হেক লাপথোকখি; জ্ঞান অমা তানদ্রে। উমং মনুঙদা ফাওবা খোঙ্গেল হায়বসিতবু খোম্থাং কয়া থোক্লা য়েবনা মায়কৈ লাকপা ঙম্লদে। থিরি থিরিঙৈদা ৱানরে-কৌনরিঙৈদা খনাউ কংঙে। উমংদগী মপানদা থোকথ্রসি হায়বসু ঙমদ্রে। লৈ-না লৈ-না 'সুম লৈরে উমং মনুঙদা। খরা শিংবা তোম্বীনা হায়রকই- ঐখোয়গীসে শোয়রে, লাইচন্না চেস্বা হায়বদুরা করিনো'মা তৌরে। য়েংঙু, উমংসিগী খা অমসুং নোংচুপলোমদা তুরেল চেল্লিবনি। হৌজিক্তি নুমিৎসে লৈথরক্লবনিনা খা-নোংচুপলোমদনি নুমিৎনা থোক্লিবসে। অদুনা ঐখোয় নুমিৎ পাংনা য়েংদুনা চুমদ্রিংনা চৎসি, চৎপা লেপ্লোইসি; শোয়দনা তুরেল মপালদা থোকউনি।

হায়গুম্মদনা ফনা কুইনা চৎলব'তুংদা খোয়াই তুরেলগী তোর্বান্দা তারুরে মখোয় মরীদো। শোর নে' লাউনা হোন্দোকই পুম্নমক। অদুবু ইপোমদি? শিস খোংঙি। মাসু হান্ননা মপাল থোক্কুনা লৈরম্মে। তুরেলগী মথকলোমদগী পাউখুম হল্লকই ইপোমনা। ময়াম পুম্নমক চনিং খরা তাথৈ।

চিনবানথোংদা মোমোন মীনোক্কী শক্তম লাংখিবরা করিনো মনাক্তা ফম্লিবা তাদ মোহেননা হৌদোরকই- করিনো পামেল, মঙ মঙলিবরো নোকফেৎ তৌরিবদি। হৌগৎলো সে, 'উজান ভাটি' য়ৌদৌরে। নুংঙাইরবা মঙলানগী জগৎতগী অৱা-অনানা পীক থল্লবা তাইবংদা অমুক হল্লকখিরম্মি পামেল। মনাক্কী থোংনাউরোমদা য়েংথোক্লুবদা উই গাড়ি অদো 'উজান ভাটি'গী লম্পাক্কুদা কন্না থৌজিল্লম্মি ড্রাইভারনা। সিলেটতগী ঢাকা চৎপা লম্বীদা তঙ্খাইরোম খরা হেল্লকপদনি 'উজান ভাটি' হোটেলনা লৈরিবসে। হাইওয়েগী মনাক্তা লৈবা হোটেলনি। ইন্দিয়াদদি অসিগুম্বা হোটেলশিংসে 'ধাবা' কৌই। হাইওয়ে হোটেলগী চা অমদি অচাপোৎ পুম্নমক হাউই হায়নৈ। মমলদি খরা তাংঙি। ইন্দিয়াদদি হায়নবা লৈ, চা অহাউবা থক্লিংলবদি ধাবাদা চৎলু। 'উজান ভাটি'তা নত্তে, ঢাকা-সিলেটকী হাইওয়েসিদা হোটেল 'রাজমনি', 'হাইওয়ে ইন', 'আল-আমিন' অসিগুম্বা হোটেল ফনা য়াম্না লৈরে। প্যাসেঞ্জারশিংগী খুদোংচানবগীদমক খন্দুনা লম্বী মরক্তা ঙহাক পোথাবা, হকচাং ৱাই শংদোকপা নত্রগা চানিং-থক্লিংবা লৈরগা চাননবা হায়না গাড়িশিংসে অমা নত্রে অমা হোটেলদা ঙহাক খাম্মি। যাত্রিশিংসু গাড়িদগী কুমথদুনা মাগী মাগী মথৌ পাংথোক্কে। পামেলখোয়সু কুমথরে। বাথরুমদা চৎনা হকচাং শেংদোক্লুরে, মানা মানা চানিংবা খরা চারে, ঙহাকসু লম্পাকতুদা কাতুক-কারন চৎনা গাড়িদা কুইনা ফমজিন্দুনা লাকপগী হকচাং পংশিনবদু খরা খিংথোকহল্লে। ঙহাক মতুঙদা অমুক গাড়ি থারে। মিনিট কুনলোমনি মফমসিদা লেপ্লিবা।

নুমিদাং পুঙ তরানিথোইরোম তাবদা ঢাকাগী গাবতলী বাস স্টেশনদা থুংঙে। গাড়ি শিল্লে। ঙহাক মতুঙদা অমুক রাজশাহী তম্না চেনবা হৌরে পামেলখোয়গী গাড়িদো। নুংদাং থেংজিল্লকপদুদা অয়াম্বা যাত্রিশিং উইথনরুরবরা করিনো-যমুনা ব্রিজ যমুনা ব্রিজ হায়না ৱা-ৱা লাউনরকপদা মিকপ থোক্লুরকই। পামেলসু উইথরুরে, মনাক্তা ফম্লিবা তাদ মোহেননা কৌরকপদগী হৌগৎপনি। ময়াম থোংনাউদগী য়েংনৈ। যমুনা তুরেলগী মথক্তা শাবা ব্রিজ অসি বাংলাদেশকীদি খ্বাইদগী চাউবা অমসুং পৃথিবীগী মনুঙদনা শাংবদা তরামাথোইশুবা ব্রিজনি। 'বঙ্গবন্ধু ব্রিজ' হায়না মিংথোল্লবা ব্রিজ অসিগী মায়কৈ অমদা ভুয়াপুর, অদুগা মায়কৈ অমদনা সিরাজগঞ্জ জেলানি। কিলোমিটার মঙারোম

শাংবা ব্রিজ অসি ১৯৯৮ খ্রিষ্টাব্দদা ময়ামগীদমক্তা হাংদোকপনি। নুমিদাংগী মতমদা খোয়না থেক্লা চেল্লিবা ব্রিজকী মায়কৈ অনীদা পরেং শানা থাল্লিবা লাইটকী মঙাল, তনিক-তনিক্লা চেনবা তুরেলগী ইচেলনা থাউমৈগী মঙালদা লংত্রিক-লংত্রিক লংঙকপা, মদুদা হিনাউ কয়ানা ইপোমগী শাফুদা লুপ্লি-লুপ্লি তাউরিবা-পুম্নমকতু অঙকপা ফজবগী শক্তম'মা লৌদুনা ময়ামগী মীৎয়েংদা শুক্ষৎপগী মায়া'মা শন্দোক্লম্মি। মথং মথং লাকপনা নাটোর লাল্লে। নাটোর হায়বগা জীবনানন্দগী 'বনলতা সেন'গী ৱা হেক্তা নিংশিংলকই। লোয়ননা নিংশিংলকই জীবনানন্দদা ঙাওজবা মতমগী মণিপুরী কবিতাগী খূৎমাবা কবি এলাংবম নীলকান্তগী ৱাসু-নিংশিংলকই মাগী 'নিংথৌখোংগী চন্দ্রসখী'। পামেলখোয়না চৎলিবসে রাজশাহী হায়রবসু রাজশাহী শহরদি য়ৌগদবা নত্তে। মদুগী মাঙদা পুঠিয়া হায়বা মফমদুদা কুমগদবনি। পামেলনা মাঙজৌননা পাউ লৌদুনা লম্বী য়াৎথোক্লনা থম্লবনি। পুঠিয়াদগী কূম্লগা ফনা য়াম্না শাংবা লম্বীনি হায়। মানা রাজশাহীদা লৈবা মাগী মরূপ'মদা হায়জবদগী মরূপ্তুনা পুঠিয়াদা থবক তৌবা মাগী খঙনবা নিপা অমদা শিন্নরক্লবনি। রহিম কৌবা নিপাদুগা পামেলনা হান্ননা টেলিফোননা ঙাঙনদুনা মরম'পুম্বা লোইনা শিন্দুনা থম্লবনি। রহিমনা পুঠিয়া বাসস্ট্যান্দদা মানা ওক্লমগনি, বাগমারা থানাগী চেউখালি হায়বা মফমদু তান্না মশানা লোয়ননা পুগনি, মাঙজৌননা মফমদুগী মরী লৈনবা মীশিংদুগা ৱারী শান্নদুনা থম্লে করিমত্তা খুদোংথীবা থোক্লোই, মদুগীদমক করিসু খনবীরুনু হায়না য়াম্না তোয়না থাজবা পীরক্লবনি। নোংঙাল্লমদাই পুঙ মরী তাবগী অদুৱাইদা পুঠিয়া বাজারদা কূম্লে মখোয় মরী। য়াম্না অপীকপা বাজারনি পুঠিয়া। অদুবু ইতিহাসকী মচাক কয়ানদি পীক থল্লিবা মফম্নি। পুঠিয়াসিদা মতম্মা নিংথৌ পাল্লম্মি, মদুগী নিংথৌ কোনুংগী শরূক কয়াদং হৌজিকসু লৈরি, লৈরি শিবমন্দিরদা নিংথৌনা লাৎলম্বা অমুবা 'কষ্টিপাথর'না শাবা অচৌবা শিবলিঙ্গ অমা-মদু বাংলাদেশকীতা নত্তে এশিয়াদা খ্বাইদগী চাউবনি হায়নৈ। অসিগুম্বা ইতিহাসকী ময়েক লারবা খুদম কয়ানা মরাং কায়না চাইদুনা লৈরিবা পুঠিয়ানি। বাজারগী মচি অমদা লেপ্লগা পামেলনা রহিমগী মোবাইলদা ফোন তৌরে। ঙহাক লৈরগা মায়কৈ অমরোমদগী মী অনী'হুম থোরক্লে। মনাক য়ৌশিল্লক্লগা অমনা 'দাদা, ঐ রহিমনি' হায়না শক তাক্লগা মখোয়বু পুদুনা মল্লবা হোটেল'মগী কা অমদা পুশিল্লে। 'ৱারসু ৱানা মসিদা ঙহাক পোথাবিরো, নোং ফজনা ঙাম্থোরক্লগা চৎপা তাবনি-ঐখোয় মতম চানা লাকচগে' হায়রম্মগা মখোয়শিংদো চৎখ্রে।

কা'দুদা চৌকি অনী থায়। অনী অনী তৌদুনা চৌকি অনীদুদা মখোয় মরী ঙহাক পোথানবা থৌরাংলে। অদুবু তূম্বদি য়াদে কনাসু। লাংতক্লবা-খৌরাংবা অমনা মীকূপ'মতা চনিং তাহন্দে মখোয়বু। অদুম্মকপু নুমিদাংচুপ্পা শাংলবা লম্বী'মা বস তোংনা লাকপগী অৱাবদো খরদং ওইরবসু কোক্লনবা মখোয় মরীমক ঙহাক তিংথোক্লে ফমুংদুদা। নোং ঙাম্থোরকপদা হৌগৎনরে, চিন-য়া শেংদোক্লনা ইরু-মাইথজনা মখোয় মরীমক থৌরাং লোইনা লৈরে। মফমদু য়ৌশিন্নিংবনা, করি থোকপা করি ওইরগবা-মখোয়গী মঙলানগা তাইবংগা চুনরিবরা নত্রগা চুনদ্রিবরা, মসিপুম্বা খঙনিংবনা মখোয় কনামতা ঙাইঙমদ্রে-মতম ঙাইবা ৱানা থোক্লে মখোয়দা। ঙহাক লৈরগা রহিম থুংঙরে। বস তোংনা চৎপা তাই-পুঙ নিপালদা বস থাগনি। হৌজিক থোক্লসি,

হোটেলদা ব্রেকফাস্ট লৌরগা বসস্টেন্দদা চৎপা য়ারে হায়বদগী মখোয় মরীমক মশা মশাগী পোৎয়োম পায়দুনা থোরক্লরে।

খুঙ্গংগী লম্বীনি–য়াম্না ফৎতে। বসতুসু মল্লে–তপ্না চৎলি, পোত্থা পোত্থানা। কয়া কুইনা চৎলবা খঙদে, মতমদি ফনা কুইরমানি অয়ুক্কী নুংশা হাইগৎলক্লে। বাজার অমদা বস থারে। ময়াম পুম্নমক মদুদা কুমথরে। রহিমনা হায় অতৈসু কিলোমিটার মঙারোমগী লম্বীনি। অদুবু বসতি চৎলরোই। রহিমনা রিক্সো-ভ্যান অমা পুরকই। মদুদা কাখৎতুনা অমুক মঙলানগী জগৎ তম্না মখোয়গী খোঙশান হৌরে।

চেউখালি পীকখ্রবা বাজারনি। সোরোক অমা চেল্লিবদুগী মায়কৈ অনীদা দোকান মচা খরা লৈ। পামেলখোয়গী ভ্যানদুনা চেউখালি বাজারগী ময়ায়মক্তদা লৈবা দোকান'মগী মাঙদা উখোঙ'মদা লেপ্পদা অঙাং ময়াম অমা য়োমশিল্লকই। শক-চুনদি খরা খেন্নবদুদা অঙাং ময়ামদা কুম্মেমগুম থোকখি। রহিমনা হান্ননা ফোনদা তাকখ্রবনি ঐখোয় থুংলরে হায়বসে। ফিরোল খরা নানবা মীয়াই চল্লবা মশক মতৌ ফজবা মীওই অমা পরপ পরপ চঙশিল্লকই। রহিমনা খঙনহল্লি– আবুল কালাম, লমদমসিগী ইউনিয়ন মেম্বারনি; মহাক মশানা বিজনেসম্যাননি। পামেলগা খুৎ শোক্লৈ। খুদোম্বী থিন্দুনা তাকই– 'মসিনি সাইকেল মেকার আমির আলী হায়বদুগী য়ুম; নোংচুপতা তপথরিবা কা'সিদনি সাঈদনা লৈরিবসে।'

সাঈদ হায়রিবসে নহাল পেপারদা য়াওরকপা ফোটো কোন্নবা ফিচারগী মীশক্তনি। অয়াম্বনা মাবু সাঈদ হায়না 'সুম কৌই। অতৈ অতোপ্পা মিং খরসু লৈ। অদো মাদি কদায়? কা'সিদদি কনাসু লৈবা উদেনা। আবুল কালামরোমদা ওনশিন্দুনা পামেলনা হংবনি।

অং, চুম্মি। হৌজিক্তি মা লৈতে। লৌবুকরোমদা চৎলমগনি। অঙাংশিং থাখরে মাবু থিদুনা পুরক্লবা। হৌজিক দাদা চৎসি ঐগী লাইর' খাংপোকশংদা ঙহাক্তং পোত্থারুসি। সাঈদতু লাক্লগা আদ 'সুম পুরক্লো হায়না হায়রম্মবনি।

হোয়, ফরে ফরে।

ময়াম পুম্নমক মেম্বার আবুল কালামগী ময়ুমদা চৎলি। নিংথিজনা শেম-শানা থম্বা মাগী ফম্ফম কা'দুদা ফম্মি। চা থক্লা থক্লা ৱারী শাবা হৌই। পামেলনা মেম্বার অমসুং অতৈ অহল খরা তিল্লিবশিংদুদা হায়– ঐখোয়না ঙসি লাকচবসে খরনি মমাঙদা প্রথম আলো নিউজপেপারদা ফোঙখিবা ফিচার অমা থেংনরুবদা ঐখোয়গী ৱাখলদা পোকখিবা ৱাহং অমা শেংদোকচগে হায়না লাকপনি। পামেলনা মখা শমথনা হায়, লানগী মতমদা ঐখোয়গী ইনাওশিং অমা রাজাকারশিংনা ফাদুনা পুখিবদগী 'সুম হল্লকখিদ্রে। পেপারদা য়াওরকপা ফোটোদুগা শকসু হায়ফেৎ মান্নবগুম তৌই, চহী মতাঙসু চপচানা চুনৈ। অদুনা মীওইসিবু ঐখোয়গী ইনাও ইপোমদুরা হায়না চিংনবদগী অমুক্তা অরেপ্পা খঙদোক্লে হায়না লাকপনি।

মদু তাবদা অহল খরদো য়ৌ য়ৌ খুম্মকই– য়াম্না ফরবনি। ঐখোয়সু সাঈদসিগী মরী-মতাই অমত্তং থোরক্লা মাগী ইমুঙ-মনুঙদা হঞ্জিনজবা ঙমখ্রদি ফখ্রনিদা হায়না মতম'পুম্বদা লাই খুরম্মিবনি। অহলশিংদুনা মখা চখনা ৱারী তৌরকই– লান লোইখিবা মতুঙ লৈকাইসিগী মীয়াম পুন্সিসু তং তাদ্রিবা, ইরাং লাংবা মতম্মি। মতমদুদনি নোংমা

অয়ুক অঙনবদা চহী ১৫/১৬ শুবা নহা অমা কদোমদগীনো লাক্লগা বাজারগী উখোঙ'মদা লেপ্পবদো। মল্লবা শেগাইরবা খোংগ্রাউ অশাংবী অমা শেৎলি, গেঞ্জি অমা লিৎলি। খরা ঙাওচৎনবদৌনা তৌরি। করি করিনো ঙাঙবদো ঐখোয়না মরোল অমতা লৌবা ঙমদে। ঐখোয়না ঙাঙবসু মানা খঙবোই-খঙদবোই তৌই। তঙক তঙকতমক য়েংঙি। মীঙোন্দগী করিগুম্বা নিদুনা চাগনি হায়বসু লৈতে। কনা কনাগুম্বনা নুংশিবিদুনা করিনো খরা পিজবদু চাবা য়াওই-চাদবসু য়াওই। অহানবদদি মাবু চিংনবসু য়াওরম্মি-কদাইদগী লাকপনো, অফবা মীরা ফত্তবরা, করি করম্বা ৱাখলদগী লাকপনো কনানা খঙবগে হায়বা মওং মওংগী ৱাখল তৌনরম্মি। নোংজু-নুংশা খায়দনা উখোঙ-ৱাখোঙদ'সুম লেল্লি। মতম খরা লৈরক্লবা মতুঙদদি মাগী মতৌ-মওংদুদা ময়াম্না নুংশিবীরে। আমির আলীগী সাইকেল শেম্বগী দোকান মচা'মা লৈবদুগী কাচিন অমদা মাবু লৈহল্লে। অসুম্না সাঙ্গৈদনা ঙসিফাওবসিদা লৈরকপনি। চহী কুন্থ্রামরীরোম হেল্লে, মাগী মশাগী চহী মতাঙসু য়াঙ্খে য়ৌরবনি।

অহল অমনমুক শমথরক্লি ৱারী অদো। সাঙ্গৈদ হায়বসিগী য়াম্না ফজবা অমনা মা কনাগসু কৈদৌঙৈদা খৎন-চৈনবা তৌদে, হুরান-চিঙ্থিবা তৌদে, পঙনা শাউদে-শাউরবসু মীবু থীনা চৈবা, অকামপেৎ ঙাঙবা খক তৌদে। অঙাংশিংবু লুনা তৌই, অহলশিংবুনা য়াম্না ইজ্জৎ তৌই। লোনসু হৌজিক্তি খরা খরা থোক্লে। বাংলা খরা খরা ঙাঙবা ঙম্লে-খঙবদি লোইনা খঙলে। মাগী তোঙাম্বা মরোল অমসু লৈ। অমুক অমুক মাগী মরোলদুদা করি করিনো পংঙাঙতা ঙাঙবসু য়াওরকই। মদুগী মরোলদু ঙাঙলক্লবদি মা মশাসু করিনোমা তৌবগুম তৌরকই; খঙদে করি হায়গদবা, ঙাওজু-ফৈজুনবগুম তৌরকই হায়গদ্রা। মীনা থবক-থনা থৌদাবদা মানা খক ঙম্মোই হায়বা য়াওদে। অঙম্বা মতেং পাংঙি। মীনা নুংশিবিদুনা অমা-অমা পিবদো 'সুম লৌই। লৈকাইগী নত্রগা ময়ামগী ওইবা করিগুম্বা থবক-থৌরম তাবদসু মাদি হেক্তা চোংশিন্না য়াওই। অদুনা মীনসু মাবু য়াম্না নুংশিবী।

অহল অদুগী ৱা মরক থৎতুনা অমনমুক নপশিল্লকই– সাঙ্গৈদকী তোঙানবা মওং খরা লৈ। অহানবদদি মাসে মীনা ঙমোক-হৈমোক পিজরগা পংচা চারবসু চাকতি খক চাও হায়বা য়ারমদে। মরক মরক্তা অমদগী নত্রগা অমদগী চেঙগাক খরা নিরগা মশানা থোংনা চারম্মি। হৌজিকপুদি মীগী ময়ুমদসু নোংফাদোক চাক পিজরগা চাবসু য়াওরে। লৌবুক্তগী ঙা ফারগা থোংনসু চায়। মানা য়াম্না পাম্বসে ঙা অরৌবনি, ঙমু অরৌবা ফংঙবদি লোইজরে। মখোঙ হাম্মগা ফি তুমথোক্তুনা ইরুজদ্রিফাউ য়ুমদা চঙদে-মীগা শোক্লদে। ফিরোল তমোৎ তমোৎ শেৎতে, শেগাইরবসু শুদোক-চামথোক্তুনা লূনা শেৎলি।

অসুম্না লৈকাইগী অহলশিংদুদগী সাঙ্গৈদকী মরমদা ৱারী কয়াদং তারিঙৈদা সাঙ্গৈদসু থুংঙরে। অঙাং ময়াম্মা লোয়নরকই। অঙাংশিংদুগা নোক-খেরনা য়াম্না হরাও-তয়াম্না লাকই। আবুল কালামনা তরাম তরাম কৌশিল্লক্লা পামেলখোয়গী মনাক্তা ফমহল্লি। মশক-মশা খঙদ্রবা মী খরা য়াওবদুদা মুন্না মুন্না য়েংঙি। মশক খঙনদবগী হৌনবী খরা তিঙক-মাইঙক্লবগুম তৌই। মী খরা নেম্মি। মনম কোল্লপ তৌই। চাবা-থকপা মওং চাদবগী হৌনবী মশা-মউ কয়া ফত্তে। অদুবু মপাঙ্গল কনবা, তিক-তাক লাউবদি

মাল্লি। মেম্বার আবুল কালামনা হায়- সাঈদ, মখোয়াশিংসে সিলেটতগী লাকপনি। নঙগী মরী-মতাই ঙাক্তনি, নঙবু লৌবা লাকপনি।

আবুল কালামনা হায়বদো মঙোন্দা করিমত্তা নাচুংদবগুম তৌই। তুমিন্না ফমদুনা লৈ। অমুক অমুক কা' অদুগী মপালদা লেপ্তুনা থোংনাঙউরোমদগী য়েংঙকইবা অঙাংশিংদুদা ওনশিল্লগা খিগৎনা হৌই, অঙাংশিংদুসু হৌরকই। পামেলনা সাঈদলোমদা ওনশিল্লগা হংঙি, নঙগী যুম কদাইদনো, মফম অসিদা করম হায়না করিগী লাকখিবনো নিংশিংলবরা?

পামেলদা মুন্না য়েংলগা মঙকতমক হাই, করিমত্তা খুমদে। মৈতৈলোননমুক হংশিল্লি পামেলনা, নত্তে নঙবু মৈতৈরো, মৈতৈলোন খঙবরো?

করিসু খুমদে সাঈদ। মাগী মরোল হায়বদুদা করি করিনো পংঙাঙতা ঙাঙঙি। মনাক্তা ফম্লিবা পামেল অমসুং মোহেন নোম্থনা মুন্না তাই মানা ঙাঙঙিবশিংদো। মরোল'মতা লৌবা ঙমদে। মৈতৈলোন মানবা খোম্থোক কয়াদং য়াওরকই, অদুবু ময়েক শেংনা লৌশিনবদি ঙমদে। তোম্পোকনা 'সুম নোম্থনা সাঈদনা ঙাঙবদু তারম্বদগী ফিংলপ্না হায়রকই-তাদ তাবিহৌবরা, 'বামোন' হায়খিবগুম তৌই। সুনীলনা হায়রকই, হোয় ঐসু তাহৌরিনে। মোহেননা সাঈদরোমদা খরা ওনশিন্দুনা মৈতৈলোননা হংঙি, নত্তে, নঙ করিনো বামোন হায়রিবরো?

ঙহাক মুন্না য়েংনা লৈরগা অমুকসু করি করিনো ঙাঙবা হৌরকই মাগী মরোলদুদা। ময়াম তঙক তঙক য়েংনৈ। মোহেননা বাংলা লোননমুক মখূৎনে-মশানে মওং য়েংহন্দুনা হংঙি লানগী মতমদা মঙোন্দা পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা ফূ-চৈনা তৌবরা, ওৎ-নৈবা তৌবরা হায়না। মাসু মখূৎকা মশাগা লানগী-নোংমৈ কাপ্পবগী ফূবগী-চৈবগী মওং কয়া উৎলি।

জ্ঞান অমা তানদে ময়াম। করি হায়গনি, করি তৌগনি খঙদে। তশেংবদি মীওই অসি স্মৃতি মাঙখ্রবা, লম্মূক্লরবা মী অমনি। হৌখিবা মতমগী থৌদোক-ৱাথোকশিংদো মাগী নিংশিংবগী সেলুলয়েডতা অমুক অমুক শক্তম লাংদগী হোৎনরক্লবসু অৱা-অনাগী শাফু কয়ানা অমুবা ফিজংগুম হেক্তা মরোল নাইনা কূপশিন্দুনা থমখি। আবুল কালামনা হায়রকই, দাদা, সাঈদসে স্মৃতি মাঙখ্রবা মীওইনি। পাকিস্তান আর্মিগী মখূৎতা বন্দী ওইনা লৈবা মতমদুদা য়াম্না থীনা টর্চার তৌবিখ্রমানি। অদুনা স্মৃতি মাঙখিবনি। অসিগুম্বা মওংসে মাগী অঙাং ওইরিঙৈগী স্মৃতি কয়া মাঙদা উরুরগা, অঙাং ওইরিঙৈগী মমান্নবশিং উন্নরগা নত্রগা করিগুম্বা খঙহৌদবা থৌদোক অমদগীসু হেক্তা স্মৃতি ময়াম হল্লকপা য়াওই হায়নৈ।

চুম্মি মদুসু। অদুবু কালাম সাহেব ঐখোয়সু জ্ঞান অমা তাদ্রে, করি হায়গদবা খঙদ্রে। ঐখোয় মশেল অমুক্তা তোঙান্না ৱারী খরদং তান্নজখিগে। পামেলগী ৱাদু তাবদা কালামনা হায়রকই- ফৈনে কৈদৌগে দাদা। সোমদগী থংনবা কা'সিদা ফম্বীগে হায়রসু য়ানি।

পামেলনা 'নত্তে নত্তে, ঐখোয় অসিদা 'সুম ঙাঙনবা য়াগনি' হায়না সুনীল, মোহেন অমসুং তোম্পোক য়াওনা মখোয় মরী কা'দুগী কাচিন অমদা ফম্না কৈদৌসিগে খন্নৈ। সুনীলনা মঙক কন্না হাই, নত্তে পামেল, ঐদি ভাব অমা ইচা চাদে। নিপাসি ঐগী ইনাও ইপোমদুনি হায়না খনবসি ঐ ইঙম ঙমদে। মোহেনসু পাংশিল্লকই- হোয়নে মওং-

মতৌসিদি ভাব চাদ্রেদা। ফনা স্মৃতি মাঙখ্রবসু মৈতৈ মচানি, ফনা চাউরগা চৎখিবনি; মৈতৈলোন অমত্তা নিংশিংরম্মরোইদ্রা? ঐখোয়না মৈতৈলোননা অদুক য়াম্না ৱারী শাজিনবদু মঙোন্দা করিমত্তা নাচুংদে। মমিং ফানা কৌবদসু অমুক্তা লৈথোক্লা য়েংলক্তে। অদুবু তোম্পোক্তি খরা পোজিটিভ ওইনা খল্লি। মাদি হায়- নিপাসিনা চোইরোলওই করিওই পংঙাঙ ঙাঙবসিদসু মৈতৈলোন অমনিদি 'সুম য়াওরক্লিনা। ঐ শেংনা তাহৌরি 'বামোন' হায়খি, অতৈ অতোপ্পা ৱাহৈ অমনিসু হায়ফেৎ ওইনা তাহৌবগুম তৌই। অদুনা ঐনা হায়জনিংবদি, হেক্তা মান্দ্রেদা হায়না লেপথোকপগী মাঙদা খজিক্তংগা মুন্না খন্নবনা থোক্কদ্রা? পামেলসু তোম্পোকক মোত অমত্তনি। মাসু হায়, ঐখোয় অমসু অমসু লেপ্লদ্রিঙৈদা খরা মুন্না খন্নবা হায়ব'মা মথৌ তাবনি। মাদি স্মৃতি মাঙখ্রবা মীনি। মঙোন্দগী ঐখোয়না করম্না আশা তৌগদবনো ঐখোয়না পাম্বা মওংদু চপ-চানা থোকউ হায়না।

মেন তানবা ঙমদে। তশেংনসু মসিগুম্বা মতাঙসিদা ডিসিশন অমা লৌবা হায়বসি য়াম্না অরুবা থবক্নি। ইমোশনদতা য়ুক্ফম ওইনা ৱারেপ অমা তাবা য়াদে, অদুগা রিজনিংদতা বেইজ তৌবসু য়াদে-ইমোশনগীসু মফম অমা থম্বা তাই। মাগী মাগী মোত পিনরবা মতুঙদা অরেপ্পা ৱা-সিদি সুনীলনা পিবা তাবনি। মাগীদি মনাওনি। অদুনা ময়াম্না ৱাফমসে সুনীলদা ইঙ্খৎলে।

সুনীলদি অপং চুরে। অদুবু ময়াম্না কন্না তকশিল্লবদা মানা হায়-ঐগীদি অরেপ্পা মোতনি নিপাসিগী হকচাংগী শক্তম, মায়থোং তাবা মওং, মশাগী খুদম কয়া- পুন্নমকসি কুপ্পা নৈনবদা ঐগী ইনাও ইপোমদি নত্রমালে হায়বসি খল্লে। অদুম্মকপু ময়াম্না হায়বিবদুসু চুম্মি, স্মৃতি মাঙখ্রবা, অৱা-অনা কয়া মায়োক্লদুনা শাংখ্রবা মতম অমা লেল্লকুবা মীওইনি; মঙোন্দগী ঐখোয়গী আশা থল্লিবা খুদম পুন্নমক ফংগনি হায়বদুসু ওইথোক্তবনি। ইপোম ওইরম্লে আদ য়ুমদা চৎলগা ঐখোয়গী ইমুঙ-মনুঙ মরী-মতাই কয়া উরগা, মাগী অঙাং ওইরিঙৈগী স্মৃতিনা থল্লবা লমশিং উরগা মাঙখ্রবা স্মৃতি অমুক খঙহৌদনা হল্লকপসু তম্বা ঙমদে; করিগুম্বা ইপোম ওইরমদ্রে, ঐগী ইনাওগুম্লবা মী অমবু ঐনা ইনাও শক্লা য়োক্লে করি কায়বগে হায়বসি য়াম্না অচুম্বনি। ঐসু মতাঙসি খন্ননিংঙি। ময়াম্না 'সুম ফৈ হায়বদো হেক্তা লেপ্পিরো, ঐগীদি বেরা লৈজদ্রে।

মদু তাবদা পামেলনা হায়- তাদনা হায়বীরিবদো য়াম্না ফজবা ৱানি। নিপাসে ঐখোয় ইপোম নত্তে হায়না লৌরসি, অদুবু অৱাবা তারুরবা হৌজিকসু অৱাবগী অমম্বা কোম'মদা ৱানা পুন্সি লেল্লিবা মী অমগী পুন্সিদগী অৱাবদু পুমকোক কোকপিবা ঙমদ্রবসু খজিক্তং নুংঙাইবগী মঙাল ফংহনবা ঙম্লবদি অতৈ করিসু নত্রবদা পুণ্য'মদি ফংগনি তাদ। ঐদি মখোয়গী সাঈদসে ঐখোয়গী ইপোমমক্লি খন্না ঐখোয়গা লোয়ননা পুখ্রসি হায়বনি। অসিদা মানা লৈরিবসিদি ওন্থোক্লা মথোং হুক্তবা পুন্সিনি। আদ য়ুমদা পুখ্রগা খরা নুংঙাইনা লৈজরগা ময়াম চঙনা ডাক্তার য়েংহন্দুনা হিদাক-লাংথককী থৌরাং তৌরবদি মাগী পুন্সিসে খরদা ওইরবসু মকা লামগনি হায়বসিদি শোয়দ্রবনি।

মোহেন অমসুং তোম্পোক অনীমকসু 'মদুনা ফরে' হায়না মদুগী থৌরাং'পুম্বা শীন্ননবা পামেলদা হায়রে। সুনীলসু পামেলদা পুন্নমক শিন্নরে।

তিল্লিবা মীয়ামদুসু পামেলখোয়না তান্নবদুগী রেজাল্ট করি ওইগদবা হায়না খৌরাংনা ঙাইনরি। মখোয়না পাম্মিবসু সাঈদসিবু মখোয়না থিরিবা মনাওসিনি হায়না

লোয়ননা পুবিখিবা মসিনি। লৈকাইসিদা সাঙ্গদনা লৈরিবসে মফম মরাং খঙদবা পুঙ্গিনি। ময়াম্না ফনা লুনা তৌদুনসু মাগীনি হায়বা কনাসু লৈতবনা মতম মতমদা য়াম্না খুদোংথিবা থোকই। চাবা-থকপসিমা মতম নাইদে, মফম নাইদে। চানিংবা চায়, অফং-অফংবা চায়। চহী মতাঙসু য়ামশিল্লকুবনি-চহী য়াঙ্খে শুরে। লৈফম-চাফম মওং চাদবগা চহী মতাঙনা লৈথরকপগা অনায়েক থোরকপসু য়াওরি। মতমদুদা কনানা মাবু য়েংবিগনি। মদুদগীসু হেন্না লুবা মরম্মগা লৈরি। মদুগীদমক্তনি লৈকাইদুগী অহল ওইরবা মীয়াম্না য়াম্না হেক ৱারিবসে। মদুদি, সাঙ্গদ হায়না মখোয়না মিংথোল্লবসু মীওইসিদি বাঙালি নত্তে, মুসলিমসু নত্তে হায়বসি মাগী মশক, শাজৎ-লমচৎনা তাকই। অসুক কুইনা লৈরকপসিদা নোংমতসু মহাক লাইনীং লম্বীগা মরী লৈনবা থবক-থৌরম অমত্তা খক পাংথোক্তে। অদুমকপু মাগী মওং-মতৌ ৱাঙাঙ-শাঙাঙদগী মাসে হিন্দু লাইনীংগী মনুঙ চন্না হৌরকপনি হায়বসি মখোয়না খঙখি। অদুনা হিন্দু অমত্তা লৈতবা খুলসিদা সাঙ্গদ কৌবা নিপাসিগী করিগুম্বা ফত্ত-নুংদা থোক্লকুবদি কনানা করম্না মাগী অরোয়বা থৌরমশিং পাংথোক্কনি। মদুগী শরূকপুদি মাগী ইমুঙ-মনুঙ হেক নত্রবসু শাগৈ-জাৎ তিন্নবা নত্রগা লাইনীং-লাইশোনতা ওইরবসু তিন্নবা মীয়ামশিংগী মরক্তা লৈজরুবনা ফৈ হায়বসি মখোয়না খল্লকপা কুইরবনি। অদুনা ঙসি পামেলখোয়না থিবা লাকপসিদা মখোয়না তশেংনা পুকচেল শেংনা হরাওখি।

পামেলনা মেম্বার য়াওনা তিল্লিবা মীয়ামলোমদা ওনশিল্লগা হায়– ঐখোয় মরী তান্নবা য়াবা লোইনা তান্নজরে। ঐখোয়না অসিদা ঐখোয়গী ইনাও অমবু থিবা লাকপসিদা ময়াম্না তরাম তরাম্না তৌবিবা, ঐখোয়বু মরম'পুম্বদা তেংবাংবিবসি তশেংনা থাগৎনিঙাইনি। সাঙ্গদ হায়রিবা মীওইসিগী ৱারী কয়া তাজরে, মাগসু ঐখোয়না ৱারী শান্নজরে–পুম্নমকসিগী মতুঙদা ঐখোয়না খন্নবদা, মরূ ওইনা ঐখোয়গী ইনাও ইপোমনি খন্না থিজরকপা অদুগী ইপোমদুগী হেক পোকমিন্নবা ময়াম্বা তাদ সুনীল য়াওরকই, মাগী ৱাখলদা সাঙ্গদ কৌরিবা নিপাসে ঐখোয়না থিরিবা ইপোম হায়বা ইনাওদুমক্তি হেক নত্রমালে। অদুম্মকপু ঐখোয়না নিপাসিবু ইনাও ইপোম'দুমক্লি খন্দুনা লোয়ননা পুখ্রগে হায়বসে খল্লে। করিগুম্বা মানা ইপোম ওইরম্বা থোক্লবদি আদা চৎলগা মাগী পোক্লফম লমদম, অঙাং ওইরিঙৈগী স্মৃতিনা থল্লবা মফম কয়া উবদা কাউথ্রিবা মাগী হৌখ্রবা মতমদো অমুক নিংশিংলকপসু তম্বা ঙমদে। অদুগা করিগুম্বা ইপোম ওইরমদ্রে, করিমত্তা কায়দে; ঐখোয়না মাবু ইনাওগুম্না য়োক্লগা, ডাক্তারনচিংবা য়েংহন্দুনা মাগী অরেপ্পা শক্তম নিংশিংহনবা য়াবরা য়েংগে। কনানা তম্বা ঙম্মি, মদুনা মাগী পুঙ্গিদা অনৌবা অয়ুক অমা পুরকপসু য়াই।

পামেলগী ৱাশিংদু তাবদা তিল্লিবা মীয়ামদো হরাউরে। য়াম্না ফজবা ৱাখলনি হায়না সুনীলবুসু থাগৎপীরে। ময়ামগী মহুৎ শিন্না মেম্বার আবুল কালামনা হায়রে, মদুদি ফরে, দাদাখোয় চাক চাননবা তৌরসি। মসিদা লোইনা শিল্লবনি। সাঙ্গদকীসু চৎননবা থৌরাং তৌবা তাই। মাগী মপোৎ-মচৈনা করি করি লৈবা মদুসু নখোয় খরনা য়েংদুনা খরা শিনবীরো।

অদুবুদি ফরে, কালাম সাহেব। সাঙ্গদকীদি মৱা-মরোল করি লৈবা মদু অমুক্তং তাথোকপনদি ফরোইদ্রা?

হোয়নে দাদা। মদুসু চুম্মি। ফরে ঐ হংঙগে। সাঈদপু মনাক্তা কৌশিল্লগা কালামনা হায়- য়েংঙু সাঈদ, মখোয়শিংসে নঙগী মী ঙাক্তনি। মখোয়না ঙসি নঙবু মখোয়গা লোয়ননা সিলেটতা চৎলসি হায়রি। নঙদি করি খল্লি?

সাঈদ খুমদে। য়াম্না তোয়না হংশিল্লবদা থোংনাউ পায়না লৈরিবা অঙাংশিংদুগা য়েংঙগা মঙক কন্না হাইরকই।

কালামনা অমুক্কা হংঙি- করিনো, করি হায়রিবনো?

সাঈদ শুকখুম খুমখিদ্রে। মদু উবদা পামেল অমসুং সুনীল মনাক্তা চঙশিল্লি। সুনীলনা মাগী মকোক্তা নানবি। ঐ নঙগী তাতোননি, নঙ ঐগা চৎলোইদ্রো? হঙ্‌ৎনা মুন্না য়েংখৎলকই সুনীলদা। পামেলসু চঙশিন্না নুংশিনা কোনবিরগা হায়- করিনো, নঙগীদমক্তা ঐখোয়না অসুক অথাপ্পদগী লাক্লুগা নঙনা করিগী চৎলোই হায়বনো? নঙগীদমক্তা নঙগী মরী-মতাই কয়ানা আদা কয়া খৌরাংনা ঙাইরমগনি নঙ খঙদ্রা? চৎসি, লোইশিল্লুরো চৎলো।

সাঈদকী মিৎলু অনীদগী লোন্না শিন্থরকখি পিরাং মতুম মতুম। ময়াম ঙকনৈ, অসুক কুইবসিদা সাঈদনা কপ্পা মখোয় খক উখিদ্রি। পামেলনা মমিৎতগী শিন্থরকপা পিরাং তৈথোকপিরগা অমুক্কা হংঙি- নঙ ঐখোয়গা চৎকনিদনা?

মঙক তপ্না তপ্না থুরগা হায়রকই- অং চৎকনি।

নুমিদাংৱাইরমদা সাঈদকা লোয়ননা মখোয় মরী থোরক্লি মেম্বার আবুল কালামগী য়ুমদগী। মেম্বার য়াওনা ময়াং অহলশিংদুনা থিন্দোরকই বাজারফাওবা। সাঈদকী মরূপ ওইরিবা অঙাং ময়ামদুসু জুরু জুরু ইন্নরকই তুংদা। রহিমনা হান্ননা থৌরাং তৌনা থম্লম্বা রিক্সা-ভ্যান অনীদা মখোয় ময়ামদো কাখৎলে। বিদাই লৌনদুনা গাড়ি থারকই। পামেল তুং হন্না য়েংঙুই, অহল অম'নী লোন্না মপী তৈথোক্লবা য়াওই-অঙাং খরদি হিক্কা হিক্কা কপহৌই। মখোয়গী ভ্যানগাড়িদুনা মীৎয়েংগী ৱাং'মা লান্দ্রিফাউবা তিল্লিবা মীয়ামদো মখূৎ হাইনা হাইনা লৈহৌই।



**এ কে শেরাম**

পোকপা : ২৭ ফেব্রুয়ারি ১৯৫৩ (কোষ্ঠীগী মতুঙ ইন্না) হবিগঞ্জ জেলাগী চুনারুঘাট উপজেলাগী ১নং গাজিপুর ইউনিয়নগী গোবরখোলা (বিশগাঁও) খুঙ্গংদা। অপোকপা পম্বৌ শেরাম নবকিশোর সিংহ অমসুং অপোকপী পলেমনা থাম্বাল দেবী। কমার্স অমসুং ল' দা গ্রাজুয়েট তৌরবা এ কে শেরাম সোনালী ব্যাংক লিমিটেডকী ডেপুটি জেনারেল ম্যানেজার ওইরম্বদগী হৌজিক থবক পোথাদুনা লৈরি। হৌজিক্কী লৈফম–৩৫/বি, কলকাকলী, লালাদিঘীর পূর্বপাড়, সিলেট-৩১০০। হৌজিক হৌজিক মহাক্না সভাপতি ওইনা থবক পুরিবা সংস্থানশিংদি– বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ; প্রথম দিনের সূর্য; বাংলাদেশ উদীচী শিল্পী গোষ্ঠী, সিলেট জেলা সংসদ; জাতীয় কবিতা পরিষদ, সিলেট বিভাগ অমসুং মণিপুরী ভাষা গবেষণা ও উন্নয়ন সংস্থা। মসি নত্তনা শম্নরকপা নত্রগা শম্নরিবা অতৈ শিংথাবা য়াবা সংস্থানশিংদি– ইন্টিগ্রেটেড মণিপুরী এসোসিয়েশন (ইমা) বাংলাদেশ; সিলেট জেলা শিল্পকলা একাডেমী; সোনালী ব্যাংক অফিসার্স ওয়েলফেয়ার এসোসিয়েশন, সিলেট; স্বজন সিলেট। সাহিত্যগীদমক্তা ফংলবা এৱার্ডশিংদি– 'সোনামনি মেমোরিয়েল এৱার্ড' (সিলেট, ১৯৯৪); 'শেকড়ের সন্ধানে এৱার্ড '(সিলেট, ১৯৯৯); 'য়েংখোম কমল নীংশিং মনা' (শিলচর-২০০৩); 'সাহিত্যভূষণ' (আসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ২০০৮); 'প্লাটিনাম জুবিলী থোইদোকপা সম্মান' (মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, ২০১০); 'থিয়াম লৈরিকয়চা ইন্টারন্যাশনাল এৱার্ড (ইম্ফাল, ২০১১) অমসুং 'হিজম ইরাবত মেমোরিয়েল ইন্টারন্যাশনাল এৱার্ড' (ইম্ফাল, ২০১১)।

CS CamScanner